

চক্পা চাইরেল্ খুন্থোক্লোন্



লাইশ্রম রোহেন (লানুঙস্বা) খুমন

চক্পা চাইরেল্ খুন্থোক্লোন্



লাইশ্রম রোহেন (লান্ঙম্বা) খুমন

কচ্চবা

ঐগী অচম্বা ৱাহৈ খবদং
চক্‌পা ইবুধৌশিংগী মফমদা
ৱাহৈগী খুদোল তমজবী
লৌবিগ্যকো [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
পুক্‌চাও তাইবোং কোলোযবা
চক্‌পা চাইবেল্ ইধৌশিং
চাইবেল্ মৈনো অকন্‌বা
নগুন্‌শিংবু শর্কাপিনবা লৈতবনা

তাইবং কাননসু শৈশক্‌পীদেদো
বাবৌগনুকো ইধৌশিং
মতিক চাদবনা নগুশিং
[illegible] শৈশক্‌নদ্রিদো
[illegible] খবদং
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
হায়চমদেদো তাইবংচা কনানা
অইবা ওইনা পুথোক্‌তবনা
খঙবীদে নগুনবু ঐনা হৈজবা
খবদং শৈথাবা পেনবীযুকো ইমাও !!

ফোংজবা :
লাইশ্রম রোহেন (লানূঙম্বা) খুমন
চাইরেল খোংনাং লৈকাই ।

অহানবা নম্বা, ১৭ ওক্টোবব, ২০০১
ফংফম থোকপা পুন্নমক অফোংবগীনি

কোপি মশিং ঃ ৫০০ (চামঙা)

মমল ঃ — লুপা ৫০/-

নম্ফম ঃ— *পুথিবা প্রেস (কম্পুটরাইজ)*
খুবাই লমলোং বজাব, ইম্ফাল ।

অহৈবগী ৱারোল

ইবুধৌ পাখংবা, ইমা পান্থোইবী, ইবুধৌ খুমাবা-খুমাবীবু অহানবদা খুকমজদুনা চক্পা চাইবেল খুম্বোকলোনগী লাইরিক অসি অচুম্বদা লমজিংবীদুনা ইবা ঙম্নবগী পাঙ্গল লৌশিং থৌনা শক্তি নচাদা হাপ্পীয়ু।

লাইবিক অসি তুংদা লাক্কদৌরিবা ঈরৈবাক্চাশিংদা খবদং ওইববসু কান্নগনি খনজদুনা ইজবনি।

লাইবিক অসি চাইবেল্ নিংথৌ য়াওফুবাক্পা-যাওশুবাক্পা নিংথৌ মচিন-মনাওনা পানবদগী হৌজিক্ ফাওবগী মনুংদা থোক্খিবা থৌদোক্শিংগী ওইবা পুৱাবীশিংদা যুম্ফম ওইবা লাইবিক্নি। লাইবিক অসি তশেংনা থোক্খিবা থৌদোক্শিংগী খুদম্দি লৈবগা মতম্ অদুগী ইপা-ইপুশিংনা ইবদা ৱাৎপা অমদি মাংহনখিবনা মবম ওইদুনা চপ্-চাবা কুমশিংদি হাপ্পা ঙমজদ্রে, মসিগীদমক্ অখঙ্-অহৈশিংনা তাক্পিবক্পদা অচুম্বা ৱাফম্ ওইবগদি হবাওনা লৌজগনি. লাইবিক্ অসি মীযাম্দা পুথোকপা ঙমজবসি ঐগী লাইবক্ ফবনি। অদুগা লাইবিক অসিবু ইনবা হোংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ঐগী মাম্মা সোবোক্খাইবম্ পঞ্চমনি খা-ঙানবা অমদি ঐগী ইযাম্বা লাইশ্রম বনজিৎ খুমন অমদি লাইবিক অসি ইবদা তেংবাংখিবা লাইশ্রম্ খুমনজাও লোযননা লাইবিক অসিবু ইবদা তেংবাংবীবক্খিবশিংগী মফমদা শাংঙম্লবোইদবা লমন্ তোন্শিনজবে। লাইবিক্ অসিবু পুথোক্লবা হোংনবদা তেংবাংবীবক্খিবা পুক্চেল চাওববা মীওইশিংবু মতম চুপ্পগী কাওজবোই। অদুগা লোযননা পুথিবা প্রেস কম্পুটরাইজগী ইচিল-ইনাওশিংগী লমনসু পুন্সিগী তোর্নাশঞ্জবে। লাইবিক অসিদা অশোয অঙাম থাওবর্বাদ অখঙ-অহৈশিংনা তাকপিবকপা পাওতাক হবাওনা লৌজগনি।

লাইশ্রম বোরেন (লোনচঙ্গ) খুমন

চক্পা চাইরেল্ খুঙ্হোক্লোন্

ꣲ পাখংবা খুকম্না ইজবক্কে, হৌজিক্তি চক্পা চাইবেল্ লোনবু ইজগে, লাইবিক্ অসিবু তাংশঙ্ মীথনদ্রবদি তুম্না মাংও ... ।(নহান্ নোং হয়িচক্ লৈমবেম্বী কুম্শিং ১৯১৮৮০৮ দা সেলোই লংমাইচীংগী অমমম্ লোক্কী নাক্পাক্তা চক্পা খুনজা তবাগী অশুপপা পিবা লুৱাং কৈশাক্ অমসুং তাইদিংনু পান্নদুনা চহি ৪০০ নিংথৌ ওইদুনা পানখি, অসুম্না মথং মথং পাল্লক্পনা মৈতৈ কুমশিং (পালচা) ১৪১৪ (16 A D) দা কোলাম্বানা নিংথৌ ওইদুনা অমুক্ পান্খি। অসুম্না পাল্লক্পনা অবোইবা ওইনা চক্পা খুনজা তবাগী অসুপ্পা পিবা লুবাং চাইবনা নিংথৌ ওইদুনা নোংমাইজিংদা পানবদা চক্পা খুন্গাইদুনা খুনজা তাবা অসি তোঙান-তোঙান্না খুন্দানখি, খুন্শিং অদুদি – (১) সেকমাই (২) থৌবাল্দোং (৩) অন্দ্রো (৪) ফৈয়েং (৫) লৈমবাম্ (৬) খুবখুন্ (৭) কৌত্রুক (৮) থোংজাও (৯) ক্বাথা অমসুং (১০) চাইবেল্ অসিনি। অসুম্না লুচিংবা অমমমম্না চিংদুনা খুন্দানখি। চক্পা পিবা অথোইবা লুবাং নিংথৌ চাইবনা চিংদুনা পুবক্পা খুন্জবু নিংথৌগী কোলোই মিংলেন্ লৌদুনা চাইবেল্ কৌখি, চাইবেল্ থোংখোং (খুবাই) দা চাইবেল্গী শকক্ অমা ওইনা খুন্দাহৌই। অদুগী মতুংদা শগোল্মাংদা মতম্ খবা তাবমল্লগা খুলহোংদুনা চীংঙুথেল্দা অমুক খুন্দাবে। মফম্ অসিদা লুৱাং নিংথৌ চাইবগী মচা মেনাংবা, কানাংবা অনী পোক্ই, অদুগী মতুংদা লৈতান্ পোক্পীদা খুল্হোংদুনা তাইযে, লৈতান্পোক্পী হাযবা অসি হৌজিক্সা মোইদাংপোক্ হাযাববা মফম্ অসিনি। অসুম্না চাইবনা চহি ১০৯ নিংথৌ ওইদুনা পানখি। মেনাংবা-কানাংবা অনীনা হুয়েল্ লান হৈবক্পদা কবো মথি ফোং-অৱা মবাং হৌঙৈদা হুযেল্ লান্দবক্ঙৈদা হুয়েল লানঙল্লবদা কবো চনু সেবিংনুবু মেনাংবনা তালোই শিংদা চন্খিঙৈনে, সেবিংনুনা য়াওফ্রবাক্পা, যাওশুবাকপা অনী পোকএ, মেনাংবনা চহি ৭৫ নিংথৌ ওইনা পান্খি। মতুংদা কানাংবনা অমুক্ চহি ১৬ পানখি। অদুগী মতুংদা লৈতান্পোকপীদগী খুন্ হোংলক্কুনা হৌজিক্কী ক্বাকতা হায়বিবা মফম্

অসিদা মৈতৈ পালচা কুমশিং ২৬৭০ দগী ২৭৪০ ফাওবা য়াওফুবাক্পা অমদি যাওশুবাক্পা মচিন্-মনাওনা নিংথৌ ওইদুনা পান্খি। যাওফুবাক্পনা সেবিক্নুবু পান্নদুনা নিংথোন্ পোক্ই।

চক্পা চাইবেল্ ঐখোযনা ক্বাক্তাদা পান্বা মতমদা মোইবাংদা চেংলৈ নিংথৌনা লৈমা তবেৎ নিংথিবীবু ফম্বাল্ তোংহন্দুনা পাল্লি। মতম অদু মোইবাংদা চাওবা থোংলেন্গী মতমনি। মযাং ইম্ফালদনা খুমন নিংথৌ পুন্সিনা হুইমু লৈমা লৌদুনা পাল্লি। মতম অসি শা-লানগী মতম্ ওইবনা কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং অমগা অমগা তিন্নদা মাগী-মাগী লৈবাক্ অমমম্ শেমদুনা অথোই অহেন্ তান্নদুনা পান্নবা ঙাক্লি, ক্বাক্তাদা চক্পা চাইবেল্ যাওফুবাক্পনা পানবা মতমসিদা মোইবাংগা লৈলোন্নে (লৈবাক্লোন্নে) মতম অসিদা চীংঙু লাইগী নোংদম্লী. খোইযুম্ মাগী লীল্লানি তাইবং কনা খঙ্ঙমদবা, যাওফুবাক্পা নিংথৌগী মমোম্ লাংলেন্ ওইনা অযাং লৈমা পান্থোইবীনা লাংওন্লে। অযাং লৈমা পান্থোইবীনা তাইবং ফাওবম্দাইদা নিংথৌ মচিন্-মনাওগী খোমলেন্ মংলান্দা অযাং লৈমা পান্থোইবীনা লাক্লুনা হন্দক্ নখোযনা ফংগদৌবিবা নমোমসে অযাং লৈমা পান্থোইবী ঐগী লাংওননে, চাক্মাং শামাং পীজফদে তাকপীবমই। ইনুং মানা ঙাল্লবা কান্দা চাইবেল্ নিংথৌ মচিন্-মনাওনা খোম্লেন্ মংলানগী বাবাবু লীনখি, মতুং ইকুই কুইদনা মমোম্না তাইবং ফাওববা কান্দা, মমোমগী চেংলৌ যেংলগা যাওফুবাক্পা নিংথৌনা মমোমগী কোলোয মীংথোললে; চেংলৌ শক্লা হেন্বনে পুক্লিং লিন্না ঙান্বনে তাউজিং হৈবাং নিংথিববু হেন্না ফজৈ হৈযাই লীশুম ঙাংই হাযবগী হৈযাইনু কৌখিযে, ক্বাক্তাবু ঐখোযনা মতম অদুদা হৈযাইনু পোক্ই হাযদুনা হৈযাই পোকপী কোনুং থোন্খি। মোইবাং লৈবাক্লুনা কমদৌবী; মোইবাং চেংলৈ নিংথৌগী মচা লৈতে হাযদুনা থাংজিং লাইদা থৌনিবদা থাংজিং লাইশঙ্ শুমাংদা তাংলৌ অহিংদা মঙালগা লোইননা লৈবম্ই হাযবগী তাংলৌ ঙানবা, তাংলৌ খোম্বা অসুম্না কোলোয মিংথোন্দুনা মোইবাং নিংথৌ চেংলৈনা যোকখিযে। নোংমগী কোবৌ নুমিত্তা চাইবেল্ নিংথৌ যাওফুবাক্পা তোর্বুং লমজাওদা যাবৌ শাবু তান্বা চৎলিদো, নুমিৎসিমক্তদা মোইবাং নিংথৌসু যাবৌ শাদান্বা তোর্বুং লমজাওদা লাক্খিদো, নিংথৌ অনীমক্ য়াবৌ শাবু ফংদবনা ৱানবদুনা পোথমিননৈদো, নিংথৌ অনীসি অমনা অমবু

ইকাই খুমনৈদো হান্না মরুপ্ শান্নেদো। মোইরাং নিংথৌনা পাথৌ নংবু তাবরা নংগী নমোম্ লাংলেন্ অমা শাৎলিবদো ঐগী ইমৌ ওইনা পীনৌদো অসি ব্রাবু হায়রবদা য়াওফুরাক্‌পা নিংথৌসু মোইরাং ঙান্‌বগী মপোক্‌পু খঙলদুনা থাংজিংগা পাম্হোইবীগা লান্নবী খন্দুনা পাথৌ মোইরাং নিংথৌ নংনবু খোইদারবদি কোরৌগী অফবা অমদা পুজখো হায়নদুনা তোর্বুংদা পীনখি। অসুম্না কোরৌগী নুমিৎ তরানি শুবদা হৈয়াইনুবু ঙান্‌বদা লুহোংবা হায়না লেপ্পরবা মতুংদা নিংথৌ অনী য়ারৌ শাশু ফাদনা ময়ুম্ মাইকৈ পাংনরক্‌খি। অসোমদনা কমদৌরী মোইরাং ঙানবদি কোরৌ নুমিৎ খুদিংগী য়ারৌ শাবু থিবাচৎপদা খুমন নিংথৌ পুন্সিগী মমোম নোংয়াই শংলৌলেম্বীগা হৈরাং লোনজানা লৈরাং লোনজিন্না নুংশি পরৈ কিশিনখ্রে, মোইরাং ঙানবা শাদানলুবা হল্লক্‌পদা পম্বৌগী মপাও তাবদা য়াইবী কল্‌হৌ নিক্সা তিল্‌লাং মখোই শাওরে, নোংয়াই শংলৌলেম্বীসু মোইরাং মপাও তাবদগী তাঙম্‌যে; মাবাল্ লুহোংগদবা নুমিৎ শিংবুম্ তরেৎনিদা ঙাইববদা মোইরাং নিংথৌনা মপারী ঙানববু খুৎলাম তোইনা পাওগৌখিয়ে; হে, ঙানবরো ঐগী ইপাওখোন্‌বু তাওব্রো ঙসি ইনুং অসিদি তাঙাইও হয়েং ইনুং ঙান্‌বদা তবা চাক্‌ঙন চানা লম্‌লেল্ হৈয়াইপোক্‌পীদা চক্‌পা চাইরেল্ খুন্দা খুল-লানলুও ঙসি নুমিৎ শিংবুম তরেৎনিদা মাঙাইরে চক্‌পা চাইরেলগী মমোম্‌লোই মথক্তা মচেম্ শাৎতবী মখাদা মনাও ফুইদবী হৈয়াইনু কৌবীবু খরাইথক্তা লৈহাম্লীবে লৈবোং লাইদা কৎলক্‌লে; চেংলৌ শক্না হেনবী পুক্লুং লিন্‌না ঙানবীবু চেংলৌ শখখংনরুরো হায়না মাপারীদা পাওমেনখিয়ে; ইনুং শোরা মথোং তৈনা ঙানলক্লে, তবা চাকঙন্ চাদুনা ঙান্‌বা তাংলৌখোম্বনা য়াঙ্গোই শায়াংথক্তা মরোইসু য়াংগা চক্‌পা চাইবেল্ তানা খোঙশানলকএ, অশোমদনা কমদৌবী মপল্ য়াওশুরাক্‌পনা মমোম্ হৈয়াইনুবু কৌশিন্দুনা পাওমেনখি। হে, ইমোম্ ইবেম্ম-ও, পম্হৌ পাউমেনখোন্‌বু তাউ-ও ইবেম্মা নংদি নাথক্তা নাচেম্ শাৎতেদো নখাদা ননাও ফুইদেদো ইপাগী লাংলেন্ ইবেম্মা ইপানা পমগে লাক্‌ও হায়না মীৎলু স্না থম্বাল মান্‌বদা তরং লাইজ চেন্‌না মমোমবু ফৈরা তাজিনথক্তা পাম্‌দুনা পাউমেন্‌খিয়ে, ঙসি কোবৌ শীংবুম্ নুমিৎ তরুক্নি শুবদা ইমোম্ নংবু কেগে মমোমগী মপারী ঙানবা তাংলৌ খোম্বদা ইপানা খরাই থক্তা লৈহাপখ্রে লৈরোং লাইদা কৎপগুম্ ইপানা পিখরে ইমোম্‌বু কোলোই

নিংথিবী চীংনুং-নুংনাং হরি ঙম্জবী নাৱা হৈতম্গী তম্না মানবী নাপাওখুমবু নপল ঐদা তম্মুদা লাংলেন্ তাংজ ইকাই থোইগনু লৈকাই খোইমু কনাগা হায়না ৱাবু লৈবরা অৱাং সেল্লোই চাংবী লাগুম্ ইম্মোম্ কোলোই তম্মুদা হায়না পম্ভৌনা তাংজ মাকু হুবগুম্ লিলহা মতাং শিংপাগুম্ পম্ভৌ মাগী ময়াথং তাবদা হৈয়াইনু-নুফাবিনা তাংজ মক লুক্লা তরা ৱাখল্ তৌখিয়ে; মসিদগী মোইবাং ঙানবা ইনুং তাংলৌখোম্বাসু ৱাইথুংলরে, মপল নাক্তা চংশিল্লকএ, কৈখা নোনবা হুইগুম্না তাংজ মক লুক্লা পুনেমজৈএ, হে পাবী নংদি কৈদৌনুংগী লাকপনো পাউহংববু ঐবু থাঙ্গা লৈকাই কোইজবনে, হায়না পাউখুমখিযে। মমোম্ কৌনা পাউতাক্খিযে, হে, ইমোম্ ইবেম্মা তৌবাং ফক্চা অমবু থাজৌও কাবা তাকতা অযাক্পী খুদোং চেপ্ফান্ন হল্লো হাযনা পাউতাকএ, তৌরাং ফক্চা থানা থৌগন্খিয়ে চেংলৌ শক্লা হেন্বা পুক্লিং লিন্না ঙানববু উবদা পাইমা নুংদা খোইজংলে, তিললাংনুংদা খোংদাখিযে; শোংগিখিযে, কেগে মোইবাং ঙানবদু নিঙোল্ মতৌ উবদা লাইজ ইবোন-নুংদা তাগুপযে, নুজা চেংলৌ উবদা হবাও ঙমখৈ লৈখিদেযে, মোইবাং ঙানবদি ময়ুম্ মোইবাং পাংখিযে। যাওফুবাক্পনা তালোয সোঁবিক্নুবু যেংদুনা মমোম্ পাউবু হংলক্যে; হে, তালোয ইনুংবীযো নংবু তাওৱো ইমোম্ পাউবু হংবদি লেমলৈ মক পনগুম্ইদা ইমোম্ মপাও ফংনিংবাঁদ লাইজ ইবোন্-নুংদগী লৈবাং লৈমী লাম্লগা ইপাল্ লাংনা শাৎচবা তাইবংপান্ববু শেল্লক্পদা মপুনা ফম্বাল্ ওইবা লৈ, শীংঙেন্ থম্বাল লৈনা থাগী মঙাল্ ফংনিংবগুম্ ইদা খোইযুম্ লৈমাই তেমগুমইদা নংগী নপাও খোন্না ইমোম্ পাউবু হংঙুদা হাযনা তালোই মানুংবীদা শিখিযে; অসি লাইবেন্ মতুংদা সেবিক্লুনা মমোমদা পাওহংলক্যে; হে, ইমোম্ ইবেম্মা নংবু তাউদা পুক্নুং লিন্না ঙান্বীযো চেংলৌ শক্লা হেনবীযো নপল্ পম্ভৌ কোলোই মায়াথংবু কোৱৌ নোংদবু কাগববা মালেম্ লৈদবু তাগববা হায়না পলেম্ নামা ঐনা থম্মোয খুদুম্ শুবিযে, লাংলেন নাপাও নিংথিবী তাংজ মবিল্ শিৎপগুন্না অৱাং শেনবী লাগুমবা নাপাউদুবু শিৎথবকউদা হাযনা পলেম্ মামা পোক্মবিগী কোলোয় মপাও তাবদা য়াৱা লোইদাম্ খুম্দম্ চেক্লা হবি নোংনাং খোংগুম্বী য়াওফুবাকপা মমোমলোই নুজা হৈয়াইনুনা পাউখুল্লক্এ, হে পলেম্ অপোক্পী পম্ভৌ কোলোয় মযাংথংবু কোৱৌ নোংদা কাফদে মালেম

লৈদা তাফদে তাংজগুম্ লৈফাংজরোই লিলহাগুম্ লৈলোংজরোইএ, খোইয়ুম্ মখুৎয়েক্পু থৈজদেয়ে হায়না নিঙোল্ পাউপিখিয়ে, অসি লোইরেল মতুং থোংপদা নিংথৌ মা মাংদা মমোম্ পাউবু তমখিয়ে। মমোম্ পাওবু তাবদা থাবী খুৎনা ফংগুমই; থাবা খুৎনা লামগুমই, নুমিৎ শিংবুম্ তরেৎনি শুরে কেগে মোইরাং লৈপাক্ হৌরক্লে হৈজিং খুদোং পুরকএ, শারম্ চামানা তুংদা ঙারম চামানা মাংদা থারে চক্পা চাইরেল্ খুনবু পাংলক্লে, হৈরম্ চামা থুংলরে, লৈরম্ চামা থুংলরে, মোইরাং চাইরেল অনীমক্ তরা চাক্ চানরে, ব্রাংলৈ কোক্কানরে নুংঙাই ঙমখে লৈতনা পারোই লৈকোইরে মারাননুবু হোংখিয়ে সেনদ্রিং পাখংবনা সেন্ য়েরে পোনবী লুব্রাং পনথা, মৈরোইহনবা অনিনা পুং য়েরে, অশৈবনা খোইয়ুম্ মিংখৈ শকএ, অমাইবনা খোইয়ুম্ মিংখৈরোনবু শোল্লে, মোইরাং চাইরেল্ অনী চংনা হৈয়াইনুবু মোইরাং নিংথৌ মাগাইদা শয়াংথক্তা থিন্খিয়ে, মোইরাং লৈবাক্সু খুনজাও লৈজাওরে, চাইরেল লৈপাক্সু শুক্তা শোইদবে খুল্হোং লৈহোংদুনা চাইরেল্ মোইরাং অনি অসি হান্না মরুপ ওইবগী মথক্তা ঙাই-শেন ওইনদুনা অমগা-অমগা অব্রাৎ-অপা মেন্নদুনা মতম খরা নুংঙাইনা পানমিন্নখি, চক্পা চাইরেল্ হায়বসি অরুবা লাইগী থেঙ্গৌবোল্ তিমেন্ চাংদম্বা হায়বদি চাংয়েং খৌদেমদুনা লৈপাক্কী অব্রাবা থোক্কদবা অমদি য়াইফবা ওইগদববু খঙবা য়াওশুরাক্পানা চিংদুনা তম্পাক্তা লৈহৌবা ফুরুপ্প চক্পা চাইরেল্ কৌই। য়াওশুরাক্পা খৌদেম্ চীং খোংজাই ঙম্বা পুমন্ চীং হায়বা অসি চাইরেলগী য়াওশুবাক্পানা চাংয়েংফমনি, মফম অসি লোক্তাক্ পাৎয়াইদা লৈ।

য়াওফুরাকপা হায়বা ময়াম্বা অসিনা থেঙ্গৌরোল খেন্তেক্তা ফাওই হায়বগী খেন্দম্বা (যাওফুরাকপা) না চিংদুনা চীংদা কাখিবা ফুরুপ্প খেন্দে, খেন্ য়েংবদা তেরে হায়বগী খেন্দে কৌখিবগী মতাং মখাদা লাক্খিগনি। চাইরেল মোইরাং অনীসি মতম্ খরা ইংনা পাল্লেদো চীংঙু মাগী থৌশিলনী খোইয়ুম মাগী লীল্লানি, তাইবং কনানা খঙঙমদবা মোইবাং ঙান্বা তাংলৌ খোন্বা থাংজিং লাইগী লাংওননে, হৈয়াইনু অমদি খুমন নিংথৌ মমোমলোই লৈমা শংলৌলেম্বী অনীসিসু পাম্ভোইবীগী লাংওন্নে, অযাং লৈমা পাম্ভোইবী লাংওন্ চংখোন্বী হৈয়াইনু হায়বী ইবেনথৌ অসিগী মফমদা মোইরাং ঙান্বা লংজরক্লেদো

লুহোংলবা মতুংদা খরা লৈরগা মোইরাং ঙানবা ময়ুম মোংবা মরানয়াইদা হল্লক্‌ত্রেদো খুমন্ লৈমা শংলৌলেম্বীগী নাক্তা হরাও মথোই কা মতম নুংশাংনা লৈখ্রেদো অমরোমদনা কমদৌরী হৈয়াইনু হায়বী ইবেনথৌসিসু নোংমদি মপাম্ লমদম্ পাংলক্‌খি মপাম্ লমদম য়ৌরক্‌লবদা পলেম্ মমা সেরিক্‌নুদা কলোইগী মপাও তমজরকইদো । পলেম্ ইমা অপোক্‌পী ঐদি মোইরাং লমদম্ পাংনিংদ্রেদো, মোইরাং ঙানবদি লৈমা শংলৌলেম্বীগা নুংশি পরৈ কিশিন্নরেদো ময়ুম মোংবা মরানয়াইদা হল্লক্‌তবা কোরৌগী শিংবুম কয়ানি হৌখ্রেদো মোইরাং ইচে-ইনেমশিংগী মমাংদা নমোম্‌গী মাইবু থমফম্ লৈত্রেদো, অসুম্না কোলোই মপাও তম্লবদা পলেম ওইবী সেবিক্‌নুনা ঙাইখো ইমোম্ লাংলেন ইবেম্মা নংবু পোক্‌পা পম্মৌগী যাবা কোলোই তাখিসি অসুম্না মাবু পোকপা চাইবেল নিংথৌ যাওফুবাক্‌পাবু ঙাইদুনা লৈবক্লে, নুমিৎনা চীংযা থাংলক্‌পা কোরৌনা মমি শাম্লকপা পোম্বী চেক্লানা মহুমনুংদা হল্লক্‌পা অসুক্‌ঙৈগী কানশিদা পম্মৌ যাওফুবাক্‌পা অমদি যাওশুবাকপা অনীসু য়ারৌ শাদানবদগী ময়ুম্ লমদম্ যৌবক্‌খি । মতম্ চাদনা মমোম্না লৈবম্না উববদা যাওফুরাক্‌পনা ইমোমগী লাংলেন্ ইবেম্মা মতম চাদনা নপাম্ যুমদা কুম্লক্‌পবু কবি মরমগীনো, অসুম্না যাবা মপাও হংলবদা তৈযাইনু ইবেনথৌনা তাবীযুনে পম্মৌ অপোক্‌পা নমোম্ লাইবক্ থীবীদি ইপাম্ যুমদা কুমজবগে ইদু য়ুমদা খোংদাজরগে অসি হায়না য়াবা মপাও তম্লবদা ইপাগী ইমোম ইবেম্মা মোংবাং ঙানবা তাংলৌ খোম্বানা ইমোমদা করি লান্দুনা ইমোম্না কবিগী অদুক নবুক্ নুংশিবনোদা ? পম্মৌ অপোকপা মোইরাং ঙানবদি খুমন নিংথৌ মমোম্‌লোই লৈমা শংলৌলেম্বীগী নাক্তা লৈখিবা কৌরোগী শীংবুম কয়ানি হৌখ্রেদো, নমোম্‌গী মাইসে ইকাই ফিরুক্ খুম্‌লেদো মবমসিননি পম্মৌ অপোক্‌পা অসি ৱাবু তারবদা য়াওফুবাক্‌পনা ইপাগী ইবেম্মা নত্ত ৱাখল্ খনগনুদো নুপী ওইবীশিংনা মমং অনী শুবদি মাংলমচৎতসু চৎনরক্তেদো তুংলমচৎতসু ইমোমগী নতৌ তম্লক্কনিদো অসি ৱাবু লৈবনা পম্মৌনা ইমোম্ নংবু থীনগেনে হায়দুনা মমোমবু মোইরাংদা অমুক্ হননা থীনখিদো, মোইরাং ঙানবসু লৈমা শংলৌ লেম্বী নাক্তগী ময়ুম্ লমদম্ মোইরাংদা হল্লক্‌পা মতম্‌দা হৌখিবা ৱাবু খঙলেদো। মোইরাং ঙানবা তাংলৌখোম্বা থাংজিং লাইগী লাংওন্নি চীংঙুগী লীল্লা মপুং ফাহনগে খন্দুনা অহিংগী অথেংবদা মশানৌ ইবেম্মা হৈয়াইনুবু

নংগী লাংওন লোইরে হায়দুনা মশানৌ মানা খোমলেন্‌ তুমখুন্‌ তাল্লিঙৈ মশানৌগী লৱাই কোইরেল্‌ থক্তা অশাংবা য়োংপী অমা শাফু কন্না খুংথা অমুক্‌তদা থুম্না য়ৈখিয়ে। মনা মনিন্‌ নাইদনা মশানৌ ইবেম্মা হৈয়াইনু অমং থরে কুমখিদো। মশানৌ মানা পুন্সি খম্‌লবদা শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী তাইবং মপোক্‌ লোইরেদো, ঐসু পংকুই কুইররোই অনৌবা মপোক্‌ লাংওন্‌সি অসি ৱাবু হায়রম্লগা মশানৌবু অমুক্তং চীংনা য়েংলম্লগা মোইরাং ঙানবা অহিং মমৈ ওইরক্লবদা লংগোই থক্তা তোংদুনা খুমন্‌ লৈমা শংলৌলেম্বীগী নাক্তা চৎখিদো। লাংগোই শয়াংথক্তা মোইরাং ঙানবনা অসুম্না তেংথাখি শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী, পাম্হোইবী লাংওন চংখোনবী, তাইবং মপোক লাংওনবনা, শানৌ নংদি খঙদ্রবোই ঐগী লাংওন খুদিংদা শানৌ নংবু থাদেদো অনৌবা মপোক্‌ অমগীদমক্‌ শানৌ নফমদা লংজবনিদো তাইবং মপোক্‌ ওইবশিং শানৌ নফম্‌দা লংজবা থাংজিং ঐগী লীল্লনি তাইবং কনা খঙ্‌ঙমদবা, ঐসু হৈনা নতুং ইল্লক্‌কনি অনৌবা মপোক্‌ লাংওন্‌লসিনে ইনেম্মচা অসুম্না ঙানবনা তেংথাদুনা মশানৌ ইবেম্মা খুমন্‌ লৈমা শংলৌলেম্বীগী নাক্তা য়ৌখিদো, অসোমদনা কমদৌবি মোইবাং কোনুংদা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা হৈয়াইনুনা খোম্‌লেন্‌ যাকাইবক্তবদা চংদুনা য়েংনবন্দদা হৈয়াইনু কৌবীদো অমংগী থরে কুমলম্‌লে, খুমনুং শাৱা তানলমলে, মতৌ অসি উবদা মোইরাং প্রজা মীপাইরেদো মপু ইবুংঙো মোইরাং নিংথৌনা তম্বা নিপা ২ থাবেদো য়াঙ্গোই শাগোল তোংদুনা মপাম্‌ চাইরেল্‌ লমদমদা ওইদা পাওনা অচুম্‌ শা চাইরেল্‌ নিংথৌ য়াওফুরাক্‌পগী মফমদা পাওবু খঙ্‌হনখিদো ঙসির্গী অহিংদা তাংলৌ মানা ঙানদ্রিঙৈ নমোম ইবেম্মা হৈয়াইনুদো খোমলেন্‌ তুম্‌খুন্‌ তানবদগী তাইবং মিৎকপ্‌ত্রেদো অমংগী যাইথোং কুম্লম্‌লে অসি ৱাবু হায়দুনা ওইদা পাউনা অচুম-শা য়াওফুরাক্‌পা মফমদা পাওদমমে, মোইরাং তম্বা অনী চৎখ্রেদো য়াওফুরাক্‌পনা মনাও ইবুংঙো য়াওশুরাক্‌পদা কৌদুনা পাউদম্‌লে নিংথৌ তালোই সেরিক্লুগা লোইননা য়াওফুরাক্‌পা, য়াওসুরাক্‌পা চাইরেল্‌ প্রজা খরাগা মোইরাং লমদম পাংলক্লে, মোইরাং লমদম্‌ য়ৌরবদা মমোম্না খাংঙুথক্তা নৌনা অমম্‌ শিগুম্লম্‌বাবু উবদা, হে ইমোম্‌ ইবেম্মা কল্লক্‌ইদা ইপলনা করি হায়সিবনো নথক্তা নমোম্‌ শাৎতেদো নখাদা ননাও ফুইদেদো লোইবী চীংদা শাৎপী য়িঙা কুমখৈলৈ ইঙেল্‌ কুমদম্‌ লৈ, লোইদাম্‌

থাজা মিংলোইনবী শীংঙেন্ ইঙেল্লৈগুম্ ইমোম্না নৌনা কেল্লেদো, পোমবী চেক্লনা মালেম্ লৈতপ্নবদা পোম্বী চাবু চেক্লা কোরৌ নোংদা পুখৎপসু ঙম্দা, চেক্লা চাগী নাক্তা ইনুং কৌবা য়াইবেক্পসু নামু তাইবং কি, চেক্লা চাগী মানাক্তা পোম্বী মাপা য়েংনা খেক্ল-খাক্লা খোংনা পাইবগুম্ পম্বৌনা কোইনা কোইনা কৌবসে লাংলেন্ নংবু খুমলক্উদা পোনবীগুম্ চিলওক্লখিসি, চেক্লাগুম্ চিনদম্লখিসি হাযনা কোবৌ নোংলেন্ খোংগুম্ মমোম্ কৌনা তেংথাখিযে। সেবিক্নুশু মমোম্ শিগুম্ববু থিক্লেনথাদা পম্না খাজাই লেংওন্ চুপ্না থনুং নোংখোং মীকপ্না তেংথাখিযে, ইমাগী লাংলেন্ ইবেম্মা হৌবী চীংদা পানবী হৈযাই লীগুম্বী পুক্লুং নীলনা ঙানবী চেংলৌ শক্লা হেনবীও নংদি পালেম্ শেংনা ৱাবু হাযবমদেদা পম্বৌ খাইনা ৱাবু তাক্লমদনা লাংলেন্ নংদি পলেম্ পম্বৌ অনীবু থবী থাবা অনীনা তাইবংপানবগী অৱা-অনা, অচুম্-অবান্ হাযবমদনা মযুম্ মোংবা মবান্যাইবু ইতাল খিবগুম্ ইমোম্না লমদম্ কৈদা ওনখিবনো থবী হল্না ঙানবগুম্ ঙাল্লক্উদা থাবা হলনা থোক্পগুম্ লাংলেন্ থোবক্উদা ইমাগী ইমোম্ ইবেম্মা তালা ওইনা পোল্লবসু ইবোক্ লাইশ্রম্ চনুনা তালা ওইনা খুৎ চাবা তালাৱো নিংথৌদসু শীংজং লাতোই চল্লমদাইদা পলেম্ মমাদা তালা নুংওন্ ৱাবীখিযে, ইমোম্ নংবু হল্লক্উদা পম্বৌ পাওমেন্লমখোবো, পলেম্ পাউমেনলম্মুদা নপলনা উন্বা নংগী লাইবেন্ থাঙ্গা নাগাইকা পালেম্ নামা এনা ৱাবা নীংঙোল্ নংগীলাইবেল্ নাকাই কাদা রুহি তেবা মোলাংদা যাতাবমদা ইমোম ও। নংনা হৌজিক্তি চাংবী লফু মতুপ্তা লাংলেন্ মোলাং ঙাইখাঙনাবেদো শিনৌ তেবা মোম্পাকথক্তা ইমোম্ যাতাবমলগা ঙসি লাইবেল্ নোংজাদা লাংলেন্না চাংবী লাথক্তা পামেল্ শহি মতুপকুম্ লাংলেন্ যাতাবম্বসিদি ইমাবু কাব ওইবাসনোনে হৈযাইনু অসুম্না পালেম্ মমানা তেংথাখিযে। অসি লাইবেল্ মতুংদা ইবেম্মা হৈযাইনুবু দোলাই শযাংথক্তা পুদুনা সহি উপুথক্তা যাতাববে, সৈবোন্ চন্দুনা হৈযাইনুগী থৌবম্ লোইববদা যাওফুবাক্পা, যাওশুবাক্পা চাইবেল্ প্রজা মযুম্ মাইকৈ পাংলক্লে। মযুম্ হৈযাইপোক্পী কোনুং যৌববদা যাওফুবাক্পা, যাওশুবাক্পা অনী মমোম্না হন্দক্ নৌনা শিগুম্লম্বসি পুক্লিং চীংনবা পোকতুনা কবম্বা চীংঙু লাইনা মীনম্বনো হায়দুনা যাওশুবাক্পানা মমিৎ উইশিন্দুনা য়েংবদা খঙলে, থোক্লিবা থৌদোক্পু ময়েক্

লানা উরেদো মমোমগী পুন্সি খাংঙুথক্তা কেম্বনি, আইয়ু পুন্সি লোইবা নত্তেদো, নিংথৌগী মনাও য়াওশুরাক্পা চীংঙু লাইমক্কা কিবনী, খোইয়ুম্ মানা মিপাইবনি, মমিৎ পাংথোক্তুনা য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা মোইরাং ঙানবনা চীংঙু লাইগী লাংওন্নী অথোই নাপল্ কারেদো ইমোমগী পুন্সি মানা খাঙ্ঙুথক্তা লোমহল্লেদো, মনাওগী য়াম্বা তাবদা য়াওফুরাক্পা নিংথৌসু চীংঙু লাইগী খেন্বু য়েংলেদো, খুবাক্ য়াইদা তিনবু হাপ্লেদো চীংঙু লাইগী মৈংখৈবু শোন্দুনা অতেন্বা খেন্বু যেংলেদো, খেনবু য়েংবদা খঙলেদো মমোমগী পুন্সি লোইদনা মোইরাং ঙানবনা মমোম্গী পুন্সি লোমহল্লে হাযবা খঙ্লবদা, য়াওশুবাক্পানা যাম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা মোইবাং ঙান্বা থাংজিং লাইগী লাংওন্ ওইববসু ইমোম্গী পুন্সি খাংঙুথক্তা লোয্হন্বগী ইমোমগী মংশৎ তানগনি, তাংজ লূবেল্ লৌগনি লাল্লু চোমাই কক্কনী, ঙম্দবা মতাং থোক্লগা ইমোম্গী হৈনা মতুং ইনগেদো হাযনা রাশক্লবদা মনাও য়েংদুনা ইযাম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা ইযাম্বানা নিংথৌ ওইজবতনি শানৌ নংনা শা লানগীবু পাবনিদো শানৌ নংনা পাম্বা হাযযুদো মোইবাং ঙানবা মথক্তা হুযেল্ লানশিংনবদা ইনাওনা পুনিংবা খোংমী লানমী কযানো ? অসি রাবু হাযববদা যাওশুরাকপানা ময়াম্বা যেংদুনা যাম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা ননাও মোইবাং ঙান্বা লাম্বা পাবদা ইবোই-ইনাও লোইনবোইযে, ওম্বা কনা যাওবোইযে, যাম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা ননাও ইতোম চৎকনি ঙমদবা মতাং থোক্লগা ইমোমগী হৈনা তুংইন্গে ননাওবু মঙ্গল্ পীনবো ননাও চৎচবগে হাযনা মযাম্ববু খু মজবে। মযাম্বনা মনাওবু কান্দুনা ইযাম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা নযাম্ব ঐনা নিংথৌগী ঈ অশেংবমক্তা ওইববদি ইনাওগী মাংদা মোইবাং চান্ম চান্মা লেপ্পা ঙমদবা ওইসনু অস্নুল্লা মঙ্গল্ পীবেদো, যাওশুবাকপা হুয়েল্ লানগী শাজোল্ তৌবকলে, লাংগোই কাক খোঙনেৎ শা মথক্তা শেম্নাং পাইবা যাদ-শা হুইয়েল লান্দ নত্তনা তোংদ-শা তোবুং লম্জাওদ মনিং তম্মা চাত্তবা শা মমাই নোংপোক্ ওন্না লাংগোয্ কাক মন্ত্র শোন্না কৌবকলে, লাংগোই কাক মবুংঙোগী খোঙ্জেল্ তাবদা মীৎনা কুপ্পদা হুয়েল লানবু চৎকদৌরে হবাও মথোই কা শুন্দ পাইবা পাংথক্নি। মীৎনা কুপ্পদা চাইবেল্ য়াওশুবাক্পা মাংদা লেপলবে, মবুংঙোগী মাংদা লাংগোই কাক লান্বু চৎকদৌবে হরাও মথোই কা খুমাং মবি খোৎতুনা শাগোলনা ফৈনা-ফৈনা চোংদুনা লোংহ্নন্ননা জগোই

শাবেদো। য়াওশুবাক্পানা লাংগোই মাবু ফাবগা শাবোৎ নমদুনা হাপলেদো। থাংশাং খুৎতা তিমেন্ তানিদো শগোলগী নাক্থিং অনিদা অবাম্বাই তেন্দোং থন্না হাপচিল্লী। লাংগোই শয়াংথক্তা নমদুনা চোংখৎলে, চাইবেল্ লাইবুং চংলক্লে, খুমাবা-খুমাবী খুকম্লে অয়াং লৈমা পাম্ভোইবী হবাও-মথোই কা লানগী জগোই শাবক্লে। চাইবেল্ লাইবুংদা হৌবিবা উ, ব্রা পুম্নমক্ মালং নুংশিৎ শিৎতনা খাংবা ঙম্দনা হাযবকলে মতোন্না লৈপাক্ শোক্কুল্লে, নোংবু মংদনা যুগিনি নোংথাং কুপলক্লে; মতম নত্তনা অখাক্ অবাও খোনঞ্জেল্ তাবক্লে অমুক্তা থেংনদ্রিবা খুদমদু উবদা য়াওশুবাকপা পুক্লিংদা কবিগী মঙ্গোলনো খল্লক্লে, অযাং লৈমা পাম্ভোইবী লানগী মবেম্মা হুইযেন্ লান্বু তেংবাংগে কীগনু হাযবগী খুদম্ পীবক্লে। যাওশুবাক্পা মমাংদা লাংগোই শযাংথক্তা খ্বাংজেৎ মচি লাং চীবোংবা থাংশাং পাইদুনা থাংগী জগোই শানা যাওশুবাক্পা মাংদা থাবকলে, অসুম্না লাকপনা যাওশুবাক্পা খৌদেম চীং কাবকলে, চীংদোল্ যৌববদা লংগোই শযাংথক্তাগী চোংথবে অযাং লৈমা পাম্ভোইবীবু খুকম্না তিমেন্ তাগী খৌশাবোল্ মাপল্বু শাবক্লে, খৌশাবা লোইবদুনা ঙযেল্ লানগী মঙ্গোল চাংবু যেংলক্লে, চীংঙু লাইগী মিংথৈবোনবু শোন্দুনা খুবাক্ অহুমলক খুণদা লোক্কোক্ ঈথক্ হৌবেদো অহানবা চাংযেং মাংবু পাকলে খঙলেদো অনীশুবদা অশাওবগা লোইননা মলেম্ লৈদা খোংফম থীন খৌবু থেম্নদা লোক্কোকদা তাবা চেক্লা কযা অমা অদুগা তাক্মুদা তানা চেক্লা কযা অমা লোংনা লোংনা ইযাইদা তাওবেদো। নুমিৎ অদুগী চাংযেং অদু পাম্ভোইবী যাওননা চেক্লা মকম্ যাওবা মাখিদো। অনীশুবা চাংযেংশু মাইবু পাক্ইদো অহুশুবদা যাওশুবাকপানা খোংফম্ লৈদা থিন্দুনা মাগী খুৎশু তিমেন তাবু লংবদা অযাং লৈমা পাম্ভোইবীনা হবাও মথোই কা লোক্তোক পাংযাইদা নোংলৈ নুংশিৎ শিংলেদো। তিমেন তানা পাইখিদুনা থাংজিং লাইমাংদা যুংখ্রে, তিমেন্ তাগী তাখোক্ মতোন্দা মৈবু হৌদুনা চাক্লেদো অযাং লৈমনা নোংলৈ নুংশিৎ ওন্দুনা থাংজিং লাইকোল নৈবক্লে। তিমেন্ তানা পাইবক্পা শগাই শেল্ পাইকুমই মৈখু যাওদা মৈবিনা তানিং তামাং পুমঙাং ঙাং ঙংদুনা পাইখিবা লোক্তোক্ পাংতা চাক্তাবা লৈত লাইব কযানা তৌবিবা খৌদৌদু উবদা চাইবেল্ যাওশুবাক্পা হুযেন্ লানগী চাংযেংলে কদোমদনো থব্রাই হীংনবা হাযদুনা মযুম্ মাইকৈ পাংনখি। অসোমদনা

কম্‌দৌবী মপু ইবুংঙো মোইবাং নিংথৌনা চক্‌পা চাইরেল্‌না চাংয়েং তাবু হল্লক্‌পা থাংজিং লাইমাংদা য়ুংলবা থাংজিং লাইকোন্দা নোংলৈ নুংশিংনা অঙক্‌পা খুদম্‌ পীববদা চীংঙু ইবুংঙো মোইবাং থাংজিং মোইবাং খুনজাবু কনবীয়ু হায়না থাংজিংগী কোলোয় শোম্নলৈখ্রে, য়াওশুবাক্‌পাগী তাসি কনানা লৌঙম্‌দবা তানি থাংজিং লাইকোনসু মী চংঙম্‌দ্রে, থৌওংদুদা য়াওশুবাক্‌পাসু তিমেন্‌ তাগী খোংগুন্‌ লীনা লাঙ্গোই কাক থৌবক্‌পনা মীৎনাকুপ্পদা তিমেন্‌ মাবু ফুক্‌খ্রে। তিমেন্‌ মাবু ফুক্লগা খুমন্‌ মাইকৈ পাংনা লাংগোই শগোল্‌ থৌখ্রে থাংজিং লাইকোন্দা নোংলৈ নুংশিংনা অখাক্‌ অবাও তৌবম্বা অদু নেল্লবা কান্দা মোইবাং নিংথৌনা কংলাগী যাইপুং তোমান্‌ পুংজাও যৈদুনা লৈপাক্কী প্রজা তিন্নবে, চকপা যাওশুবাক্‌পগী চাংযেং তাবু হুনবসে হন্দক্‌ মমোম্‌ লাংলেন্‌ ইবেম্মা হৈযাইনুনা মতম চাদ অমন্‌ শিগুম্বসে চক্‌পা থব্রাই নুংঙাইতবা মাল্লি, মোইবাংগী প্রজা ঐখোযশু চক্‌পা লান্‌বু ঙাক্‌নবা হুইযেল্‌ লানবুং শাসি হাযদুনা মোইবাং প্রজা পুল্লমক চক্‌পা চাইবেল্‌না লান্দাবক্কদবা মাইকৈদা মোইবাং প্রজা পুল্লপ্পা থেন্দুনা লৈখ্রে। অসোমদনা কমদৌবী চাইবেল্‌ যাওশুবাকপদি লংগোই শযাংথক্লা থোংদুনা খুমন্‌ মাইকৈ পাংনা লাক্‌পনা নমবোল্‌ ফোইজিং থক্তা চবৈ ফিংতৌ খননা খুমন্‌ চনু লৈমা শংলৌলেম্বীনা মশাবী মোইবাং ঙানববু ঙাইদনা লৈবম্বা থেংনবে। লৈমা শংলৌলেম্বীবু উবদা যাওশুবাক্‌পানা ইমোম্‌ মান্‌বী ইবেম্মা নংবু কনানো (পোইবৈ কৈদা শাৎপীনো পম্থৌ কনাগী মমোমনো) হাযনা ওংলবদা লৈমা শংলৌলেম্বানা চেংলৌ হেনবা তম্বা নংবু কনানো নিংঙোলগী পুক্লিং হুইদা, হৈবাং লৈববু চামিন্নর্খাসি লৈবাঙ্‌ অযাওববু চিনমিন্নর্খসি হাযনা কবেম্নবা বাহৈনা হাযবক্লবদা অশাওবনা লুতোন্‌ কাববা যাওশুবাক্‌পানা শংলৌলেম্বী যেংদুনা চেংলৌ হেল্লী অথোই নাপল কাববা ঐনা হংবা ব্রাহংগী পাওখুমতমক্‌ পীযুনা নপাগুম্বা ঐঙোন্দা কবিগী অথোই নাপল্‌ কাবনো হায়না অযাক্‌পা ব্রাহ্‌ শীজিন্নবক্‌লবদা লৈমা শংলৌ লেম্বীনা নাপল্‌গা লোইননা ঐদি খুমন্‌ নিংথৌ মমোম্‌নে কোলোই মিংলেন্না শংলৌলেম্বীনে, মোইবাং ঙান্‌ববু ঙাইবনে হাযববদা যাওশুবাক্‌পানা অশাওববু নেমথনা নবুংঙো মোইবাং ঙানবদি পোইবৈ কৈদা চংখিবনো মাবু উনবা লাক্‌পনে হায়বক্লবদা মোইবাং ঙানবদি যাংগোই কাবোংদা যাবৌ শাবু তান্‌বা চংখিয়ে হায়না

পাওখুম্লবদা য়াওশুরাক্‌পানা লাংগোই তোংনা মোইরাং ঙানবগী খোঙ্গুন্ লিখিয়ে। য়াংগোই কাবোংদা মোইরাং ঙানবদি য়ারৌ শাশু ফংদনা কোরৌ মৈশা খাংনা খোমলেন্ তুমখুন্ তাল্লম্‌ই। মোইরাং ঙানববু থেংনরবদা ঙানবনা যাওশুরাক্‌পাবু উবদা ইমান ইবুংঙো হায়না খুরুমই, অশোংবা নারক্তা ইমান্‌না খোংলেংলক্‌পবু কবি মবমগীনো হংলবদা য়াওশুবাক্‌পানা পারী নংবু থীরক্‌পনে, হন্দক্ ইমোম্না লৈতবসে পারী নংগী থৌবাংনে, নংসু থাংজিং লাইগী লাংওননে অথোই নাপল্ কাবেদো চাইবেল্ যাওশুবাক্‌পানা করি তৌজবা ঙমগনি খন্না অবোন্‌বা হুয়েন্ যাইবু থাবেদো। নংগী অবোনববু ঐনা খঙলেদো মরম্ অসিনা ইমোমগী মংশৎ তানগে ঙানবা নংগী তাংজ লুবেল্ লৌগে লাল্লু চোমাই ফক্কে হাযনা শবী পন্দোল্ লোমখ্রেদো। পাবী নংনা পাম্বা খল্লুদো তিমেন্ তাবু চাইনসিবা হুযেল্ লাম্থাং যান্নসিবা পাবী নংনা পাম্বা খল্লুদো অসি ব্রাবু হাযববদা মোইরাং ঙান্‌বসু ইমান্ ইবুংঙো শবী নামুংফদে, ঙান্‌বা ঐসু তাইবং পুন্সি লোল্লগে, খল্লে, তাইবং মপোক ওইবনা ইমান্না খঙ্‌দ্রবনি, নমোম্ অমদি ঐগী লাংওন্ লোইবেনে অসি ব্রাবু হায়নবদা যাওশুবাকপানা মতম মাংহনন্দুনা কান্নাবোই, তিমেন তাব পাইযু হাযদুনা তিমেন্ তাবু পাইনা লান্‌শিংনবক্লে। ঙানবসু মশা কংবা তিমেন্ মাবু পাইনা মব্ মমাক্ অনিদো চাইনবক্লে। অযাং লৈমা পাম্লোইবী হুয়েন লানবু পাংলক্‌লে, নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলক্লে, অখাক্- অবাও খোনজেন্না নংবাং শিংজা মৈঙ্গমলে, নোং মরদনা নোংথাং কুপলক্‌লে, অনি অসি অমনা অমগা অশোযবা যেংনৈদো তাগা তাগা লৈনবা শাম্ভ কন্‌বা তাগী তাথন্দা নাচোম লৈনন্দা থিন্ননা মশা-মশা চোংথোক্লা চুংগা-চুংগা লৈনবক্‌পা নাকন্‌দগী থাংশাং শংনবা চাগদনপুম্ সোননবা কাওনা যেন্‌গী মওংনী, অমনা অমগী অশোংবা যেংনৈদে হনাংনা তপ্-তপ্ তানৈদো মিংপু কুপ্নদা যেংনৈদো মোইবাং ঙানবা থাংজিং লাইগী লাংওননে চাইবেল্ যাওশুবাক্‌পাশু খোইযুমগী লাংওননে, অদুগী মথক্তা অযাং লৈমা পাম্লোইবীনা হুইযেন্ লানবু পাংবনা ঙান্‌বনা লাক্‌চবা ঙম্‌দেদো। অথৌবা অনিসিনা লাম্বাবসে লাংগোই শয়াংথক্তা নত্তে, লাঙ্গোই খোঙনেংশা অনিসু কাওনা যেনগী মওংনি খুদুং অনিনা ফৈনা-ফৈনা কাওনবা মমাই অনি ওর্নশিন্না তাউব হুইনা চিক্লবা পাংখক্‌নি, অশুম্না লাম্বাবসে কোবৌগী নুমিৎ তবেৎনি চুপ্পা য়ান্নবা অমনা অমবু লাক্‌চদা পানাবা

লাম্বানি অয়াং লৈমা পাম্ভোইবী হুয়েন্ লানওং হোংদ্রবদি ঙানববু হাৎপা ঙম্নরোই, খন্দুনা য়াওশুরাক্পগী খুৎশু থাংলেন্দা তোংগ্রেদো। য়াওশুরাক্পানা য়ানবা থাংয়ান্দা থাংগী থাং ঙাক্তা ওইখ্রেদো, থাংশাংদগী অঙক্পা মঙাল্ থোরকলে, মোইরাং ঙানবশু খঙলেদো অয়াং লৈমা পাম্ভোইবীনা মমান্গী থাংলেন্দা তোংলে হায়বা ঙানবশু তাইবং মহক্চাং কন্নবা হোৎনরক্পা স্বর ফুইনা-ফুইনা হোল্লিদো। য়াওশুরাক্পাগী থাংশাং মঙাল্না ঙানবা মীৎপু পাংবা ঙমদ্রে, অকন্বা লান্ফম্গী লাম্বানি অশুম্না লাম্বাবনা কোরৌগী নুমিৎনা কারক্পদা থাংলেন্ তাওরোইনাইগী তুথুপ্তা শোইখ্রে মোইরাং ঙানবনা হনগদবা মফমদা চোংশিনখিদুনা ঙাইহাক্তংবু ঙক্চনাবা য়াওশুরাক্পানা মোইরাং ঙানবগী তাংজ লুরেল্ কক্খ্রে, লাল্লু চোমাই ফকখ্রে, মোইরাং ঙানবা হাৎলবদা য়াওশুরাক্পানা কাওনা য়েনগী মতৌগুম্ কাওনরিবা লাংগোই অনীদু ঙানবগী লাংগোইদা তিমেন্ তাবাংলেদো ঙানবগী লাংগোই হাৎলেদো, লাংগোই মানা তুরবাকান্দা য়াওশুরাক্পানা পারী খোংনেৎশা নংগী নহকচাং ইপানা লোইশিল্লম্লবোই ব্বারৌগনু নবুংঙো মহক্চাং থাংজিং লাইমাংদা থাদগে মোইরাং নিংথৌ খঙজসনু ইপাবু ব্বারৌগনু হায়দুনা য়াওশুরাক্পানা লাংগোই শয়াংথক্তা ঙানবগী লুরেল্ য়াওদবা মহকচাং থাংগৎলে, ঙানবগী তিমেন্ অমদি থাংশাং পুন্না শগোল্ থক্তা হাপকৎলে, মোইরাং ঙানবগী লুবেল্ শমলাং পাইনা মোইরাং মাইকৈ তমলক্লেদো। কোবৌনা ব্বাতোন্ লোমলক্পা অসুকঙৈ মতমদা লাংগোই মাবু খান্না থাংজিং লাইমাংদা ঙানবগী মহকচাং অমদি তাগা-থাংগা থাদরে হৈয়াই পোক্পী কোনুং ময়ুম্ মাইকৈ পাংলক্লে, মোইরাং প্রজা ময়ামসু চাইবেলনা লান্দারক্কনি খন্না লানবন্ শারম্বা মোইরাং খুন্দোলদা মোইরাং ময়াম থেংনরে, মোইরাং প্রজা উবদা য়াওশুরাক্পানা লাংগোই শগোল্ খাল্লগা মোইরাং প্রজা য়েংনা কোলোই মপাও লাওরকলে, তাও-তাও মোইরাং প্রজা পুম্নমক্ নবুংঙো মোইরাং ঙান্বগী তাংজ লুরেল্ লৌরেদো লাল্লুগী চোমাই কক্লেদো ইমোমগী মংশৎ তাল্লেদো থাংজিং লাইগী লাংওননে অথোই নাপল্ কা য়াওশুরাক্পা ইফমদা মীনম্বা ইমোমগী পুন্সি খমহনবা করি তৌজগবনো মীনম্বদো, নমু তাইবং মীবুদি মীনম্ চাবা য়াইয়ে খোইয়ুম্ লাইবুদি মীনম্ চাঙম্লোইয়ে, মরমসিনা ঐনা মাবু হাৎলেদো। মাবু হাৎপগীদমক্ মোইরাং


প্রজা নখোয়না য়াওশুরাক্পা ইথক্তা হুয়েন্ লানশিংনরবশু য়াওশুরাক্পা শমাই লৈরোইয়ে হায়না কোলোইগী মপাও লাওরবদা, মোইরাং প্রজা কনা খুমদেদো চাইরেল্ য়াওশুরাক্পা মথক্তা হুয়েন্ লানশিংনসি হায়দেদো, মোইরাং কনা খুমদ্রবদা নবুংঙোগী মহকচাং থাংজিং লাইমাংদা লৈহৌরবনি, চক্পা ইরমদম্ য়ৌরগে অসি হায়না লাংগোই কারু শেম্বাং পাইগুম্ থৌখ্রে, অশোম্দনা মোইরাং প্রজা পুন্না ৱাবু খন্নৈদো ঙানবগী মহক্চাং লোইশিল্লুসি, অসি খন্না মোইরাং ময়াম্দো থাংজিং লাইমাংদা লাক্তুনা ঙান্বগী মহক্চাং থৌরম্ কাইদনা লোইশিনখ্রে, মোইরাং প্রজা পুন্না ৱাবু খন্নরে, মোইরাং থোংলেন্ অথৌবা মপু মোইরাং নিংথৌ য়েংনা কোলোইগী মপাও মেন্লক্লে, ইনিংথৌ ইবুংঙো চক্পা চাইরেল্ মথক্তা হুয়েন্ লান্দসিরা স্নাগী পুক্লিং অপাম্বা তাক্পিয়ু হায়না হঙ্গৎলবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা ইপু থোংলেন অথৌবা চক্পা মথক্তা লানশিংনফদে, মোইরাং ঙানবা থাংজিং লাইগী লাংওন্নি ইপুনা খঙইবা অদু মঙাই, থাংজিং মাগী লীল্লানি চক্পা মমোমসু পাম্থোইবী লাংওন্নে, চীংঙু খোইয়ুম্ অনীনা অনৌবা মপোক্ লাংওনগে থৌরাংবা মাল্লিনে ইপু হায়রবদা থোংলেননা, চুর্ম্মী ইনিংথৌ চক্পা মথক্তা হুইয়েন্ লান্দফদে, থাংজিং মানা শান্নবা লীল্লানি, লাইবু মীনা ঙমফদে, থাংজিং মানা অনৌবা মপোক্ লাংওল্লগে খন য়াওশুবাক্পা মখুত্তা পুন্সি লোম্বনি হায়না অসুম্না মোইবাং প্রজা মযাম্ য়ান্নরদুনা চক্পা চাইরেল্ মথক্তা হুযেল্ লানশিংনখিদ্রেদো। কোবৌনা মবাই চাইবকপা কান্দা যাওশুবাক্পা অথৌবদো হৈয়াইপোক্ কোনুংদা থুংলবে, চাইরেল্ লাইবুং চংলক্লে চাইরেল্ লাইবুংদনা কম্দৌবী যাওফুরাক্পানা মবোই-মনাও লোইননা চাইরেল্ লাইবুংদা ঈরাৎ থৌনিবমই, মশানৌ মাগীদমক্ কোরৌগী শিংবুম্ তরেৎনিচুপ্না মশানৌ মানা হুইযেন্ লানবু চৎখিবা নুমিৎতগী হৌনা মশানৌগী য়াইবী মাঙই মাঙদে খঙনবা অতেনবা খেনবু যেংদুনা চীংঙু-খোইয়ুম্ মিংখৈ শোন্না মশানৌ মাবু ঙাইদুনা লৈখিদো। করিগুম্বদা মশানৌ য়াইবী মাংবা তারবা নিংথৌ মহাক্শু মশানৌ খোংগুন্ লীগে হায়না শারী পন্দোল্ লোম্না মনাওবু ঙাইদুনা লৈরম্বা চাইরেল্ লাইবুং চংলক্লে, ময়াম্বু খুরুম্না য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা মোইরাং ঙানবা মাগী তাংজ লুবেল্ কাচ্চবি লৌবীরোদো। ইমোমগী মংশৎ তাল্লেদো অসি হাযনা ঙানবগী মকোক কংলেদো, যাওফুবাকপা নিংথৌনা মনাওবু চেংনা

কোল্লেদো। মীৎলু পিরাং শিম্নুনা ইয়াম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা, ইয়াম্বনা করিনা লমন্ শিংগনি ইয়াম্বগী শেনবগী ঙর্মখৈ লৈতরেদো, ইয়াম্বনা নিংথৌ ওইজবতনি শানৌ নংনা অকন্বা শা-লানবু পাবনিদো মোইরাং ঙানববু তাংজ লুরেল্ কক্লকপা লানঙম্ ফিরাল্ থেংলক্পা শানৌ নংনা পাম্বা হায়যুদো করিনা লানঙম্ মনা ওইগনি অসি হায়না তাক্পিরবদা য়াওশুরাক্পানা য়াম্নুং ইবুংঙো নুংশিবা ননাওগী ইথৌ পাংথোক্পদা করিগী মনানো য়াম্নুংনা নুংশিবীরীবা অদুদগী হেনবা মনাবু ননাওদা লৈতেনে অসি ৱাবু হায়রবদা য়াওফুরাক্পা নিংথৌনা মরোই-মনাও য়েংনা তাক্পিরক্ই, ঐদি ইকাওবু কাওরুরে শানৌনা হুইয়েন্ লানবু চৎখিবা কোরৌগী নুমিৎ শিংবুম্ তরেৎনিনি চাদ-থক্তানা হুইয়েন্ লাম্হেংনবনি, খুমাবা-খুমাবী অনিদা শারেন্ তন্না তুসে লান্ঙম্ জগোই শাদুনা হরাও-মথোই কাসে হায়না তাক্পিরবদা মরোই-মনাও মখৈনা খুমাবা-খুমাবী অনীদা শবেন্ তুনবা থোং-থাক্খরেদো, নিংথৌ মনাও য়াওশুরাক্পানা য়াম্নুং ইবুংঙো নুংশিবা মোইরাং ঙানবা মকোক্সে তাইবং মপোক্ লাংওনবদা অথোই নাপল্ কাখিদো মরমসিনা মাগী লুরেল্ অসিদি পম্বৌ লুখা থানসি অসি ৱাবু হায়না চিঙ্গোই মপাও হঙ্গৎলবদা য়াওফুবাক্পনা মনাও য়েংদুনা কোলোয়গীমপাও মেনলক্লে, শানৌ নংবু নুংশিবা অশাওবনা মরম্ ওই অফ-ফত্তা কাওরবোই মোইবাং ঙানবা থাংজিং লাইগী লাংওনবু করম্ লুখা থাগবনো মাগী তাংজ লুরেলসে চাইবেল্ লাইবুংদা খুবম্ য়াদুনা ঈরাৎ থৌনিরবদি লৈপাক্ খুনজাওগনিয়ে লৈপাক্ চাকহোং-ঙাহোংগনিয়ে অসি ৱাবু হায়না তাক্পিরবদা যাওশুরাক্পানা য়াম্নুং ইবুংঙো নুংশিবা য়াম্নুংনা পাম্বা থৌরমদো ননাও করি হায়জদে য়াম্নুংনা ফৈ, হায়না তাকপিবা ননাও য়াজরে হায়না মচিন্-মনাও য়ানবদুনা খুমাবা-খুমাবী অনীগী শরেনগী চাক্লেন্ চারেদো। শরেন্ চাবা লোইবগা মোইরাং ঙানবগী মকোক্তো লৈরোন্ চল্লেদো, লৈরোন্ চনবা মফমদো পুংবু চাওনা থোনলেদো, অচৌবা পুংদুগী মথক্তা (ঈরাং পুনবু থমলেদো) শিংঙেন্ লৈবাং লৈহুন তমলেদো অঙৌবা ফিবাল্না লৈপুং থুংনা য়ুংলেদো অসুম্না মোইরাং ঙান্বা মকোক্তো চাউনা হোংলেদো ঙাংঙোই হায়না কোলোই মিংথোল্লে অদু নোংদগী হৌনা ঙসি ফাওবা চাইবেল্ খুঙ্গা হবাওবদা চহিগী তৎতনা ঙাংঙোই ঙাংইদো ঙাংঙোই হোংবা লোইরগা নিংথৌ প্রজা পুম্নমক্

ময়ুম্ মোংবা মরানয়াইদা হন্নদুনা পোত্থানখ্রেদো। অসুম্না চাইরেল্ মতম খরা নুংঙাইনা পাল্লিদো। অসোমদসু চহিগী মোইরাং হরাওবা মতম য়ৌরক্লবদা থাংজিং লাইগী অমাইবীনা কোলোয়গী মপাও অসুম্না চেল্লেনে, কুমশি চহিগী হরাও মথোই কাবদা চাইরেল্ নিংথৌ য়াওফুরাক্‌পা মমোম্‌লোই হৈয়াইনুগী শিংঙেলগী লৈহুন্ তম্‌দুনা তম্‌মো লৈপাক্ খুনজাওগনিয়ে হায়না চীংঙু লাইপাও চেনখি অদু নোংদগী হৈয়াইনুগী শিংঙেল্ লৈহুন্ তমদুনা মতম খরা অমুক্ মোইরাংশু নুংঙাইনা পাল্লিদো। নাকেন্ থাগী মতম্ লোইখ্রগা কুম্‌গী নোংহৌ লাক্‌লগা মালেম্ লৈমা হরাও মথোই কারক্কনি অনৌবা ফিজোন্ হোংলক্কনি উপাল্ ব্রাপাল্ খুদিংমক্ অনৌবা য়েন্নীং হুল্লক্কনী মালেম্ লৈমাগী ফজববু উরগা শাবী-শানৌ কয়াগী পুক্লিংশু হরাও-মথোই কাগনি, মতম্না কনাবুশু ঙাইবীদে অব্রাবগী ব্রানা নুংঙাইবগী নুংঙাইনা অসুম্না লোইখিনি তাইবং খোংচৎশু, য়াংগংলবা তুরেলগী ইচেশু কুমগী মতম ওইবক্লগা ইমাই চোন্না চেল্লক্কনি ব্রাকচিংগী উলেন্‌না য়েবদা পত্থরবা লৈবাংশু বসন্তা ঋতু লাকলগা অনৌবা যেনিং হুল্লক্কনি, অপোম্বা লৈবাং কয়াশু লৈশাৎ তমল্লক্কনী, অশাৎপা লৈরাং কয়াশু লৈমাইথক্তা কেনখিনি, মতমগী তোর্বান্দা হৌজবা হৈরাং-লৈবাং কয়াশু মতমগী নোংলৈ নুংশিৎনা হুমলক্‌পদা অব্রা মৈশা লাংখিদবা য়াওদেদো লেপ্পা লৈতনা চেল্লীবা মতমগী ইচেন্দি অওনবা কাংখোংগী পাংখক্‌নি হোংবা নাইবা জগৎনি, পুম্নমক্‌না ওল্লবশু ওন্দবা অমখক্তি লৈ, মহাক্‌তুদি পুম্নমক্‌পু শেম্বীবা জগৎকী মপুনি, অসুম্না ওনলক্‌পনা চাইরেল্ মোইবাং লৈবাক্ অনিশু মতম খবা নুংঙাইনা পাল্লেদো, মপু মোইবাং নিংথৌনা মচালৈতবনা মরম ওইদুনা নুঙাই পুন্সি ফংদেদো চীংঙু থাংজিং থাগোন্না ঈরাৎ থৌনিজবনা নিংথৌ শিঙ্খা ওইবেদো। অমরোমদনা কমদৌরী পোইরৈ চাইরেল্ লমদমদা য়াওফুরাক্‌পা য়াওশুবাক্‌পা নিংথৌ মচিন্ মনাওশু লৈপাক্কী য়াইফনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিগী মফমদা ঈরাৎ থৌনিজরেদো, চীংঙু মোইরাং থাংজিংনা মোইরাং লীল্লা শান্নগে খন্দুনা তাইবং মপোক লাংওনলে, মপু মোইরাং নিংথৌগী মপারী ওইনা থাংজিংনা অনিরকশুবা তাইবং মপোক্ লাংওল্লবদা মোইরাং নিংথৌনা হরাও মথোই কা মপারীগী কোলোই মিংথোল্লে; থাংজিং লাইনা অহানবদা ঙানবা তাংলৌখোম্বা কৌনা লাংওনখিবা মতুংদা অনীরশুবা ওইনা লাংওনলে,

ঙান্‌বগী কোলোই মিংথাং লৌদুনা ঙাংঙোই অহোংবা অসুম্না কোলোই মিংথোক্লে, মোইরাং নিংথৌনা মপারীসিবু চাউবা লেপতম্ ফানবা য়োক্‌খিসনু।

নিংথৌজা সলাইনি ঙাংয়েক্ মচুনী ।



থম্না পোকপী পুখ্রিদসু শুরুং অমা লৈ ।।

অনীশুবা শরুক

মোইরাংদা চেংলৈ নিংথৌগী মপারী ওইনা চীংঙু থাংজিং মবুংঙোনা লাংওনপ্পবদা অসোমদনা কম্‌দৌবী পোইরৈ চাইরেল্ লমদমদা অয়াং লৈমা পান্থোইবীশু য়াওশুবাক্‌পা অমদি লোখা নিংথৌ চনু থোইনুগী মমোম্ লাংলেন্ ওইনা তাইবং মপোক্ লাংওনলে, তাইবং মপোক্ ফাওবম্‌দাই অয়াং লৈমা পান্থোইবীনা নিংথৌ মচিন্ মনাওগী খোম্‌লেন্ মংলান্দা অসুম্না খোইয়ুম্ লাইবেন্বীনা পাওতাক্‌পীবে ঐগী অহানবা তাইবং মপোক্ লাংওনবা তাইবং কুম্মৈ নুংঙাইবা মপুংবু ফাখিদেদো মবমসিনা অনীবক্‌শুবা ওইনা অমুক্ হন্না তাইবং মপোক্ লাংওনগনি, হন্দক্ ফংগদৌবিবা নমোমসে পান্থোইবী ঐগী লাংওননে. লৈবাং লেমনা মাংলোইযে হায়না নিংথৌ মচিন-মনাওগী মংদা তাকপিবমই, মতম খবা লৈবগা অঙাংনা তাইবং ফাওবেদো অঙাংনা তাইবং ফাওববা কান্দা নিংথৌ মচিন্-মনাওনা অঙাংগী কোলোই মিংথোল্লে, অয়াং লৈমা পান্থোইবীনা তাইবং মপোক্তা তোইনা লাংওল্লি হায়দুনা লুবাং তোইবী লৈমা অসুম্না কোলোই মিংথোল্লে, চীংঙু খোইয়ুম্ অনীনা লাংওনবা অঙাং অনীসি অমনা মযুম মোইবাং লম্‌দম্‌দা অমনা পোইবৈ চাইবেল লমদমদা নিনি পানবা থাজগী পাংখকান, নিনি পানবা থাজ মানা থাজগী মকোই ফাবা পুর্ণিমা মাবু তানগুমই, অঙাং অনিসি চাউবা লেপতম্‌লকলে শাংবা লেপফাবক্‌লেদো. মতম অদু শা-লানগী মতম ওইবনা মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবা শা-লানগী খুৎশু খুৎলাই নিংথিনা হৈবেদো চীংঙু থাংজিং মাগী লিল্লনি তাইবং কনা খঙঙমদবা নোংমগী কোবৌ নুমিৎনি মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদো তবা চাক্‌ঙন্ চাদুনা মবোই-মনাও লোইননা পোইবৈ চাইবেল্ লমদমদা চক্‌পা ফুশাববু যেংলুসি থাংগা লৈকাই কোইর্কাস অশুম্না পোইবৈ চাইবেল্ লমদমদা মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদো মবোই-মনাও লোইননা লাক্‌খিদো. পোইবৈ চাইরেল্ লমদমদা যাওশুবাক্‌পা মমোমদো ফুশাব খুঙ্গং ওইবনা লৈকাইগী মচে-মনেম্ কযাগা খোইনৌ মতাবোই কয়াগা লোইননা ফুশাব খুলং তৌবমই, য়াওশুবাক্‌পা মাংগোন্দা, মতমগী তাঞ্জা ওইবদা ঙাংঙোই অহোংবদা মবোই-মনাও লোইননা যাওশুবাক্‌পা মাংগোন্দা চংলক্লে, য়াওশুবাক্‌পানা তম্না নখোইবু পোইবৈ

কৈদগীনো করি মরমগীদমক্ য়াওশুরাক্‌পা ইকা তম্‌লক্‌পনো হায়না হংলবদা মোইরাং ঙাংঙোইনা কোলোই পাউখুমখি, তাবিয়ুনে চাইরেল্ অঙম্বা ঐখোয় পোইরে মোইরাংদগীনী চক্‌পা ফুশাববু য়েংনিংদুনা থাংগ লৈকাই কোইজবনি, অসি ৱাবু হায়রবদা য়াওশুরাক্‌পানা অদুগী মরম্ ওইরবদি পারী মান্‌বা নখোয়বু চাইরেল্ ফুশাববু ননিং তম্না য়েংজৌদো ঐদি লৈপাক্কী থৌবু পুবনা পারী নখোয়গা ৱারী শাবা মতম লৈতেনে, অসুম্না হায়দুনা য়াওশুরাক্‌পাদো ময়াম্বা য়াওফুরাক্‌পা নিংথৌগী নাক্তা চংখরে, য়াওশুরাক্‌পানা চংখ্রবদা ফুশা খুলং তৌরীবী নুজা ওইবীশিং খোইনৌ মতারোই অমানা চুমথাং ফক্‌পু পুথোক্‌লে, ফমফম্ লাংবু পীরেদো ফম্‌ফম্ লাংদা চংদুনা মখোয় পুন্না ফম্লেদো খোয়নৌ মতারোই অমানা থাংগা খুদোং হাল্লেদো খুদোং তন্না পীরেদো। শাবী-শানৌ পুন্না ফম্‌মিন্নবা ওইবনা মাগী-মাগী অপাম্বা হায়নদুনা ৱারী শান্নরক্‌ই ময়ামসিগী মরক্তা শাবী-শানৌ অনি অমদি য়াৱা কোলোই পাওমেন্নদা লোন্ন-লোন্না মিৎচানৈ মথোৎ কারকপা শাবী-শানৌ ওইবনা পুক্লিংগী অপাম্বাদু কোক হেক হাইদোক্লবদি ঙম্নদে অদুবু লোন্না লোন্না য়েংনবদি তোক্তে তশেংনা মিৎচানবশু ঙম্‌দেদো করিগুম্বদা মিৎচানরুরবশু ইকাইবনা মরম্ ওই, মালেম্ লৈমাই য়েংনা খাঙ্‌জবা নত্তনা শাবী-শানৌ অনীগী উপাই লৈজদে ফুশারীবীশিংগী মরক্তগী খরা অহল্ ওইবী অমনা ইবুংঙোখোই ঐখোয়গী ফুশাবা অসি য়েংবা নুংঙাইত্রা ? লৈশাবীনা মশক্ ফজবা য়াওবনে, ফুশাববু মিৎয়েং তাবীরিবা ইবুংঙোখোয়সু চেংলৌ শক্লা হেনবনে পুক্লিং লিননা ঙানবনে ইমাখোইসু অহল্ মতম্ ওইরে হায়বা ৱাখলবু কাওরে পুক্লিংসি কৈনোমা তৌরেদা ইওন্ ওল্লেদা অশুম্না অহল্ অমনা ফাগী তৌরক্লবদা ময়াম্ হৌদুনা নোক্‌মিন্‌নৈ, পাখঙ্ অমনা নুংঙাইখ্রেদা ইমা ঐখোয়দি ফুশাববু থোইনা য়েংজনিংদ্রে লৈশাবী য়েংজবা অসিনা থোইনা হেন্না পামজখ্রে, অদুগা ইমা ঐখোয়দি ইয়ুম্ মোইরাং লমদম্‌দা হননিংদ্রে, য়ারবদি অসিৱাইদদুম খুলহোংলক্‌লসিরা হায়নবু খল্‌লেদা অদুদা ইমা লৈশাবীশিংশি পাম্বগী খুলহোংলক্‌নিংইবনিদো অদুদা মখোইগী কনা কনাগুম্বা অরোনবা খোইমুগা - গাক্ লৈরমদুনা ঐখোয়বু অরেম্বদা তারগদ্রা খনজৈদো নুপী অহল অদুনা খুমদ্রিঙৈ লৈশাবী অমনা মরক্ থৎতুনা করি ৱানোদা মোইরাং ইবুং য়াবু য়ানরবদি মপাম্‌দা লৈরিবী নিঙোল্ ওইবী ঐখোয়দি লৈরাংগা পাংখক্‌নি পাখং ওইবা

নখোয়সু খোইমুগা পাংখক্নি তরা থোক্লা খন্নসি তরা থোক্লা ঙাংনসি অসিবু শেন্ তিংবরো অদুদা লুরিবদি মোইরাং ইবুং ঐনা হায়জরিবা অসিনা ময়ামগীনীদো ঐগীদি পামজবা মানবু ইহাই হেক্ হায়রক্তবা অসিদা ঐনদুম্ ব্না হৌরসিরা হায়না খল্লক্লে, করিগুম্বদা ঐনা হায়হৌদ্রগা মানা অপাম্বা অমদা হায়জিনখিবা তারবদি নিংঙোল্ ঐদি শীংঙেল্ অরেম্বা লৈরাং অতিংঙা তাহৌরেদো, ময়াম্ হৌদুনা নোকমিন্নবা ময়াম্ অদু নুমিৎতুদা ইহান্ হান্না উনবনি, অদুবু খর-খব ঙাংনরক্লবা অদুদদি খরা অহল্ ওইবী অদুনা ঙাইখোনেহে লৈশাবী শারীশা নখোইবু হৌনা খঙদবা তৌগনু মোইরাং নবুংশিং অসি য়াংদৌ লমশাং লাক্পগী ব্নারমলগনি, শংলৌ শীংজু মথেলদুম্ চামিন্নসি শীংজুদুম্ শুরুদো হায়না হায়রক্লবদা লৈশাবী, মোইরাং ইবুংখোই, ঐখোয়গী লৈজবা হায়ববু শীংজু চামিন্নসি শীংজু শুরুসি হায়না লৈশাবী অহুম্ চঙশ্রে মদুদা লুরাং তোইবী লৈমাশু য়াওশ্রে, ময়ামদু শীংজু মথেল্ ঙাইদুনা লৈহৌই, মরক্ অসিদা মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবদো নুজা মাবু চাননা য়েংজবশু ঙমদা নুজা মানা লৈবা মাইকৈদা লোন্না-লোন্না য়েংলক্লে, ইমুংদগী লৈশাবী অমনা য়েংথোরক্পদা মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবগা মিৎচানরুরে মিৎচানবদা লৈশাবীনা হো মোইবাং ইবুং লোন্না-লোন্না য়েংদ্রবসু শংলৌ মথেল্ শোইবদুম্ খবা পাংবিবোলাও হায়না হাযবক্লবদা ঙাংঙোই অহোংবদো হান্ননা নুজা মাগী নাক্তা চংনিংঙম্বগা মতা চানরদুনা ইহে চুম্মীনহে ময়ামগী চাননবা হোৎনবদা মী খরতনা হোৎনরবদি ব্নাবগনি ঐসু যাওবীগে হায়দুনা ঙাংঙোইদো ফমফম্লাংদগী হেক্ হৌগৎলক্লবদা অহল্ অদুনা হোই-হোই ইবুংঙো খরা পাংবীরুচো হায়নরিবনি অহলশিংনা পাখংগা লৈশাবীগা, ঙানুগা খোংবানগা ইবুংঙোখোই নখোইগী নতৌসি উবদা ঐশু ইঙাওবু ঙাওরেদা ফুশাববু পুক্লিং চংদ্রেদা থায়নগীদু নীংশিংলক্ইদা। মরকসিদা মাতগা য়াওরবদি ঐগী নীংবসে মপুং ফাগদবনি মাশু তাঞ্জা খঙখিদ্রে লাইমা অসি হায়না ফাগী তৌরক্লবদা ময়াম্ হৌদুনা নোক্মিন্নবা, মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবাদো ইকাই ইকাইনা লৈশাবীশিংগী নাক্তা চংশ্রে, লৈশাবী অমনা মোইবাং ইবুং শংলৌ মথেল্ শোইবা য়াওদ্রবসু য়াইয়ে লোন্না-লোন্না ইবুংনা য়েংবা অদুদা হায়জবনি ঐখোয় শেম্জগে কুম্মৈ য়েংবীয়ু হায়দুনা ফাল্ অমা পীদুনা ফম্হললে, ঙাংঙোইশু ঐশু য়াওগেদা নুংঙাইতে হায়দুনা মথেল্ শোইবা

য়াওরেদো ঙাংঙোইনা মথেল্ শোইবা য়াওরবদা লৈশাবী অনি অদু ফরে অদুদি নখোই অনিনা মথেল্ শোইরো অদুগা ঐখোয় অনীনা মোরোক্ অদুগা মরোই-মপাং শেম্মগে হায়না লৈশাবী অনী অদু মথেল্ শোইবা তোক্খ্রে, তাঞ্জা ফংলদুনা ঙাংঙোইনা শানৌ ইবেম্মা নংবু চাইরেল্ পন্থৌ কনানা পোক্পনো কোলোয়না করি কৌবগে লৈবাংগী অরোনবা খোইমু লৈখ্রবরা হায়না চিংগোই পাওহংলবদা লুব্রাং তোইবী লৈমনা মোইরাং ইবুং পন্থৌগী কোলোইনা চাইরেল্ য়াওশুবাক্পনে ঐগী কোলোইনা লুব্রাং তোইবী লৈমা কৌই, অদুগা লৈরাংগী অরোনবা খোইমু কনা লৈজদে, অসি হায়না পাওখুম্লবদা ঙাংঙোইনা পাখঙ্ পুক্লিং খোইদাজবী লৈরাং নংবু হেক্চরগা পাখঙ্ নাপ্পদা চিন্জগে হায়ববু নিংঙোল্ পুক্লিং চিংনবরা হায়না হংলক্লবদা মোইরাং ইবুং ঐগী পুক্লিংগী ব্রাবুদি খঙবা য়াখিবোইয়ে ইবুংবু মোইরাং পন্থৌ কনাগী মপারীনো অদুগা কোলোইনা করি কৌবগে হায়না হায়রবদা, ঙাংঙোইনা শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী পাখঙগী কোলোইনা মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবা কৌইদো অদুগা পাখঙ্বু পোকপা পন্থৌদি মপু মোইরাং নিংথৌনি, নিংঙোলগী যাৱা ফিগৈ শেংউদা অসি হায়রবদা কবি ব্রানোদা মোইবাং ইবুং ঙসি নোংদা শক্খঙনবা ইবুংদা কবম্মা নিংঙোল পুক্লিং শীন্নগনি নিঙোল্ পোক্পী পন্থৌ মাদি পাইমা লিংজেল্ খাবনি পন্থৌগী যাৱা মপাও তুংইন্না নিংঙোল থব্রাই কচ্চগে হায়না পাওখুমলবদা ঙসাইমখৈ তুমিন্না তারম্বী লৈশাবী অনী অদু ফাক-ফাক্ নোক্লক্লে, নখোই অনীবু য়ানরবদি ঐখোই অনিনা অমানা পলেম্ অমানা পন্থৌ শা লুহোংবীগে চীংনগনু হায়না নখোই অনিদি শীংজু মথেলদি শোইদ্রে অদুগা থমোই থমোই কংথোক্লরে ফরে লাকও মপান্দা খোক্লসে ময়াম্ পুন্না তোংলুরসি হায়না মথেল্ পুথোক্খ্রে, মখোয় পুন্না থোরক্তুনা ফমখ্রে ইমুংগী লাংবা অদু তাদুনা নুপী অহল্ অদুনা ঙাইখো নখোয়না ইমুংদা লাংইবদো কবিগীনো লৈশা পাখঙ ব্রাংপা য়াওরবরা ? ঐ নুংশা থীরক্লে পাখঙ্ লৈশাবী মশীং থীহৌদবা য়াদে হান্না ব্রাংখিবনা ব্রাংখ্রে অকোনবা অসিদদি মশীং ব্রাংলবদি শোইদে ঐবু ইরু কোকথোক্পা অসি হায়না ফাগী তৌরক্লবদা ময়াম হৌনা নোক্মিন্নৈ ময়াম্ পুন্না শিংজু চামিন্নবা লোইরদুনা নুমিৎ চীংয়া থাংলক্পা কোরৌনা মমি শাক্লক্পা পোম্বী চেক্লানা মহুমনুংদা হল্লক্পা অশুক্ঙৈগী কাল্সিদা মোইরাং পাখঙ্ মখৈদো নুপী অহল অদু য়েংদুনা ইমা

ঐখোয় ইয়ুম মোইরাং য়ৌগ্রগে, হয়েং অমুক্ লাক্কেকো ইমা ঃ হায়না হায়রবদা নুপী অহল অদুনা ফরে ইবুংঙোখোই য়ৌগ্রো অদুগা হয়েংদি অমুক্ লাক্লগনু নখোই লাক্লগা লৈশাশিংসে থবক্তা পুক্লিং চংদ্রেদো। থবক্তা পুক্লিং চংদবদি লাইদো লৈশা মশীং ৱাৎকনি চীংনরেনে অসিননি ইমানা হয়েং লাক্অগনু হায়রিবসে হায়রবদা, পাখঙ্ অমনা অদুগী ৱাবুদি ইমা ঐখোয়গীশু পাখঙ মশীং ৱাৎকনি ইমাখোয়গীতা নত্তেদা অসুম্না নোক্লদুনা বীদাই তৌনদুনা পাখঙ্ মখৈ অদু ময়ুম মোইরাং পাংলক্লে, অসোমদনা কম্দৌরী লুৱাং তোইবী লৈমদো মথংলেন্ ঙাংঙোইগা নুংশি মিৎচানরুবা পাইমা নুংদা খোইদজবা পাখঙ্না চৎখিবা মাইকেদো মিৎপু কুপত ঙাইহাক্তং য়েংজেদো ফোংনা য়েংজবসু ঙমজদে নুজাগী মপোক্ ইকাই থীবনা অসুম্না মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবসু মরোই মনাও লোয়ননা ময়ুম মোংবা মরান্য়াই য়ৌখিদো ময়ুম্ লমদম্ য়ৌরবদা ঙাংঙোই অহোংবনা মরোই মনাও য়েংনা হয়েং ইনুং ঙাল্লগা তরা চাক্ঙন্ চাদুনা চক্পা চাইরেল্ লমদমদা থাংগ লৈকাই কোইরুসি অসুম্ হায়নদুনা ময়ুম্ ময়ুম্ চংনখি, মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবদো ঙসিদি নুংত্তিগা মান্নদে, মাগী মাইথোংদা খোইরুম্ মোমোন্তা নোক্নিংই উরুবা পোৎশক্ খুদিংমক ইনৌত মনৌই অশুম্না তৌবা মাল্লে শাবী-শানৌগী পুন্সিদি, অসুম্না ঙাংঙোইদো নুমিদাংগী তবা লুকোই মথেল্ হৌবেদো চাক্লুক্মাংদা থা তরাগী মথেল্ কয়ানি, অদুবু ঙসিদি তরা চাক্পু থোইনা চাদ্রেদো চখোম্ অমা-অনী হুপলগা ঈশিং খরা থক্লগা তোকখ্রে, মচাগীদমক্ ৱাজরবী পলেম্ ওইবী মমানা ইবুংঙো নংবু ঙসিদি তরাগী চফম্ ফানা চাদববু হেদো নাহে তম্ববা কোক্পানথোংবু চীক্পরা হায়না হংলবদা ঙাংঙোইনা পলেম্ য়েংনা ইমা ঐ কৈশু তৌদেয়ে ঙসাই কোরৌ মৈশা খাংবদা অচোই-অপা খরা চাশিনখ্রে অদুননি হায়রবদা পলেম্ ওইবী মহাক্শু চুম্মবোই নীংদুনা মচানা চারম্বগী লুখাক্ শেংদোক্লুনা নুমিদাংগী থবক্ লোইশিন্দুনা তুম্নবা থৌবাং তৌখ্রে। ঙাংঙোইশু মাগী তুমফম্ কাদা চংদুনা তুম্নবা থৌরাং তৌখ্রে, ঙাংঙোইদো খোমলেন্ তুমখুন্ হুনগে খন্না তুমথজবনি, অদুবু অঙক্পনি খোমলেন্ তুমখুন্ হল্লুবদি হায়রুনু ৱাখলগী মংলান্দা তাউরক্লে, মাগী নুংশি মিৎয়েংদো, মোমোন নোক্পা মিনোক্তো তাম্না মানবী মখোনজেল্ হায়খিবদো মহাক্না পঙ্খৌ পাইমা লিংজেল্ খাবনি পঙ্খৌ য়াৱা তুংইন্না নিংঙোল্ থৱাই কৎকনি,

চাইরেল্ মোইরাং অনীগী মমাংগী ৱারী নীংশিংলক্‌ই, মোইরাং ফমনাইবা অমদগী তাখিবা ৱারীদু, করিগুম্বা চাইরেল্ অঙম্বা মানা হান্নগী মোলোমদগী পম্হৌ মফমদা পীরক্‌তবা থোক্‌লবদি, অসি ৱাবু খল্লুবা ঙাংঙোইদো খোমলেন্ য়াতাবা য়াখিদে, ইনুং ঙানববু ঙাইরক্‌ই তুম্মগে খন্না মিৎপু উইশিল্লি, অদুবু তুম্‌থবদি ইয়া য়াদেদো ৱাখল্‌গী মংলানদো তোক্‌পা লৈতে তৎতনা লক্‌নররি ঙাংঙোইবু, খোমলেন্ তুমখুন্ হুনবা য়াদা অহিং তাংলৌ অথেংবা নোংয়াই ইচিক্ হুল্লক্‌লবদা ঙাংঙোইদো তুম্নলম্বদগী মপাল্ থোরক্‌লে ফাইরেন থাগী থামৈনি লমতা থাগী থায়াইনি, নোংয়াই ইচিক হুল্লক্‌পা নোংঙাল্লমদাই থাজনা নোংচুপ্ চীংয়া থাংলক্‌পা লিরি শিৎপা মালংনা হৈনম-লৈনম্ পুরক্‌পা নীংবা কাইরবা শাবী-শানৌগী থোইনা হেন্না মৈচাক্ হাপ্‌ইদো নুংশি মৈশা লাংলবা ঙাংঙোইদো তৌফম খঙদা অথাপ্পদা মিৎয়েং থমলক্‌ই, অরাপ্পদা লমজাও লামমৈ চাক্‌পবু উরগা লমজাও খোন্না চাক্লিবা অরাপ্পাগী লাম্মৈ নহাক্তি অহিং তাংলৌ থেঙলক্‌অগা নোংমদোল্ লিক্লা তারক্লগা (নাদোম্ মুৎকনিদো পাখং থম্মোয়দা চাক্লিবা নুংশি মৈচাক্‌সিদি অহিং তাংলৌ লৈনা থেংলক্লগা নোংদোল্ লিক্লা তারক্লগা) থোইনা অহোইনৈদো অশুম্না ঙাংঙোইদো ইনুং মাবু ঙানবদো ৱানা ঙাইখিদো, অমারোমদনা কমদৌরি ঙাংঙোই মাতা নত্তেদো লুৱাং তোইবী লৈমশু ইনুং মাবু ঙানবদো থোইনা ৱানা খাঙজখি, মানা ঙসাই হায়খিবা য়াৱাদো তম্বা ওইবা মহৌশা অশাওবনা মরম ওই নুজা নাক্তা খোংদোইরক্‌লরোইদ্রা ৱাজৈদো অশুম্না তোইবী লৈমাশু ইনুং মাবু ঙানখিবা খঙহৌদে মথংলেন ৱাখল্ খল্লিঙৈ অসুম্না ৱানা লেনখিবা অহিংদো হৌখ্রে, তাইবং মিকপ্‌নরেদো, লুৱাং তোইবী লৈমাশু তাইবং শিম্হাদা পুক্লিং চংলেদো, নাকল্ অমরোম্‌দনা মোইরাং ঙাংঙোইদো তরাগী চাক্‌ঙন্ চাদুনা মরোই-মনাও লোইননা চাইরেল্ লমদম্ য়ৌরক্‌লে ঙরাংগী ফুশা খুলংদো পম্হৌ য়াওশুরাক্‌পা মাংগোন্দা অদুম্মক্ পুল্লমই, ঙসিদি ঙস্তা য়ৌরকপদা লুৱাং তোইবী লৈমদো পুক্লিংদা খরা হ্রাওজৈ ঙরাংদগী ঙসিনা নুজাদো থৌরম্ পাংবা হেল্লিদো চুমথাং ফক্‌পু পীরেদো মোইরাং ইবুং অঙম্বাখোই ফমফমলাংদবু ফম্বীয়ু হায়না ফিদা পিরবদা মোইরাং পাখঙ্‌শিং পুন্না ফমমেদো নুপী অহল্ অদুনা করমনো ইবুংঙোখোই ঙরাংতা ঐনা লাক্‌অগনু হায়রগা ঙসি ঙস্তা খোংদোইরক্‌উ হায়বগুম্ থোক্‌লেদো, চাইরেল্ মোইরাং

অনিসে ঙাই-সেনবু ওইবদা লৈপাক্ ব্রাথোক্‌পু ওইখিবা মমাংগী ব্রারিবু নীংশিংউ হায়রবদা ঙাংঙোই অহোংবনা তাবীয়ুনে পলেমও ! মমাংগী কয়া তাজরে অদুবু মানা-মানা তৌজবনা মানা-মানা ফংজবনি অসি ব্রাবু হায়না ব্রারী শানা-শানা তোইবী লৈমদো থাংগ খুদোং পীরেদো লোন্না-লোন্না মীৎচনৈ, খোইরুম মোমোন্তা মীনোক্‌নৈ অসুম্না হরাও মথোই কা নুংশি নুংওন্ ব্রারী কয়া শা, ঙসিশু ঙরাংগুম্ শংলৌ শীংজু মথেল্ চামিন্না পুক্লিং ব্রাবু ফোংদোক্‌নৈদো অসুম্না ঙাংন ঐগী পুন্সিগী অহানবা যৌবনগী পুন্সিদা নুজা নংবু মিৎচানরুবা পাখঙ্ ঐদি পোথাফমবু খঙদ্রেনে নুজাগী পুক্লিং ব্রাবু শেংউদা অসুম্না কোলোই পাওহুংলবদা তোইবী লৈমনা শাবী থংলেন মানজ পাম্মুবা পাখং নংতা নঙ্গেনে নোংদমগী লাইবক্ থীবী ঐহাক্‌শু থংলেন নংগা মিৎচানরুবা নুমিৎতগী নিংঙোল ঐহাকশু পাইমা পুক্লিং লৈতদে অদুবুনে পাম্মুবা নিঙঙোল্ পোক্‌পী পঙ্খৌদি পাইমা লিংজেল্ খাবনি, চাইরেল্ মোইরাং অনীগী মমাংগী ব্রাবু নীংশিংউদো করিগুম্বদা পঙ্খৌ পুক্লিং খঙদনা নিংঙোল্ থব্রাই কৎলবা খাইনা মৈশা লাংগনি, মরমসিনা পাখঙ্ নফমদা নিঙোল্ থব্রাই কৎঙমদে পাখঙনা নিঙোলবু নুংশিবীবা লৈরবা পঙ্খৌ মকাদা চঙবীয়ু নোঞ্জ নতৌ উৎপিয়ু নত্তবদি নিঙোল্ থব্রাই কৎঙম্লোই অশুম্না কোলোইগী মপাও মেনজৈদো নিঙোল্ পুক্লিং ব্রাবু খঙলবদা শংলৌ শীংজু মথেল্ চামিন্ন হরাও মথোই কামিন্না অনীদো লোন্না-লোন্না মিৎচানৈ অসুম্না মতমনা হৌখিবনা নুমিদাংব্রাইরমগী তাঞ্জা ওইরেদো মশানৌ মাবু বীদাই তৌরগা ময়ুমগী মোংবা মরানয়াই পাংখিদো, নিঙোল্ তোইবী লৈমাশু মথংলেন্ মানা চৎখিবা হুরানদুনা লোন্না য়েংজহৌই তোইবী লৈমদো নুমিদাংগী থৌদা পুক্লিং চংদুনা তৌগদবা মথৌ লোইখরে তুম্মগে হায়দুনা নিঙোল্ কাদা চংখ্রে যৌবোনগী মথোৎ কারক্‌পা মতম্ ওইবনা শাবী-শানৌ অনিসি, চীংঙু-খোইয়ুম্ অনীগী মপোক্ লাংওন্ কাওনরেদো নুংশি ইপাক্‌তা ঈরাক্লরেদো, খোমলেন্ মাবু ফংঙম্‌দা তাইবং মপোক্ করম্ লেন্‌সিগে পঙ্খৌ মাগী ব্রাখলদা থংলেন মাবু খোইদাদরবা নিংঙোল্ পুন্সি করম্ লেন্‌গনি, অসুম্না তোইবী লৈমদো ব্রাখলদা ইরাক্লা কোরৌ মশিং পানা মথংলেন্ পোইরৈ য়েংজখি, অসোমদনা কমদৌরি ঙাংঙোই অহোংবদো ঙাওচৎনবা পাংখক্‌নি, তুম্মে তুম্না, চারে চানা নিংঙোল্ মাবু কাওঙম্‌দা পঙ্খৌ মকাদা ফোংসি ফোংঙমদা ঙাংঙোইদো পাখঙ্


শিঙ্দা পুক্লিংবু চংদ্রেদো ঙাংঙোই মতৌবু উবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা মরোই মনাওগা ৱাবু তানরেদো ঙাংঙোই খোংলোইদগী খংলেদো চক্‌পা চাইরেল্ য়াওশুরাক্‌পা মমোম্ মশুংলাংগীবু ৱাবনে লুৱাং তোইবী লৈমা মাবুনগুনা ঙাংঙোইদি লৈমা ফম্বাল লাংলরোই তালোই তুংইন্ তমলরোই অসি ৱাবু হায়না থাংজিং লাইমাংদা থাংলেন্ মখুৎশু চিক্ল শরি পন্দোল্ লোমখ্রে হায়না ঙাংঙোই খোঙ্‌লোইদগী খঙলেদো, মপু মোইরাং নিংথৌনা মপারীগী পুক্লিং ৱাবু খঙলবদা লৈপাক্কী ফম্নাইবা অঙম্বশিংগা ৱাবু তানরেদো চক্‌পা চাইরেল্ লমদমদা য়াওশুরাক্‌পা মমোমবু নিরুসি হায়না লেপ্নরেদো, কোরৌগী অফবা অমদা মোইরাং নিংথৌদো লৈপাক্কী ফম্নাইবা অঙম্বশিং লোইননা পোইরৈ চাইরেল্ লমদমদা লৈমা মাবু নিবা লাক্‌লেদো, মোইরাং ময়াম্ উরবদা য়াওশুরাক্‌পনা কলোইগী মপাও লাওনা হংলক্‌লে, অৱাং পোইরৈ মৈতৈরা ? খুমন্‌লা, মোইরাংলা কনানো চক্‌পা চাইরেল্ থক্তা লান্দবরা হুয়েন্ লানশিংনবরা হায়না পাওহংলবদা মোইরাং নিংথৌনা পাথৌ য়াওশুরাক্‌পা অশাও খাম্বী মৈবু মুৎলুদা মোইরাং প্রজা ঐখোয়নে চক্‌পা চাইরেলদা হুইয়েন্ লান্দরোইয়ে হুইয়েনগী লান্‌শিংনবা নত্তেয়ে পাথৌ নফমদা নুংওন্ ৱারী শানিংদুনা চাইরেল্ নবমদম্ পাংলক্‌পনি, অসুম্না পাওখুম্‌খিদো চাইরেল নিংথৌ মচিন্-মনাওনা অথেন্ পোৎকা লোইননা মোইরাং প্রজা ওক্‌খিদো, চাইরেল্ মোইবাং অনীদো য়াওফুরাক্‌পা কোনুংদা তাংবল্ পীনা ফম্‌মিন্নে, নুংঙোল্ ৱারী শামিন্নে মপু মোইবাং নিংথৌনা চাইরেল্ নিংথৌ য়েংদুনা অসুম্না কোলোইগী মপাও মেনলক্‌ই তাবিয়ুনে পাথৌ মরুপ্ মাঙগী ৱারীবু কাওথোক্লা নামোমগী লাংলেন্ ইবেম্মা লুৱাং তোইবী লৈমসে, পারী ঙাংঙোই অহোংবদা খরাইথক্তা লৈহাপ্ লৈরোং লাইদ কৎপগুম্ নিংঙোল্ মাবু চক্‌পা নফমদা নিজগে মোইরাং প্রজা লাক্‌চবনি, পাথৌ নফমদা কৈখা নোনবগুম্ চঙজরী অসি ৱাবু তাবদা চাইরেল্ নিংথৌ য়াওফুরাক্‌পনা তাবীয়ুনে পাথৌ চাইরেল্ মোইরাং অনিসে মমাংগী ৱাবু নিংশিংইদো শানৌ মাগী ৱাবু তাখিসি হায়রক্‌লবদা য়াওশুরাক্‌পানা য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা মমাংথক্কী ৱারীদা ইমোম্‌গী য়াৱা তাদনা ঙানবা মঙোন্দা ইমোমবু শীন্নরুবা ইমোম্‌গী পুন্সি লোমদনা পুন্সি খমখিদো মরম্ অসিনা য়াম্বুং অনীগী নফমদা ননাওনা হায়জনিংবদি, ইমোম্ য়াৱা মপাও তাদনা ঙম্মী হায়দুনা কোক্ হেক্

শীথোক্পা অচুম্ববু ওইরোইয়ে হয়েং ইনুং ঙানবদা নমোমগী য়াব্রা মপাও তারগা নিংথৌ অনি লেপ্পবীবনা ফগদ্রা খনজেদো অসুম্না কোলোইগী মপাও তম্লবদা চাইরেল্ মোইরাং পুন্নমক্না চুম্মী হায়না য়ানরে, অরৈববু পুথোক্কুনা চার্মিন্নে, নিংথৌ অনি নুংশি খুদোল্ তমনৈদো কোরৌ মানা চাইরক্লবদা মোইরাং নিংথৌনা শানৌ য়াওশুরাক্পা নফমদা ঙসিগা থানা কোরৌগী নিনিশুবদা মোইরাং তম্বা অনি থারক্কে মদুদা অরোইবা ব্রাবু লেপ্পসি অসি হায়নদুনা চাইরেল্ মখৈনা মোইরাং প্রজা থিনদোক্খ্রেদো। অশুম্না মোইরাং মখৈনা চংখ্রবদা য়াওশুরাক্পনা মাগী তালোয় য়েংনা মমোমগী পুক্লিংগী ব্রাবু খঙনবা হায়খ্রেদো পালেম্ ওইবী মহাক্না মমোম্গী কোলোই মপাও লৌখ্রেদো ইমাগী ইমোম্ ইবেম্মা পাখঙ্ কনাগা লৈরাং লোনজিন্না হৈরাং লোনজানবা য়াওবরা ইমাদা কোলোইগী য়াব্রা শেংউদা অসুম্না পাওহংলবদা, নিংঙোলগী কনা লৈতবনা পলেমদা খঙহনলে, মমোমগী পুক্লিং ব্রাবু খঙলবদা পম্বৌ য়াওশুরাক্পদা মমোম্গী য়াব্রা মপাও খঙহনখ্রেদো কোবৌ নিনি শুবদা মোইরাং অঙম্বা অনিনা চাইরেল্ লমদম্ পাংলক্তুনা পুক্লিংগী ব্রাবু খঙনবে, কোরৌগী অফবা য়েংলেদো ঙসিগা থানা কোবৌগী মঙানি শুবদা অওং অউন্ তম্ লুহোংলসি লেপ্পদুনা কোরৌগী মঙানি শুবদা, চাম্মা-চাম্মানা খুজিং ওইদুনা লুব্রাং তোইবী লৈমা মাবু থীনখ্রেদো চাইরেল্ মোইরাং অনীদো নত্ত শাজং চৎলবা নিংঙোল্ পাখঙ্ অনিনা মরাল্ লৈবা মহাক্তু তাংজ লুরেল্ কক্লসি লাল্লু চোমাই ফক্লসি অসুম্না ব্রারেপ্পখিদো অসুম্না লুব্রাং তোইবী লৈমা লুহোংখ্রবদা চাইরেল্ মোইবাং অনীদো মতম খরা অমুক্ ইংনা পাল্লেদো নিংথৌ অনিদো অব্রাৎ অপা মেন্নদুনা চান্না চিন্ননা লৈমিন্নরেদো অসুম্না লৈমিন্নরক্পানা চীংঙু খোইয়ুম্ অনীগী লিল্লানি তাইবং কনা খঙ্ঙম্দবা, চীংঙু খোইয়ুম্ মানা লীল্লা শান্নগে হায়দুনা অয়াং লৈমা পাম্হোইবী মানা চীংঙুগী লীল্লা চাউহন্গে খোইয়ুমগী লীল্লা শাংহনগে হায়দুনা কবো পাদামদোং তাশাবানা পোইবৈতোন্ খুম্হোক্পদা য়াওবা লৈশেমলোন্ ফিগা মান্নবা চরৈগী ফি অহেনবা অমবু হৌবদা অয়াং লৈমা পাম্হোইবী য়াওনা চরৈ অহেনববু হৌবা য়াওখ্রেদো, চরৈ ফি অসিদি নিংথৌ ওইবনা শেংলগা হুইয়েল্ লানহৌ ফিনে, লৈবাক্ কাযয়ু হায়বা লৈবা চরৈনে চরৈসিবু শাবদা কবো তা-শাবানা লৈপাক্ নিংথৌদা য়োনগে খন্ শারম্ ১০৮ য়েকইদো ঙারম্বু

১০৮ য়েক্‌ইদো অসুম্না চরৈসিবু শাবদা অয়াং লৈমা পাম্থোইবী মাবু য়াওখ্রেদো কবো তাশাবনা চরৈসিবু শাবা লোইরদুনা পোইরৈ কবো নিংথৌ মফমদা পুদুনা চরৈসিবু লৌবিয়ু হায়না মনতিক্লরুরে কবো নিংথৌনা চরৈসিবু য়েংলগা তম্বা নংগী চরৈসিদি হুইয়েন্-লানহৌ ফিনে লৈবাক্‌পু কাইয়ু হায়বা লৈদো নিংথৌ ওইবা কনানা চরৈসিবু শেংঙম্‌লোইয়ে হায়না তাক্‌পিরবদা, কবো পাদাম্‌দোং তাশাবাদো নীংববুদি কাইরেদো, অয়াং লৈমা পাম্থোইবী তাশাবগী পুক্লিংদা চংলেদো পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্‌তা অকন্‌বা নিংথৌ ময়াম পাল্লিদো মরমসিনা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা চরৈসিবু য়োনগেদো হায়না মপুক্লিং লেপ্‌লেদো কোরৌগী অফবা অমাদা কবো তাশাবদো তরা চাক্‌ঙন্ চাদুনা পোইরৈ মৈতৈ তম্‌পাক্ য়ৌরক্‌খি, মৈতৈ তম্‌পাক্ য়ৌরক্‌লগা মৈতৈ নিংথৌ কোনুং পাংলক্‌লে, মৈতৈ কোনুং য়ৌবক্‌লবদা মৈতৈ নিংথৌ য়েংদুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো চরৈ ফি অমবু ইনিংথৌদা য়োনজগে পুজবক্‌লি হায়না হঙ্গৎলবদা মৈতৈ নিংথৌনা তম্বা নংবু পোইরৈ কৈদগীনো নংগী চরৈ অদুশু য়েংসি হাযবক্‌লবদা কবো তম্বা অদুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইদি পোইরৈ অরা লৈবাক্তগীনি, চরৈ ফিসি মিৎয়েং তাবীবো হায়দুনা ফিবু পিদুনা য়েংহল্লে, চরৈ ফিবু তিংথোক্‌তুনা মিৎয়েং তারেদো চরৈ মাবু য়েংবদা থোইনা ঙক্‌ইদো চরৈ ফিনা মঙাল্ নাইবা চরৈ মাবু ফিজিন্ পাইনা কন্‌বদা যুগিনি নোংথাং কুপগুম্বা চরৈ মাবু য়েংবদা নিংথৌগী পুক্লিং খোইদাইদো, চরৈ মাবু য়েংলগা খঙ্‌লেদো লৈবাক্কী মপু ওইবনা শেৎলবা লৈপাক্ কাইয়ু হায়বা লৈবদো, কবো তম্বা য়েংদুনা তম্বা নংগী ফিসিদি নিংথৌ ওইবা কনানা চরৈসিবু শেৎঙমলোইযে লৈবাক্কী মপু ওইবনা শেৎলবদি লৈবাক্ কাযযু হায়বা লৈযে হুইয়েন্ লালহৌফিনে, নংগী চরৈসিবু লৌঙমগদবা নিংথৌদি পোইরৈ খুমন্ নিংথৌদা পোইরৈ মোইরাং নিংথৌদা চরৈসিবু মন্‌তিক্‌নরুদা হায়বক্‌লবদা ইনুং অদুবু লেল্লগা অযুক্কী য়েন্দা অঙন্‌বদা পোইরৈ খুমন্ মাইকৈ পাংলক্‌ইদা, খুমন্‌গী কোনুং য়ৌবক্লবদা খুমন্ নিংথৌনা তম্বা নংবু পোইরৈ কৈদগীনো, করি মরমগীদমক্ খুমন্ নিংথৌ ইকা তমলক্‌পনোদা কলোইগী নপাউ শেংউদা হায়রক্লবদা কবো পাদাম্‌দোংনা তাবীযুনে ইনিংথৌ ঐদি পোইরৈ অরা লৈবাক্তগীনে চরৈ অহেনবা অমবু পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা মন্‌তিক্লগে লাক্‌চবনি, চরৈসি মৈতৈ নিংথৌনা শেৎঙম্‌দ্রেদো পোইরৈ খুমনদা, মোইরাংদা

মন্‌তিক্লরু তাক্‌পিরক্‌ই, মরমসিনা নিংথৌ নাকা তমলক্‌পনিদা অসি ব্রাবু হায়রবদা খুমন্‌ নিংথৌনা নংগী চৰে অদুবু য়েংগেদো হায়রবদা ইনিংথৌ মিৎয়েং তাবীয়ু হায়না চৰে মাবু পীরেদো চৰে মাবু তিংথোক্লা য়েংবদা চৰে মানা মংঙান্‌ নাইবা শাছবা, ঙাছবা য়েক্‌পবু উরগা খুমন্‌ নিংথৌ ঙক্‌ইদো চরৈগী ছিত্র থিবক্‌লে, চীংঙু মক্কা মান্নবা খুমন্‌ নিংথৌনা চরৈগী ছিত্র খঙলেদো কবো নিপা য়েংদুনা, তম্বা নংগী চরৈসিদি নিংথৌ ঐদি শেৎঙমলোইয়ে, পোইবৈ মোইরাং নিংথৌদা চরৈসিবু মনতিক্লরুদা, চরৈসিনা মরম ওই লৈবাক কাইগনিদা ব্রারম অসি লৈবনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌনা চরৈসিবু লৌঙমদবনিদা অসি ব্রাবু হায়রবদা, ইনুং অদুবু খুমনগী কোনুংদা লেনখিদো, ইনুং মানা ঙাল্লবদা অব্রা-তম্বা অদু খুমন নিংথৌ মফমদগী বীদাই লৌরগা পোইরৈ মোইবাং লমদম্‌ পাংলকইদো মোইরাং কোনুং য়ৌরবদা মোইরাং নিংথৌ খুরুমনা, ইনিংথৌ ইবুংঙো চৰে অহেনবা অমবু পুজরকলি হায়না হঙ্গৎলবদা মোইবাং নিংথৌনা তম্বা নংবু পোইরৈ কৈদগীনো নংগী চরৈদুশু য়েংগেদা হায়রক্লবদা ইনিংথৌ ঐহাকতি পোইবৈ অব্রা লৈবাক্তগীনে ঐগীবু চরৈসে পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা চবৈসিবু মনতিক্লগে লাকচবনি, অদুবু চরৈসে মৈতৈ নিংথৌ কনানশু লৌঙমদেনে হায়ববদা চবৈ মাবু য়েংলেনে চৰে মাবু যেংবদা খঙলেনে লৈবাক্কী মপু ওইবনা চবৈ মাবু শেৎঙমদ্রিবগী মবমদু অব্রা নুপাদু যেংলগা নংগী চবৈসিদি ছিত্র চাউনা লৈদো মরমসিনা পোইবৈ মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌশিংনা লৌঙমদবনিদা নংগী চরৈসে লৌঙমগদবা নিংথৌদি চাইবেল্‌ নিংথৌ য়াওফুবাক্‌পা মাতানি. নিংথৌ মাতনদি চবৈসিবু শেৎঙমগনি হৈযাইপোক্‌ কোনুংদা চরৈসিবু য়োনজরু মানবু লৌঙমদ্রবদি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ কনানসু নংগী চরৈসে লৌরোইদো অসি ব্রাবু হায়রবদা অব্রা নুপাদো মোইরাং কোনুং থাদোক্লা পোইরৈ চাইবেল লমদমদা হৈয়াইপোক্‌ কোনুংদা পাংলকলেদো অসুম্না লাকপনা চাইবেল কোনুং য়ৌরকলেদো চাইরেল নিংথৌ য়াওফুরাকপা খুরুমজরেদো য়াওফুরাকপনা তম্বা নংবু পোইরৈ কৈদগীনো কবি মরমগীদমক্‌ য়াওফুরাকপা ইকা তমলকপনোদা হায়না হংলবদা অব্রা নিপা তাবীয়ুনে ইনিংথৌ ঐদি পোইরৈ অব্রা লৈপাক্তগীনে চৰে অহেনবা অমাবু শা, লৈপাক নিংথৌদা য়োনলগা মাগী মমলনা লাইরবা কোকনি খন্দুনা চরৈসিবু শাবনি পোইরৈ অব্রা নিংথৌনা অমদি পোইরৈ মৈতৈ

লুব্রাং সলাইনি ।



লৈবাক্কী নিংথৌ কনানা চবৈসিবু শেংঙমৃদ্রেদো চবৈসিবু শেংঙমদবগী মবমদি চবৈসিগী ছিত্র চাওইদো লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবনা শেংলবদি লৈবাক্পু কাইয়ু হায়বা লৈ হাযদো য়েক্লা হুইয়েন্ লান্খা থাগনি ব্রাইব শাখা থাগনি অসুম্না নিংথৌ অয়াম্বনা তাকপিবেদো পোইবৈ চাইবেল্ ইনিংথৌনা চবৈসিবু শেংঙদ্রবদি চবৈসিবু শেংঙম্বা কনা লৈবোই মালেমদা অসুম্না পোইবৈ নবমদম য়ৌবকপনিদো হায়ববদা য়াওফুবাকপনা তম্বা নংগী চবৈদু যেংসি হায়দুনা চবৈ মাবু য়েংলেদো চবৈ মাবু তিংথোক নিংথৌনা মিংয়েং তাবদা নিংথৌগী পুক্লিংদা খোইদবে, চবৈগী অচৌবা ছিত্রবু তাবদা য়াওফুবাকপা নিংথৌদো মনাও ইবুংঙো য়াওশুবাকপা কৌবেদো চবৈ মাবু য়েংহনলেদো ইযাম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা চবৈসিবু নয়াম্বা ঐগী পুক্লিংনা খৈনা পামলেদো মবমসিনা ইনাওগা খন্নবগা চবৈসিবু লৌগে খল্লিদো অসি ব্রাবু হাযববদা, য়াওশুবকপানা চবৈ মাবু মিংযেং তাবকলে চবৈগী অকুপ্পা ছিত্র যেংলকলে, চবৈ মাবু যেংবদা খঙলেদো অয়াং লৈমা পাম্হোইবী মানা থমলিবা অঙক্পা খুদমদো ময়াম্বা যেংনা কোলোযগী মপাও মেনজৈদো তাবিযুনে যাম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা চবৈসিগী অচৌবা ছিত্রবু লৈদো, লৈবাক্কী নিংথৌনা চবৈসিবু শেংলবা যেক্ল হুইযেন্ লানখা থাগনি, লৈবাক্ কায়যু হাযবা চীংঙু-খোইয়ুমগী অকুবা খুদমবু লৈদা ব্রাইব শাখা থাগনি চবৈসিদ্দি শেংহৈদবা ফিনি, অসি বাবু হাযববদা অযাং লৈমা পাম্হোইবী য়াওফুবাকপা নিংথৌগী পুক্লিংদা চংখ্রেদো, খোইয়ুম মানা চীংঙু লাল্লা চাউনবা চাইবেলগী বাবী শাংনবা চবৈ মাবু শাবদা অযাং লৈমা পাম্হোইবীনা (মাবু যাওবনিদা যাওফুবাক্পা পুক্লিংদা পাম্হোইবীনা) তোংলবদা নিংথৌ অফ ফত্ত কাওখ্রেদো মশানৌ য়েংনা কোলোহগী মপাও তমলকলেদো শানৌ ইবুংঙো নুংশিবা নয়াম্বা ঐনা নিংথৌ ওইজবতনি অকুবা শা লান্গী মতাং ওইববদি শানৌ নতিক্লী, শানৌ নপাল্ ফবিঙৈদা নযাম্বা ঐনা চবৈসিবু শেংঙমদ্রবা ঐনা নিংথৌ ওইবগী কবিবুদি কান্ননি, অসি ব্রাবু হায়ববদা যাওশুবাকপা মনাওদো, খোইয়ুমগী নোংদম্না কনখিবনা পাইমা পুক্লিং ওনখিদো, লৈবাক্কী অফ-ফত্ত থোক্কদববু অকুবা লাইগী চাংবু যেংদুনা খঙই হাইবগী চাইবেলশু কৌবনি, ফবে য়াম্বুং ইবুংঙো যাম্বুংনা পুক্লিংনা খৈনা মপামলবদি ননাও কবিবুদি হাযজদেদো যাম্বুংগী যাব্রা কোলোই শোইফদবা ননাও য়াজবোদো হাযববদা

য়াওফুবাকপা নিংথৌদো পুক্লিং হবাও মথোই কাবেদো অৱা নিপা য়েংদুনা তম্বা নংগী চবৈসিগী মমলনা কযা পীয়ু হাযবিবা হায়না তাকপিববদা কবো নিপনা, ইনিংথৌ ইবুংঙো চবৈগী মমল্‌ হাযজবোইযে, ইনিংথৌনা নোংদম্বীবা খবা ননাই যাজবে হাযববদা নিংথৌনা লিকোল্‌ ১০০ পুথোক্কুনা পীবেদো তম্বা ননিং থুংদবাবা ? হাযনা হংলবদা অৱা নিপানা ইনিংথৌ ইবুংঙো চবৈ ফিনা ৱাৎলেদো চবৈ ফিগী মমলনা হেল্লেদো অসুম্না অৱা নুপাদো ফিগী মমল্‌ পুদুনা পোইবৈ মযুম লমদম পাংখিদো, চবৈ মাবু যেংজবগা নিংথৌ পুক্লিং পেনজৈদো চবৈ মাবু খোইদাবনা খুদক্কুমক্তদা নিংথৌ চবৈদুবু থোল্লেনে। ইনুংদুবু ঙাল্লগা যাওশুবাকপা নিংথৌগী মনাওদো তবা চাক্‌ঙন চাবেদো হুইযেন্‌ লানগী চাংযেং যেংলুগে খোইযুম লাইপাও তাকগে খন্দুনা মযাম্বা যাওফুবাকপা নাক্তা লাকলেদো যাম্লুং ইবুংঙো নুংশিবা ঙসিনা কোবৌ নুমিত্তা লৈবাক্কী অফ-ফত্ত চাংবু যেংজকগে চীংঙু খোইযুম অনিবু থাগোন্নবমউদা হাযবকলবদা নিংথৌনা ইযাম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা চীংঙু লাইগী নোংদম্বু যেংউদা ইযাম্বশু চীংঙু খোইযুম অনিবু চেৎনা থাগোন্নবমগেদো অসুম্না মনাওবু মঙ্গল পীবিবেদো নিংথৌগী মনাও যাওশুবাকপাদো লাংগোই কাক তোংনা হুইযেন লানগী শাজোন্নি, মীৎনা কুপ্পাদা লোক্তক্‌ খোংবান্‌ যৌখিদো যাওশুবাকপা মাগী চাংযেং চীংবু কাবক্লেদো চাংয়েং চাংগা চীংথক্‌ যৌববদা লাংগোই শযাংশগী চোংথনা চীংঙু খোইযুম্‌ মিংখৈ শোন্না তিমেন্‌ তাগী খৌশাবোল ৯ বু শাবেদো খৌশাববু লোইবগা খুবাক্‌ অহমলব ফুবেদো. লোক্তাক্‌ ইথক্‌ হৌদ্রেদো, অহানবা চাংযেং মাইবু পাকত্রেদো অনাশুবদা চীংঙুমিংখৈ শোন্না খৌবু থেমলেদো খৌবু থেম্বদা লোক্তাক্কী চেক্লা শাযাম্‌ কাইদ্রেদো, তৌবিবা থৌদৌবু উবদা যাওশুবাকপা ঙকলেদো অবোইবা চাংবু যেংলকলেদো তিমেন্‌ মখুৎশু খৌশাবগা লংলক্‌লেদো তিমেন্‌ মখুৎশু থাজিং লাইমাঙ্‌ যৌঙমদ্রেদো, অহুমশুবা চাংযেংশু মাইবু পাক্‌ত্রেদো, চীংঙু খোইযুমগী অঙকপা চাংযেং মাইবু পাকত্রবাদা যাওশুবাকপদো লাংগোই কাক তোংনা তিমেন্‌ তাবু খোংগুন্‌ লিবকলেদো তিমেন মাবু ফুকলগা মযুম চাইবেল্‌ পাংলকলেদো মিৎনা কুপ্পদা চাইবেল লমদম্‌ হৈযাইপোক কোনুং যৌবকলেদো মযাম্লুং নাক্তা চংলক্‌লে কোলোইগী মপাও তম্লক্লেদো যাম্লুং ইবুংঙো নুংশিবা চীংঙু খোইযুমগী নোংদম্‌ অঙকপনি, অকবা লাইগী চাংবু য়েংবদা ননাওগী

মাইবু পাকত্রেনে য়াম্বুংগী পুক্লিংনা করম তৌবগে হায়রকলবদা য়াওফুরাকপা নিংথৌদো, শানৌ করি ব্রানোদা শানৌগী শোইফদ্রবা চাংয়েংদা চীংঙু খোইয়ুম অনীনা অঙকপা খুদমবু পিরবদা নয়াম্বনা করি অমুক হায়গনি য়েক্লা লানখা থা ব্রাইর শাখা থাগদবগী শরুকপুদি শীখিবনা হেন্না ফৈদো শানৌ নংনা অশুম্না ফৈ হায়বদো নয়াম্বা য়ারেদো হারকলেদো ময়াম্বাগী ব্রাবু তারবদা, অদুদি য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা ঐখোয়না পোইরৈ হৈয়াইপোকপীদা পানবসে য়াররোইয়ে, চীংঙু খোইয়ুম অনীগী অরুবা চাংয়েংদা ফত্তখুদম্ ফংলেদো মরমসিনা য়াম্বুংগী চীংঙু খোইয়ুম অনীনা লাংওনবা তেকপী ওকলেন অমদি কাইরৈ য়েনবা মাবু থাদুনা ঐখোয়গী অনৌবা খুন্দাফম্ অমবু য়েংবা পামলেদো নত্রবদি ঐখোইগী অফবা খুদমবু ফংদ্রেদো অসি ব্রাবু হায়রবদা নিংথৌ ময়াম্বনা মনাও য়েংনা শানৌ নংনা পাম্বদো নয়াম্বা করি হাযদেদো. অসুম্না নিংথৌ মচিন্ মনাওনা হৈযাইপোকপিদা চহি ৭০ মুক্ মৈতৈ কুমশিং ২৭৪০ ফাওবা পাল্লমলগা খুলহোংবা তাববদা চকপা চাইরেল্ নিংথৌ য়াওফুরাকপা, য়াওশুরাকপা মচিন-মনাওনা তেকপী ওকলেন মাবু কাইবৈ য়েনবা মাবু থীরকলে, (পাঠক্) নিংথৌ মচিন-মনাওগী ওক অমদি যেনবা অসি পাখঙবনা ওকলে, য়েনবানা পাম্থোইবী মানা লাওনবনে, অনী অসি হৌরকফম্বু খঙদবা নিংথৌগী ওককোল অমদি য়েনগোন্দা নুংতিগী যাইরেকপা শানি, যাওফুরাকপা নিংথৌ মচিন মনাওনদি চীংঙু খোইয়ুম অনীগী লাংওন্নে, হায়বা খঙইদো, মরম্সিননি নিংথৌগী মনাও যাওশুরাকপা মানা ওক্লা য়েনগা থাসি হায়না থীনরকলিবসে, চীংঙু খোইয়ুম অনীগী মশক ওইবা ওক্ অমদি য়েনবদি যাওশুরাকপানা চাংয়েং হনলকপা মতমদা লৈবা য়াদ্রে খঙদুনা হৌনদুনা চৎপাবুদি হৌথ্রেদো, কোরৌনা নোংচুপ চীংয়া থাংলকপা অসুক্কী তাঞ্জাসিদা নিংথৌ মচিন্ মনাওনা ওক অমদি য়েনবা লৈত্রবদা চাইরেল্ কংলা পুংজাও থিন্লেদো লৈবাক্ প্রজা চোন্না তিনলেদো, অরুবা ব্রাবু খন্নরকলেদো, য়াওশুরকপনা লৈবাক প্রজা য়েংনা কোলোইগী মপাও মেনলেদো তাবীয়ুনে প্রজা পুম্নমক্ ঐখোয় মফমসিদা লৈবা য়াদ্রেদো অরুবা চাংয়েংদা অমদি ওক্ য়েন্না খুদম্ পীরেদো মরমসিনা প্রজা পুম্নমক্ নংগী-নংগী থৌরাং লোইনরো, ঐখোয় ওক্লা য়েনগা অনীগী খোংগুন, লীদুনা চৎপা তাবে হায়নদুনা চাইরেল্ প্রজা পুম্নমক্ মাগী মাগী থৌরাং তৌনদুনা নোংপোক

পাংনা ওক্কী অমদি য়েনগী খোংগুন লীরকলে, কাইরে য়েনবা লাবা অসিদি ওক্না চৎপা লমদমদো ইন্নেদো মরক্ মরক্তা লৈবাক প্রজানা থীরকপদা খঙনবা হৌনা হৌনা খোংইদো, অসুম্না লৈবাক প্রজা হৌনদুনা ওক্কা য়েনগা থীনরকপসে হৌজিক্কী কুম্নীগী লাইবুংগী অরাং থংবা লমদমদুদা ওক্কা য়েনগা ফংলেদো মফমসিদা নোংলেন অহিংদুবু লেনলেনে নিংথৌ মচিন মনাওনা লৈবাক্ প্রজা লোইননা নোংলেন্ অহিংদুবু লেনলগা অয়ুক্কী য়েনদা অঙনবদা ওক্কা য়েনগদো মবুক থন্না পীজরেদো অদুগা নিংথৌ মনাও য়াওশুরাকপানা মিৎলু পিরাংগা লোইননা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো কালিকা অমদি ইমা পাম্হোইবী নখোয় অনিনা অশোই-অঙাম্ লৈরোইদবা মফমদা লৈবাক্ প্রজা পুবিয়ুকো হায়না নুংহিক্লানা পাওমেনলক্লেদো কোরৌনা হাইফেৎ কারকপা অসুকঙৈগী তাঞ্জদা ওক্কা য়েনগা অনীদো অমুক্ মখা পাংনা লাকলেদো লৈবাক প্রজা ইন্নেদো ওক্কা য়েনগনা মাংবু থাইদো অসুম্না লাকপনা হৌজিক্কী পাংঙন পোরা হায়রিবা লমদমসিদা কোরৌনা মমি শামখিদুনা অহল মখৈনা চৎপদা ব্রানরকতুনা অহিংদুবু লেনখি হায়দুনা পোরা অসুম্না কোলোই মিংথোনখিয়ে, পাঙন পোরা লমদমদা নোংলেন্ অহিংদুবু লেনলগা অমুক্কা ওক্কা য়েনগনা লাকপনা হাওরৈমখা পাংনা লাক্পনা হৌজিক্কীনা তাংজেং হায়রিবা লম্দম্দুগী মখা পাংনা শুগনুগী নাপৎ হায়রিবা লমদমসিদা ইম্ফাল তুরেল মপান্দা ঙাকৌ চিংজিন্দা ওক্কা য়েনগনা পোৎথারেদো মফমসিদা চাইরেল নিংথৌ মচিন মনাওদো লৈবাক্ প্রজা লোইননা পোৎথারেদো নোংলেন অহিং অদু লেনলগা ওক্কা য়েনগদো চৎতরেদো, ওক্কা য়েনগনা চৎতরবদা লৈবাক্ প্রজা খুন্দানবা শেম শানারো হায়না নিংথৌ মনাওনা তাকপিরেদো চাইরেল নিংথৌ য়াওফুরাকপদি পাইমা পুক্লিং নুংওল্লেনে তাইবং মপোক ওইবনা শানৌ মাগী য়াব্রাবু লৌরুদবনা লৈবাক্কী প্রজা ব্রারেদো, অসি ব্রাবু খল্লুবদা মশান্নৌ য়েংনা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো শানৌ নংবু নুংশিবা শানৌ নংগী ব্রাবু থৌওইরুদবনা লৈপাক্কী প্রজা ব্রারেদো, অসি ব্রারম্ লৈবনা নয়াম্বা ঐহাক্তি হাওরৈ মখা পাংনা খুন্দানবা মফম য়েংখ্রগেদো শানৌ নাক্তঃ লৈহৌনিংবা প্রজা মখৈ লৈহৌরসনু নয়াম্বগী তুংবু ইননিংবা মখৈনা ইললসনু হায়ববু শানৌ নংনা করি হায়বগে হায়না কোলোইগী মপাও হংলকলবদা নিংথৌগী মনাও য়াওশুরকপানা মিৎলু পিরাং ইরোইননা ময়াম্বুং

য়েংনা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা য়াম্বুংনা ঐগী ৱাবু লৌদবা নত্তেদো চীংঙু খোইয়ুম নোংদম্লা কনখিবনা চাকপা চাইরেলগী ৱারী শাংনবা খোইয়ুম মাগী নোংদম্লা নিংথৌ ইচিন্-ইনাওনা ৱাবনি য়াম্বুংনা তাকপিবা ননাও করি হায়জাদে, য়াম্বুংনা মফমসিদা পাললোই হায়রবদি, য়াম্বুংনা খোংমী লাম্মী অকনবা মখৈ পুখোদো, ননাওনা য়াম্বুংগী তুংবু ইনবদা খুদোং চাদবা মখৈদো ননাওগী শরুকপুদি ওইজগে য়াম্বুং ইচিন-ইনাওনা লৈবাক্পুদি অনি থোক্লবা অৱাবা তারবা মতমদা তেংবাংনসিকো হায়না নিংথৌ মচিন মনাওদো লেপ্লরে ঙাকৌ চিংজিন্দা নিংথৌ মচিন মনাওদো কোরৌগী নুমিৎ নিনি চুপ্পা খন্নরগা নিংথৌ য়াওফুরকপদো মাগী তুংবু ইনগদবা অকনবা খোংমী লাম্মী মখৈগা লোইননা হাওরে মখা পাংনা লাকপনা ইম্ফাল তুরেল তুংইন্না লাকপনা হৌজিক্কী ফুতপ হায়রিবা লমদমসিদা পাল্লেদো ফুতপ হায়বা অসি নিংথৌ মচিন মনাওগী মীনা চৎথোক চৎশিন্ তৌবদা চাক্ থোংনবা চফুবু তপ্থোকই হায়বগী অদু নোংদগী ফুতপ্ কৌবনি, অসোমদনা কমদৌবী ঙাকৌ চিংজিন্দা খুন্দাবা কুইদ্রিঙৈদা ৱাইরোকপা গুরুনা ৱাংব্রেন খানা চাওবনা মখা লমদম্ ঙাক্লনি, চৎখিবা পোইরৈ কদাই ফাওবা চৎখ্রবা য়েংগে হায়না ইম্ফাল তুবেল্ মবিন্দা ৱাইবোকপা গুকনা খোইবু চোপ্পুনা তুরেলগী অথেল অরু য়েংদুনা লাকইদো ৱাইবোকপা গুরু হায়বসি পোখংবনি মাগী হৌরকফম খঙদবা লোইখিবশু খঙদবনি, মানা তুবেল মরিন্দা খোইচোপ্পুনা লাকপদা চকপা চাইরেলনা খুন্দরিবা ঙাকৌ চিংজিন মপাদা তুরেল খুদা অনৌববু উবদা মফমসিদা খুন্দরিবসি কনানো হায়না হংবদা ৱাইরোকপা গুরুনা ঙারী পরেং অমবু তুরেলগী খুদা অদুগী মনাক্তা তেংগা অমদা য়াল্লগা হংলমইদো য়াওশুরাকপা তালোইনা মরোই মনাও লোইননা ইরুজবা লাকপদা ঙারী পরেং উরবদা য়াওশুরাকপা নিংথৌদা হংগৎপদা নিংথৌনা ৱাহংদুবু খঙলদুনা মাগী তলোই য়েংনা ঙারী পরেংদো লৌরুনু মানা লৈরিবা মফমদুদা লিলিখুম্ অনি অমনা চফু অমনা উয়ান অসুম্লা পাওখুমখি, ৱাইরোকপা গুরুনা অসুম্লা লাকপনা ইচুম তাবী চীংজিন্দা ইবুধৌ ৱাংব্রেন খানা চাওবনা মচুম তাদুনা লৈরমই হায়বগী ইচুম তাবী হায়না মীংথোনলমলগা ৱাইরোকপা গুরুদো ৱাকগৈ হীমাই ওন্দুনা হঙৎলকপদা চাইরেল্ নিংথৌগী পাওখুমদো ফংখিয়ে, গুরুনা করি খুননো

হাযনা ঙানা কৌদুনা হংখি হাযবগী ঙাকৌ হায়না থোনখিয়ে, চাইবেল নিংথৌনা পীবা পাওখুম্না ঐখোয চক্‌পা চাইবেলনি খুন্দাবিবসে হায়্‌না খুমবনি অসুম্না গুরুশু হন্‌খিদো চাইবেল্‌শু মতম খবা মফমসিদা পাল্লিদো মফমসিদা যাওশুবাকপনা পানবা মতমদা খুনজাও লৈচাওগদবা ব্রাপাল মাবু থাবা হৌখিদো বাপালনা ব্রাপল ফাখিদো অসুম্না মতম খবা চাইবেলদো ইংনা পাল্লিদো, চীংঙু মাগী লীল্লনি খোইযুম মাগী থৌশিলনি তাইবং কনা খঙঙমদবা, লোইবীচীংশাং খোংজাই মবাং হৌবেদো খোংজাই লানবু ঙাকপদা চকপা চাইবেলদো অব্রাবা ওইবেদো অহিং নুংথিল খঙদ্রেদো, তুম্বা চাবা মতম্বুদি নাইদ্রেদো চকপা চাইবেল্ যাওশুবাকপা নিংথৌগা লোইননা খুন্দাহৌবা চাইবেলনা মীশিং যামদবনে, অকল অথৌনা যাওদবনে অশোল অনা মখৈনা খললিংহৌবনে, অসুম্না অব্রাবা ওইবক্লবদা নিংথৌগী তেকপী ওবলেন কাইবৈ যেনবদো ঙাকৌ চিংজিন্দা খুন্দার্বাদ যাদ্রে হাযদনা নোংমগী কোবৌ নুমিৎতা নুমিৎনা চীংযা থাংলকপা পোম্বী চেক্লেলা মখৈনা নংমনুংদা হল্লকপা অসকঙৈগী তাঞ্জসিদা তেকপী ওকলেন অদো কাইবৈ যেনবা লোইননা নিংথৌ তালোই মানা তবা ফৌবু শুবদা নিংথৌ তালোইনা বাইবু খপ্লাদা ওকনা মনমনা যাবেদো তৌবিবা থৌদৌবু উবদা বাইবু পিক্ থন্না খপাচল্লে, নবুক থন্না পাজবেদো নিংথৌদা পাওদুবু তম্‌মেনে নুমিৎতুদা ওকনা অবাং পাংনা যেনগা লোইনা চৎখিবনা হৌজিক্কী চাইবেল খুনফমলেন ওকমানবীগী লমদমদা তেকপী ওকনা মচা কোক্‌লেদো, যেনবা মাসু চাক্তাদুনা লৈপাক প্রজা ঙাইদুনা লৈবেদো, ইনুং মাবু ঙানবদা চাইবেল নিংথৌ যাওশুবাকপদো মবোই মনাও লোইননা ব্রাবুদি তানবে ঐখোয মফমসিদা লৈবার্বুদি যাদ্রেদো কালিকা ওকপী ইমা মাদি চৎখ্রেদো নংগী নংগী থৌবাং লোইনবো হাযনা তবা চাকঙন চানদুনা পোইবৈ অবাং পাংনা কালিকা ইমা মাগী খোংগুন্ লীবক্লেদো বাইকুপ্ খোংগুল্ লীনা লাকপনা নুমিদাংব্রাইগী তাঞ্জাদা ওকমানবাগী লমদমদা তেকপী মাব্ লৈ হাযবা খঙনবা কাইবৈ য়েনবা মানা তোইনা তোইনা খোঙলকলেদো লৈবাক প্রজা লোইননা নিংথৌদো ওকমানবীগী লমদমদা থেংনবেদো নিংথৌনা লৈবাক্ প্রজা য়েংনা মফমসিদা ইমানা লৈনিংলেদো, ওক্মানবী মানা চাকোকলিবা মফমদুদা হৈবাং পাম্বী অমবু থাবেদো লৈবাক প্রজা পুম্নমক মাগী মাগী লৈননবা শেম শাবেদো ইনুং মাবু ঙানবদা

ওকমানবী মহাকতি অতোপ্পা মফম্সুদি হোংলরোই হায়না খন্দুনা মফমদুদা নুংবু ওন্দুনা লৈখ্রেদো, কাইরৈ য়েন্‌বা মাবু সিদা লৈ হায়্‌বা খঙদা লৈখ্রেদো। নিংথৌনা থৌওংদুবু য়েংলগা প্রজা য়েংনা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো তবিয়ুনে প্রজা পুম্নমক কালিকা ইমানা মফমসিদগী অতোপ্পদা খুলবু হোংলরোই খল্লমাল্লেনে, থৌদু নুংবু ওনখ্রেনে, ঙসি নোংদগী কালিকা ইমাগী অতোপ্পা কোলোই মিংলেন্ অমনা ওকমানবী হায়না হয়েং চাদোন্ শুদোন্না খঙহৌরসনু মফমসিবু খুভম্ য়াদুনা-থম্‌মসি হায়না অদু নোংদগী মফমদুবু খুভম্ য়াদুনা থমলকলি মফমসিদা চাইরেলনা অনৌবা খুন্ অমা শেমদুনা পালকলেদো মফমসিদা পানবা মতম অদুদসু খোংজাই লানদি তোকপা লৈতেদো তৎতনা খোংজাই লান্‌বু থেংনবনা চাইরেলগী ইমা-ইবেলশিং খোংজাই লান্‌বু ঐখোইনা অহিং নুংথিল নাইদনা ঙাকপসে ব্রারেদো মবমসিনা ইম্ফাল তুরেলনা কোন্দুনা খুনফমসিবু থম্লসি হায়না খন্নদুনা ইম্ফাল তুরেল অসি লৈঙাং তেরা মখোংদগী তৌবগা শমদুনা তুরেল চেলহনগনি হায়না নুপী মখৈনা তৌদুনা থোনখি হায়বগী নুপী পল্ হায়না ঙসি ফাওবা লৈরিদো অমবোমদনা কমদৌরী, পোইরৈ মোইবাং লমদমদা লৈহৌরবী তোইবী লৈমা মহাক্তি অয়াং লৈমা পাম্থোইবী মানা চকপা চাইবেল খুনফমলেনগী মগুনবু হাপকে খন্দুনা পাম্থোইবী মাগী লাংওন তৌইবী লৈমা মহাক্তি অঙৌবা লাইথুং পক্ লক্‌লেদো, তোইবী লৈমনা লাইথুং পক্‌লকলবদা মোইবাং কনা মনাক্ চংদ্রেদো চকপা খুনফমনগা মফম খঙখিদবনে লুব্রাং তোইবী লৈমদো ব্রানা মতম্সুদি লেল্লকলেদো নোংমগী কোরৌ নুমিৎতা মোইরাং ঙাংঙোই অহোংবদো মরোই মনাও য়েংনা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো লুব্রাং তোইবী লৈমাসে মপাম লমদমদা থীনলুরো হায়না তাকপিরে, মরোইগী মনাও মখৈনা চকপা খুনফমলেল অশেংবশু খঙদনা মতৌ করম থীগবনো হায়রবদা ঙাংঙোই অহোংবনা চকপা খুনফমদি ইম্ফাল তুরেল তুংইন্না থীরগা ফংগনিদো মরমসিনা ব্রাকয়ে হিবু তোংদুনা ইম্ফাল তুরেল তুংইন্না লৈমা মাবু পুরোদা তাকপীরে, কোরৌদুবু লেলগা তরা চাকঙন চাদুনা ব্রাগৈ হীদা তোংদুনা লৈমা মাগা লোইননা লাকলেদো, কোরৌদুবু লেললগা তরা চাঙন চাদুনা ব্রাগৈ হীদা তোংদুনা লৈমা মাগা লোইননা লাকলেদো ব্রাগৈ হীনা অসুম্না লাকপনা নুমিৎনা চীংয়া থাংলকপা কোরৌনা মৈশা নেমলকপা অসুকঙৈগী

তাঞ্জা অসিদা চকপা চাইবেল খুদা ফংলেদো চাইবেল খুদা ফংলবদা মোইবাং মখৈ খন্নবেদো যাওশুবাকপা মফমদা মমোম্‌বুদি শীন্নবা ঙম্মোইদো মবমসিনা চাইবেল খুদা মপাদা লৈমা মাবু থাংগৎলগা থম্‌মসি হাযনা লৈমা মাবু থাংগৎলমলেদো, মোইবাং মখৈ চৎখ্রেদো মোইবাং মখৈনা চৎখ্রবদা লুৱাং তোইবী লৈমদো মপাম যুমদা চংবা কোবৌশু খবা ঙল্লি ইকজখিগে হাযদুনা ইকজবেদো ইকজবা লোইবগা মপাম যুম্থ চংলগে খন্ চাইবেল্ খুদা মপাদা থাবিবা থোংবু লানলেনে, থোংবু লানলগা চাইবেল লাইবুংদা খুমাবা-খুমাবী অযাং লৈমা মাবু খুকমগে প্রেমগী ভক্তি কচ্চগে খন চংলকলেদো. অযাং লৈমা পাম্থোইবীনা শীংঙেল্ লৈবাং মখৎথা লুবাং তোইবী লৈমা মাবু লাইশেংলগে খন লৈমা মাগী মমাংদা লাইশেং পুখ্রি পুথোকতুনা থমমেদো লুৱাংগী তোইবী লৈমশু চাইবেল লাইবুং নংদা চংঙমদাই অমা-অশেং চামথোক্কে খন পুখ্রিদুগী লাইজদে লৈমগী মাইবু তানদা লাইজ মানা শোকপা লৈমাগী খুত্তা পক্‌লম্বা অঙৌবা লইথং কোক্‌পবু উনেদো তৌনিবা থৌদৌদ্ল উবদা লুবাং তোইবী লৈমনা [illegible] লমদম লাইসে লাইথুংবুদি কোকলেনে পাম্থোইবী মানা ঐগী অবাবন্ [illegible]বদনা লাইশেং পুখ্রি ওননামাল্লে খোইযুমগী থৌজাল যেংলগে খন [illegible] পুম্ন লুপথোক্লেদো [illegible] পুম্না লুপ্পদা লৈমগী মশাদা পকলম্বা লাইথুং পুম্না [illegible]খ্রেদো অনৌবা পাঙ্গ[illegible] লেদো [illegible]দগী হেন্না ফজবেদো. লাইশেংলবদুদা লুবাং তোইবী লৈমানা অসুক্‌ [illegible], [illegible] চাদোন শুদোননা খঙতৌবসনু তোইবী লৈমা লাইশেংগোন পাম্থোইবী মাবু [illegible] তোইবী লৈমা ঐগী কোলোই শোন্না লাইথুং পক্লবা মীওইনা লাইশেং পুখ্রি মপা লাক্লা ইকুপলবদি অমাই লাইশেং ওইসনু হাযনা পুখ্রিদা নব পীবল্লগা চাইবেল লাইবুং চংদুনা প্রেমগী ভক্তি কচ্চবেদো, অদু লোইবগা পন্থৌ যাওশুবাকপা কোনুংদা চংখ্রেদো, মতম কুইববগী মতুংদা মমোম্ন মতমচাদনা লাকপা উববদা যাওশুবাকপনা ইপাগী ইমোম লাংলেন ইবেম্মা মতম নংতনা ইমোম্না লাকপদি নযুম মোইবাং লমদমদা অবাবা কবিবু যাওবগে মোইবাং নাবোই-ননাও যাওবকপবা হাযনা হংলবদা লুবাং তোইবী লৈমানা ইপা ইবুংঙো পন্থৌ অপোকপা ইযুম মোইবাং লমদমদো অৱাবা কবিবুদি থোকতেনে, মোইবাং কনা যাওদেনে নমোম্না পন্থৌ নকা তমলকপদি নমোম লাইনক থীবীদি পন্থৌ খুঙ্গংনা মফম খঙদনা লৈখ্রবদ

খোইয়ুমগী নোংদম কনবনা নমোমদি মোইবাং লমদমদা লাইথুং অঙৌবা পকলেদো নমোম্গী নাক্তা মোইবাং কনা চংদ্রেদো পন্থৌ খুঙ্গং অবেপ্পা খঙদবনা নমোম লাকপা ঙমখিদেদো ঙসিগী কোবৌ নুমিৎতি মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবনা মবোইগী মনাও থাবেদো ব্রাকগৈ হীবু তোংনা চকপা ইপাম লম্দম থীকবো থাবকলেদো পন্থৌ খুদা ফংলবদা মোইবাং মখৈনা নমোমবু পন্থৌ নফমদা শীন্নবম্বা ঙমদনা নমোমবু খুদা মপাদা থাংগৎলমইনে মবমসিনা পন্থৌ নকা তম্লকপনিদা, অসি হায়ববদা পলেম মমানা ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা ইচানা মতম কুইনা মোইবাং লমদমদা লৈকবদি অঙৌবা লাইথুংপক্তুনা অব্রাবা তাকববোইবেকো ইমোমও। নংগী চেংলৌ যেংবদা লাইথুংবুদি পক্পা মান্দেনে ইমানা যেংগেনে হায়না চবৈ ফিবু লৌথোক্লা যেংলেদো লুৱাং তোইবী লৈমনা, পলেম পন্থৌ যেংনা মমাংগী থৌদোকপু তমমেনে, লাইথুংবুদি পকত্রেনে হায়ববদা, যাওশুবাকপা নিংথৌনা মমোম্বু যেংনা কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো ইপাগী ইমোম ইবেম্মা চীংঙু নোংদম কনবনা ইমোম্না অব্রাবা তাকবনিদো খোইয়ুমগী লৈপ্লা শাংনবা ইমোমগী লাইথুং লাইকোক্কে হায়না খোইয়ুম মানা শীনবনি অদুবু ইমোম ইবেম্মা মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদো ইপানা নুংওন ব্রাবৌইদো ইমোম্না নপাল ফবিঙৈ ঙাংঙোই মাগীনি হায়বা ইমোম্না নপাল ফৎলকত্রগা ঙাংঙোই মাগী নত্তে হায়বসে ইপানা নুংওন বাবৌইদো অদবুনে ইমোমও। হৌজিক্তি নপাম্ যুম্সিদা ইমোম্ ননিং তম্না লৈজৌদো শেৎনিংবত্তা শেৎ চানিংবত্তা চা ইমোম ননিং তমজৌদো, অসুম্না মচাবু পলেম্ পন্থৌ অনীগা তবা চাকপু চামিন্না নুংওন্ বাবী শান্নদুনা নোংলেন অহিংদুবু লেনখিদো অসুম্না চকপা চাইবেলনা হৌজিক্কী খুনফমসিদা লৈবা কাল খোংজাই লানবু কনবনা চকপা চাইবেলনা ব্রাবকপা নোংমগী কোবৌ নুমিত্তা যাওফুবাকপা ময়াম্বদো চকপা চাইবেল মনাওনা মওং কবম্ পাল্লিবা ব্রাহং পাওহংনকগে খন্ তবা চাযোম পুনা মবোই মনাও লোইননা চাইবেল লমদম পাংলকখিয়ে্ কোবৌনা মমি শামলকপা নুমিৎনা চীংয়া থাংলকপা অসুকঙৈগী কানসিদা যাওফুবাকপা নিংথৌদো মবোই মনাও লোইননা চাইবেল্ লমদম যৌবক্লেদো নিংথৌ মচিন-মনাও উনবদা মিৎল্লু পিবাং ইবা চেন্নৈদো নুংওন ব্রাবী শানৈদো মনাও যেংনা পাওমেনলকইদো শানৌ নংবু নুংশিবা পোইবৈ লমদমসিদা পানবদা শানৌ

নংনা ৱারবা নয়াম্বা ঐগী নাক্তবু চৎসিনে অৱাবদি লৈরোইনে, নয়াম্বগী অতেনবা খেনবু য়েংবদা খুন্দফম্ মাবু তেরে হায়বগী খেনদে হায়না কোলোই মিংথোললেনে ময়াম্বা য়েংনা মনাওনা য়াম্বুং ইবুংঙো নুংশিবা ননাওদি ৱারবশু ৱানা পোইরৈ লমদমসিদা পাল্লগেনে, অৱাবদা তেংবাংনসিনে, ননাওগী চকপা মীশিং য়ামদবনা খোংজাই লানবু ঙাকপদা লৈবাক্ প্রজা ৱাইদো অদুবুনে য়াম্বুংও কালিকা ইমানা চকপা খুনবু হোংলরোই অৱাবা করি লৈরোই হায়বগী খুদমবু পীরেদো ইমা মানা খুনফমসিবু থীরক্লগা থৌদু নুংবু ওন্দুনা লৈখ্রেনে, পাম্বোইবী লাংওন্ য়েনবা মাশু মফমসিদা লৈ হায়বা খঙদনা থুপখ্রেনে, হায়না তম্লবদা ময়াম্বানা ইযাম্বগী ইবুংঙো নুংশিবা চীংঙু খোইয়ুমগী অরুবা চাংবু অমদি খেনবু য়েংই হায়বগী খেন্দে, চাইরেল অসুম্না থোনবনিদো, নয়াম্বগী খুনফমশু খেনবু য়েংবদা তেরে হায়বগী খেন্দে হায়না থোললেনে শানৌ নংনা তমদা পানবা মতমদা খুনজাও লৈচাওনবা ইমা পাম্বোইবী মাগী হৱাও মথোই কারোদো মাংহৈদবা ইমাগী চরৈসিবু ইনাও নফমদা শীন্নরম্লগেনে হায়না মনাওদা পাম্বোইবীগী লৈহুন তম্না চরৈদো শীন্নরেদো অদুদগী কালিকা ওকমানবী খুরুমজরেদো, খুমাবা খুমাবী খুরুমজরেদো অশুম্না নিংথৌ মচিন মনাওদো বিদায় তৌনদুনা য়াওফুরাকপা নিংথৌসু মরোই মনাও লোয়ননা তরা চয়োম পুদুনা হনখ্রেদো অশুম্না ময়াম্বা য়াওফুরাকপানা ভেংদা অমসুং মহাক্কী মচা-মশুশিংনা ভেং খুলেন্দগী খা-থংবা শরুক্তা গেনয়াং, লুসাই হেনতম্ নচিংবা খুঙ্গং ৩২নি অশুম্না মনিপুর, মীজোরাম্ অমদি কবো তম্পাক্তা পুন্না খুন্ শন্দোকখি হায়। চকপা চাইরেল, খেনদেগী য়েক শলাই, লুৱাং ৱাংবননি, শলাই মাপল হায়বদি (১) সৌৱাংবা (২) ৱাংবনবা (৩) সেরিংবা (৪) সেরাংবা (৫) লোলাংবা (৬) অংবা (৭) ওনম্বা সলাই তরেৎ অসিদি চকপদা ফুশাবনা অথোইবা শিনফম্ ওইরকই। (৮) য়েনজিংবা অমসুং (৯) মেনোম্বা অসিনি। অসুম্নাময়াম্বা য়াওফুরাকপনা চীংদা খুন্দাখিয়ে, অসোমদনা ময়াম্বনা হনখ্রবদা য়াওশুরাকপ নিংথৌনা চাইরেল প্রজা তিলহল্লেদো কোলোইগী মপাও মেনলকলেদো তাবীয়ুনে প্রজা পুম্নমক লৈবাক খুজাওনবা, চাক্হোং-ঙাহোংনবা কুমসি কুমজাসিদগী কালেন হৱাওবা হৌরসিনে পাম্বোইবী ইমা মাগী মফমদা ইরাৎ থৌনিবা হৌরসি হায়না চহি অদুদগী হৱাওবা হৌখ্রেদো। কোরৌগী

অফবা অমা য়েংলেদো ইমা পাম্হোইবী মাবু হরাও মথোই কা খেলাগী পুংদোই হৌইদো, চাইরেল খুনজা পুন্নমক কুমগী অতেক্ অনৌ হৈরাং অহেনবা লৈরাংগী নিংথিববু পাম্হোইবী ইমাদা হৈরুক খুদোল তম্নরেদো পাম্হোইবী লাইমাংদা খুনজা অয়াম্বা জগোইগী খুৎথেক্ কৎলেদো অশুম্না হরাও মথোই থোং খেলাগী পুংদোই হৌবসে কৌরৌগী শিংবুম মঙানি চুপ্না হরাও মথোই কারেদো খুনজা হরাওবা লোইখ্রেদো, অয়াং লৈমা পাম্হোইবী হরাও মথোই কা লৈবাক খুনজাওহনগে খন অকল অথৌবু পোকহনগে খন চাইরেল খুঙ্গং ঙাকঙমগদবা তম্বা অনী শাম্বা পাঙ্গলবা অনীবু তাইবং ফাওহনলেদো মতম অদু মৈতৈকুমশিং ২৭৭০ অদুৱাইদনি, তম্বা অনী অসি অমনা লাইশ্রম চাদা হৈরাং মখুৎথা শেমমেদো অমনা নাওরেমচাদা, তম্বা অনী অসিনা তাইবং ফাওরবদা অঙকপনি চীংঙুখোইয়ুম মাগী লীল্লনি তাইবং কনা খঙঙম্দব, অঙাং অনীনা তাইবং ফাওরকপা তোপ-তোপ্পা অঙাংনী পুন্নমক্তগী হেনবনি, নিংথৌ য়াওশুরাকপগী খোমলেন মংলান্দা অযাংলৈমা পাম্হোইবী মানা লাকতুনা খোইয়ুম লাইরেম্বীনা পাওতাকপিরেদো নিংথৌ য়াওশুরকপা হন্দক চাইরেল নখুন্দা অঙাংগী নৱা ওইনা তাইবং ফাওরিবা তম্বা অনী অসিদি নখুঙ্গংবু ঙাক্লবা পাম্হোইবী ঐনা শেম্বা চারনি হৈবাং লেমনা মাংলোইয়ে। হায়না খোয়য়ুম লাইরেম্বীনা পাওতাকপিববদা য়াওশুরাকপা নিংথৌনা নোংলেন অহিংদুবু লেল্লগা চাইরেল কংলা পুংজাও য়ৈরেদো লৈবাক প্রজা চোন্না তিল্লেদো য়াওশুরাকপা নিংথৌনা কোলোই মপাও মেনলেনে তাবীয়ুনে, লৈবাক্ প্রজা পুন্নমক হন্দক ইখুঙ্গংদা নাওরেম অমদি লাইশ্রম চাদা পাম্হোইবী মানা চাইরেল খুঙ্গং ঙাকঙম্বা তম্বা অনীবু পীনরেদো অঙাংগী নৱা অনিসে খোইয়ুম লাইরেম্বী মাগী হৈরাং মখুৎথানে মরমসিনা অঙাংগী কোলোই মীংথোনসে ৱারম অসি লৈবনা কংলা পুংজাও থীনবনে, অঙাংগী চেংলৌগা চানবা কোলোই মীংথোনসে হায়দুনা খন্নরকলে য়াওশুরাকপা নিংথৌনা হান্না য়েংবা অঙাংদো মবুক চাওনা ফজৈ হায়দুনা অঙাং অদুগী কোলোই পুকচাও হায়না থোল্লসে হায়না লেপ্পরেদো মথংদা অঙাং অমদি চেংলৌ য়েংলগা পুকচাও মাবু তাইনা মেন্নরগনি হায়দুনা তাইবোং খোল্লম্মি, অঙাং অনিগী কোলোইসে, পুকচাও তাইবোং অসুম্না কোলোই মিংথোন্দুনা চাইবেল লাইবুংদা সরেন্ কৎলেদো জগোই খুৎথেক কৎনদুনা

ইবাৎ থৌনিখ্রেদো অসুম্না, অঙাং অনিসি চাওনবা যোকখিসনু চকপা চাইবেল খুঙ্গংসে নমু তাইবং মীশিংনা ৱাৎ কুবাও ফালনা মশীং হেন পাল্লকপা খোংজাই চীংমী মবাংহৌ চাইবেল মীশিংনা য়ামদবনে লোইবী খোংজাই থক্তা হুইয়েন লানশিংনসি হায়বশু চকপা চাইবেল মীশিংনা য়ামদবনা হুইযেন লানশিংনবা ঙমদেদো চকপা চাইবেলবু ঙাকঙমগদবা অঙাংগী নৱা অনিদুবু চাউবা ঙাইনা চাইবেল খুঙ্গংদো ৱানা মতম লেল্লিদো, অমবোমদনা কমদৌবী মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদো মশানৌ তোইবী লৈমা মাবু কাইনখ্রবদা মতম অদু শা লানগী মতম ওইবনা যাবৌ শাফা ৱাঙম তানবনা ঙাংঙোই মাগী শিঙ্থা ওইবকলেদো, নোংমগী কোবৌ নুমিৎতা ঙাংঙোই অহোংবদো মবোই -মনাও লোইননা যাবৌ শাবু তাল্লকপদা অশুম-অশুম্না লাকপনা চীংঙু খোইযুম মাগী লীল্লনি তাইবং কনা খঙঙমদবা চাইবেলগী লমদম অৱাং হৌবোক লমদমদা পোখাবেদো যাবৌ শাবু ফাঙমদবা কোবৌগী মৈশা খাঙনা লৈবেদো, মবোই-মনাও যেংনা অফাবা খুনুদুবু লৌসিদো খাম্বী মৈবু লৌরুদো অনকপদা উবিবা চাইবেল লমদমদা মবোই-মনাও থাদুনা খাম্বী মৈবু লৌবা লাকইদো, চীংঙু নোংদম্না কনখিবনা মোইবাং তম্বা মখেদো যাওশুবাকপা কোনুংদনা কমদৌবী লুৱাং তোইবী লৈমদো চেংহি শমবাল লাংবা লোইবদুনা অঙাংগী নবা খবগা লৈমা মকে শেম পম্থৌ মাংগোন্দা লৈবমইদো নিংথৌ মনাই মোইবাং তম্বশিং অদুনা লুবাং তোইবী লৈমা মাবু উবদা লুবাং তোইবী লৈমা মানি হাযঙমদ্রেনে, মোইবাংদগী লাইথুং পক্লা চৎখিবা ঙাসনা কোনৌদা উবিবা লৈমসে তোইবী লৈমদো মানখ্রেদা খন্নেদো. নিংথৌ মনাইনা ইবেম্মা খাম্বা মৈবু পীযুদা খাম্বী মৈবু যাওদবনা ঐখোযগী অফাবা খুনুসে লৌববুদি যাদ্রেদো অসি হাযববদা লুবাং তোইবী লৈমনা মৈবুদি পীবেদো খাম্বী মাবু পীববদা খুনবুদি লৌবেদো লৈমা মাবু যেংলিঙৈ খুনু মাবু কাবমমে, নিংথৌনা শাওবাম খন অকাবা খুনুদবু পনা চৎখ্রেদো অৱাং হৌবোক্ লোকমাংদা ঙাংঙোই অহোংবদো মবোই-মনাও লোইননা পোৎখাবমইদো, নিংথৌ মনাই অনিনা পাওবুদি তমইদো তাবীযুনে ইনিংথৌ খাম্বী মৈ লৌবা চৎপদ' লুবাং তোইবী লৈমা মাবু যেংলিঙৈ খুনুবুদি কাখিবা খঙহৌদেদো লৈমা মানা মোইবাংদগী চৎখিবা লাইথুংবুদি পক্লা চৎখিবাদো ঙম্দিদি লাইথুংবুদি পকপদি হাযকনু। ঐখোযসু লৈমা মানি হাইঙমদ্রেদো চেংলৌ

শক্লা হেন পুক্লিং লিন্না ঙানবনে, লৈমা মাবু নত্তনা চাইবেল কনা ওইবোইনে অসুম্না পাউদম্লবদা মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদো পাইমা পুক্লিং নুংওল্লে লৈমা মাবু পুনিংলেদো মবোই-মনাও য়েংনা কোলোইগী মপাও মেল্লেনে অৱাং হৌবোক্তগী হৈঙাং মাবু হেক্লগা নিংথৌ ঐঙোন্দা তৈবোনে তুবেলদগী লৈপাক অঙাংবা তৈবসে অদুগা লৈমা মঙোন্দা নবুংঙো মোইবাং ঙাংঙোইদো যাবৌ শাদানবা লাকপদা ওকলেন খবাওবনা হাযবে অশি অচং খঙদ্রেদো লৈমা নংনা ইনবা লাইজাদো নিংথৌনা থককে হাযনা কৌকবো অদুগা মোইবাং লমদমদা পুখিসি নৎত্রবদি যাবোইয়ে হাযনববদা মবোই-মনাও মখৈনা হৈঙাং হেকপা যাও লৈঙাং লৌবা যাও শেম্ শাখ্রেদো মোইবাং তম্বা অনীনা লৈমা মাবু লৌবা চৎখ্রেদো, চাইবেল নিংথৌ যাওশুবাকপা মাদি খোংজাই লানবু ঙাইবা তবাগী চাকঙন চাদুনা লাংগোই কাক তোংনা হাওবৈ মখা পাংনা চৎখিদো অসুম্না অহাংবা তাঞ্জা অসিদা মোইবাং তম্বা অনীদো অমুক হন্না লুৱাং তোইবী লৈমা নাক্তা লাকলেদো লৈমা মাবু যেংনা কোলোইগী মপাও তমলকলেদো তাবীযুনে লুবাং তোইবী লৈমা নবুংঙো মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবদি যাবৌ শাফা ৱাঙম্ তানবদা ওকলেন্ খবাওবনা শোক্লেদো. অসি-অচং খঙদ্রেদো লৈমা নংবু লাইঙ খবদং ইনতললু হায়না নবুংঙোনা নংবু লৌরু লাক্পনিদা হাযববদা লুবাং তোইবী লৈমাস্ মপুবোইবা ওইবনিনা অচম্বা ওইববোই নিংদুনা মবোই-মনাও অঙাং খবগা লোইননা মবুংঙোবু উনগনি লাকচৈদো, অসুম্না লাকপনা লৈঙাং তৈদুনা লৈবম্মী হায়বগী অদ্ নোংদগী লৈঙাং হাযনা মফমদুবু খঙনখ্রেদো লৈঙাং যৌববদা যাবৌ শানদি শোকতবনিনা লৈমা মাবু পাম্বাগী মিনম্বনিদো মোইবাং মখৈ চংদুনা লৈমা মাবু লাঙ্গোই শযাংথক্তা হাপকৎলেদো মোইবাং মাইকৈ তম্না লৈমা মাবু পুবকলেদো লৈমা মাগা লোইনবকপা নবা মখৈনা কপ্লুনা চাইবেল কোনুং তমলক্লেদো চাইবেল্ কোনুংদা তম্বা কনা লৈবমদেদো পম্থী যাওশুবাকপনা খোংজাই লানবু ঙাইবা চৎখবা নিংথৌ মঙোন্দা অঙকপা খুদমবু পীবেদো অযাং লৈমা পাম্থোইবী মানা নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা শীৎলেনে নোং মংদনা অখাক অবাও খোনজেন তাবকলেনে য়ুাগনি নোংথাং কপসকলেনে, খোইযুমগী অঙকপা খুদম ফংলবদ পোইবৈ চাইবেল কোনুংদা বাবা কাবিবুদি য়াওববা পুক্লিংদা চীংনবা পাক্লুনা লাংগোই কাক শেম্বাং পাইবা

পাংখকনি, মীৎনা কুপ্পাদা চাইবেল কোনুং যৌখিয়ে, চাইবেল কোনুং যৌববদা মাংগী ব্রাবু খঙলেদো নিংথৌ যাওশুবকপদো অশাওবনা লুতোন্ কাখ্রেদো ঙাংঙোই মথক্তা হুইযেন লানশিংনগে লাল্লু চোমাই ফক্লেদো তাংজ লুবেল লৌগেদো ঙমদবা মতাং থোক্লগা ঙাংঙোই মখুক্তা যাইবী থরাই থাগেদো হায়না শবী পন্দোল লোমখ্রেদো নিংথৌনা লানবু চৎপদা অয়াং লৈমা পাম্ভোইবী যাওইদো যাওশুবাকপা মাংদা লাঙ্গোই তোংনা খ্বাংজেৎ মচি লাং চীবোংবা থাংশাং পাইনা যাওশুবকপা মাংদা থাববে, অমবোমদনা কমদৌবী মোইবাং মখৈদো লৈমা মাবু পুনা লাকপনা কুম্বী হাওতক্ লান চেনসি হায়না লাকপনা অযাং লৈমা পাম্ভোইবী নোংলৈ নুংশিৎ ওই মোইবাং কনা চৎঙমদেদো নোংমংদনা লৈচিনবুদি থাবেনে মতৌ অসি উবদা মোইবাং মখৈদো ব্রানবকলেদো কবম তোক্লগবা চাইবেল নিংথৌ যাওশুবাকপা পাইমা লীংজেল খাবনি, মানা চাংযেং তাবু ঙনবদা শীৎপা নুংশিৎ অদুবু ঙসিশু শীৎলিনে হায়না অখঙবনা হায়বকলেদো, অসুম্না যাওশুবাকপনা তান্নবকপনা কুম্বী হাওতক্ মাবু লানদ্রিঙৈ মোইবাং মখৈগা থেংনবেদো, মোইবাং মখৈ যেংনা য়াওশুবাকপানা মপাও লাওবকলেদো. তাও-তাও মোইবাং চাশা নবুংঙো ঙাংঙোই মাবু কননবা হোৎনৌদো যাওশুবাকপা ঐর্হাক্তি নবুংঙো লুবেল লৌগে হায়না ব্রাশকখ্রেদো হায়না লাওববদা মোইবাং মখৈদো যাওশুবাকপা মদোম লাকপা উবদা থোইনা থৌশানদ্রেদো মোইবাং তম্বা নিপা ২৫নি, মবুংঙোবু কোইশিন থমমেদো মোইবাং ঙাংঙোই অহোংবা মতাকশু যাওশুবাকপা মাগা চাইনগে খন লাঙ্গোই শযাংথক্তা লৈমা মাবু ফানা থনম্বা মালেম খক্তা থাদৈদো লৈমনা নকন্দা লৈহৌবে মোইবাং মখৈনা মবুংঙোবু কোইদুনা যাওশুবাকপা ঙাক্লকলেদো যাওশুবাকপা খোংনেৎ শা লাংগোই কাকবা শ-লানবু হৈনা শা মহাক্লা মোইবাং তম্বা নিপা ২৫ না কোর্হবিবা পন্নুংদো অচোংবা পনগী মওংনী মোইবাং পনযাইদা চোংশিনখিবা ঙাংঙোই মাগী মথক্ তম্ চোংশিনখিবা লাংগোইদো ঙাংঙোই মাগী লাংগোইসু শা-লানবু হৈবনি তম্বা নিপা ২৫ না তোংলবা লাংগোইসু হুইয়েন লানবু হৈবনি. লাংগোই শাযাম চোংথোকখিবা কৌজোং শল্লুপ চোংশুমই যাওশুবকপা মদোম মোইবা, পন্নুংদা লেপলকলে তিমেন তাবু পাইবা মখৈনা তিমেন মাবু হুনজিল্লি থাংবু পাইবা মখৈনা য়াওশুবাকপা লুবেন তম্

হাইরকপনিদো হুইয়েন লানদা হৈরবা নিংথৌ যাওশুবাকপনা তিমেন তায়াম খৎতোক্লে, নংহৌদবা খরানা য়াওশুরাকপা মহকচাং তাদোন্না থীন্নরকপা যাওশুরাকপা মহকচাং থাংবু তাবু চংদেদো অশাওবগা লোইননা মোইবাং মখৈদো চিন্নান থকখা চিক্কুনা থিনলকপা যাওশুবাকপা মখুৎশু থাংলেনদা মোইবাং তম্বা খবদি তাংজ লুবেল লৌখ্রেদো লেমহৌবীবা মোইবাংমখৈদো থাংগা-থাংগা হোৎচিনলক লাংগোই শাযাম্না কোইবকপা, যাওশুবাকপা লাংগোইদো হবাও মথোই কা শাগোলগী লাম্বাদি ঐগীনি তম্বা ওইবদি নংগীনি হাযবগী মওংনি, খুমাং অনী চোংখৎলে খুদুং অনীনা শফু কন্না কাওবম্বা অচোংবা পনগী মওংনী শগোল শাযাম লালনা চোংখ্রেদো শগোল্না শগোল্দা চেন্শিন্বা যাওশুবাক্পা থাংগী জগোই শাবকপা নাক যেৎ ওইদা নৈদানা মোইবাং মখৈ হাৎলকপা অসুম্না হাৎলকপদা মোইবাং তম্বা লোইবকলেদো ঙাংঙোই অহোংবা মাত্রা মঙাইবকলেদো লাংগোই অনি থৌজিন্নে লুবেল তম্না যান্নবকপা থাংযার্নান থাংগা-থাংগা ঙাকনৈদো শগোল অনি মমাই লৈথোক্লা মশা-মশা ইননবকপা লাংগোই শযাংথক্তগী লোংনা-লোংনা চোংথনৈ মলেম থক্তা থাংগা-থাংগা লৈনবকপা যাওশুবাকপা মাগী লাললাওদা ঙাংঙোইদো মনা মেননা খঙইদো পাম্হোর্ইবী যাওবা লাল-লাওনি ঙাংঙোই ঙাইহাক্তংবু ঙকপদা যাওশুবাকপানা থাংলেননা ঙাংঙোইগী লুবেল লৌখ্রেদো অসুম্না মোইবাং মখৈ হাৎলগা মমোমবুদি থীবকলে, মমোম লাংলেন তোইবী লৈমদি পম্থৌ মাতগা মোইবাং তম্বা ২৫গা যান্নবা মোইবাংনা মীশিংনা হেনখিবনা মমিৎপু চেৎনা উইশিন্দুনা অযাং লৈমা পাম্হোইবী মাবু শোন্না লৈখিদো, যাওশুবাকপনা ইপাগী ইমোম ইবেম্মা নথংলেন ঙাংঙোই হাৎলেদো যাওশুবাকপনা কবিবু তৌজগবনো খনজবা মোইবাং অমা ফাওবা মযুমবুদি হনদ্রেদো লাকও ইপাগী ইমোম ইবেম্মা ইযুমগী মোংবা ইবানযাই যৌবসি হাযনা মমোম্বু লাংগোইথক্তা হাপকৎলেদো ঙাংঙোই মাগী তাংজ লুবেলদো শমলাং পাইনা পুবকইদো, চাইবেল কোনুংদা যাচংলকপা মতমদা থুংইদো, নৈবাক প্রজা পুন্না তিন্ যাওশুবাকপা মপাও ঙাইনা নৈবমইদো চাইবেল লাইবুংদা ঙাংঙোই মকোক্তো চীংঙু খোইযুম অনিদা কচ্চবে, ইবাৎ থৌনিজরেদো ইবাৎ থৌনিবা লোইবগা থৌবম কাইদনা ঙাংঙোই-মাগী মকোক্তো নৈরোনবুদি চনখিদো অসুম্না চাইবেল মখৈদো ইনুংদুবু লেনখিদো

ইনুংদুবু ঙাল্লবদা অযাং-লৈমা পাম্বোইবী লাংওন চংখোনবী তোইবী লৈমা মাসু মাথংলেন ঙাংঙোইনা লৈখিদ্রবদা পাইমা লিংজেল খাবা পম্বৌ মাগী মাংদা ফোংনা কপসি কপঙমদা কপলগনুসি ওমচাক্লা থমোই নুংহিক্লা অসুম্না লোন্না তেংথাজখিদো "শাবী ইবুংঙো নুংশিবা থংলেন নংবু পাম্মুবা তাইবং মপোক্ লাংওনমিন্নবা থংলেন পুন্সি লোইদনা খাঙডুথক্তা কেমমেদো তাইবং মপোক্ লাংওনবা চীংঙু লীল্লা লোইববনে পাম্মুবা ননাওগী নোংদম লাইবক থীবিদি থংলেন হৈনা নতুংইনসি ইনঙমদা খাইনা মৈশা লাং ওন্ন-থোইনা খাঙহৌবা তাবেদো" অসুম্না লুৱাং তোইবী লৈমনা লোন্ন-লোন্না তেংথজবা নত্তনা থম্মোই মৈচাক খাঙনবা উপাইবুদি লৈজদেদো, ঙাংঙোইনা লৈখিদ্রবদা তোইবী লৈমদো নোংমগী কোবৌ নুমিৎতা ইনুং মানা ঙানদ্রিঙৈদা অখাক্ অবাও খোঞ্জেলনা তোইবী লৈমা নাকোংদা তা মফম খঙহৌদনা তোইবী লৈমা অবোইবা যাইহিপ্ তানখিদো, তৌবিবা থৌদৌদু উবদা চাইবেল নিংথৌ যাওশুবাকপা চীংঙু কবম্বা নোংদমনো হাযনা মমিৎ উইশিন্না যেংবদা খঙলেদো চীংঙু খোইযুম অনীনা তাইবং মপোক লাংওন্‌বা তাইবং লীল্লা মপুং ফাবে হাযনা অনৌবা মপোক লাংওন অমগীদমক মমোমগী পুন্সি লোযবনি, হাযবা মমোম্না লৈত্রবদা থৌবম কাইদনা মমোমগী থৌবম লোইশিল্‌লেদো, অসুম্না যাওশুবাকপা নিংথৌদো মমোম্ কাইনবগী থবাই নুংঙাইতবনে চকপা চাইবেলনা খোংজাই লানবু ঙাকলকপা অকল অথৌনা যামদবনে চকপা চাইবেল মখুঙ্গং হুইযেন লাল্‌খা থাগদ্রা ৱাইব শাখা থাগদ্রা খনলক্তনা নিংথৌ মাগী চাংযেং তাবু লং যেংবদা যেক্লবা কনানা মাহাথিববুদি পীঙমদবা খুদম ফংখিদো, অসুম্না চাইবেলদো মতম খববুদি ইংনা পাল্লদো অমাবোমদনা মোইবাং নিংথৌসু মপাবী লৈখিদবগী থৱাই নুংঙাইতে অদুবু চাইবেল থক্তা হুইযেন লানশিংনগে খনশিদেদো পাবী মানা যোনলুবনা যাওশুবাকপা মখুত্তা যাইবী মাংবনি হাযনা খন্দুনা লৈখিদো, পোইবৈ চাইবেল লমদমদা চীংঙু মখুৎথা- খোইযুম মখুৎশেম পুকচাও তাইবোং অনীদো চাওবা লেপফাবে শাংবা লেপতমলেদো অঙাং অনিসি তান্না হিগী মওংনী অমনবু ঙর্মখিবা অমনসু ঙমদফন্দবনি, অঙাং অনীগী কুম্মেদো লৈবাক্ প্রজা পেনজৈদো মুক্লাদা, কাংজৈদা শাফাবদা তান্না হিগী মওংনী, মখোই অনিবু নত্তনা চকপা কনা লোইনদে, চাবে চামীন্নে, অনীনা মপুং মবৈ ফাবকপা

মশেন মবাইবু থোকনৈদো তিমেন মাবু পাইনা নিংথৌনা চাইহনবদা চকপা কনানা খাম্ঙমদে নিংথৌ মানা নত্তনা শামবা পাঙ্গল ফনা লংওনবা চীংঙু অনীগী লাংওননে নুংশিনবসু হাইনিংঙাইবুদি লৈতেদো, থৌবম অমত্তং পাংবদা ইসেন-ইবাই অসুম্না থানদেদো, য়াওশুবাকপা নিংথৌনা অঙাং অনীদুবু শা-লানগী খুৎশু-খুৎলাই নিংথিনা তম্বীদো অঙাং অনীনা চাউবকপা খোংজাই লানবুদি কীদ্রেদো নোংমগী কোবৌ নুমিৎতা নিংথৌনা অঙাং অনীগী শামবা পাঙ্গল চাংযেংগে হাযনা লৈবাক প্রজা হৌনা নুংবু হুন্নবা থৌবি চিংনবদা অঙকপনি অঙাং অনিদো থৌদু নুংবু হুনবদা তাইবং মপোক্না ঙমফদবা ঙম্বনি থৌবিবুদি চীংনবা লৈবাক প্রজানা নাম্মবুদি ওইবগা চীংনবদা অঙাং অনীনা লাইনা চীংলেদো নিংথৌ প্রজা পেনজৈদো অঙাং অনীবু যেং চকপা চাইবেলদো অকিববুদি লৈতনা পান্জবেদো, অদুম্নদি ওইবগা খোংজাই চীংমীনা লান্দবক্কদববু খঙদবনা অহিংগী নুংশেল খান থব্রাই শোনবা মখৈদি ইনুং যাতাবাবুদি যাদেদো মবমসিনা ইম্ফাল তুবেল ব্রাংমদা খুন্দাববদি পুক্লিং ব্রাববু ফগনি খন্ ইম্ফাল্ তুবেল্ ব্রাংমদা খুন্দাবদি হৌবেদো চীংঙু মাগী লীল্লনি খোইয়ুম্ মাগী থৌশিলনী তাইবং কনা খঙঙমদবা পোইবৈ ব্রাইখোং লমদমদা থুমখোং লৈবনা মবম ওই যাবৌ শাবু ইল্লেনে, খুন্দাববু ব্রাবেদা অহিংগী মতম ওইবদা শামু-লমশা অঙাওবা ব্রাইখোং খুল্লক চংলকলে, খুন্দববু বাবেদা মবর্মসিনা ব্রাইখোং মখৈ খন্নৈদো নিংথৌ কনাগী মফমদা চংলগা ব্রাইখোং ঐখোযগী খুনফমসিবু ঙাকঙমগদবা হাযনা খন্নববদা পোইবৈ চাইবেল লমদমদা পাল্লিবা নিংথৌদি চীংঙু লাইমক্কা মান্নবনি, অকলবু অথৌদি লৈবনি, মবমসিনা চাইবেল নিংথৌ মফমদা চংঙুবসি লেপ্পবেদো বাইখোং তম্বা মখৈ হৌনদুনা পোইবৈ চাইবেল লমদম্ পাংলকইদো চাইবেল লমদম্ যৌবকলবদা যাওশুবাকপা কোন্ংদা চংলকলেদে' চাইবেল নিংথৌদা কলোইগী মপাও তমজৈদো তাবীয়ুনে ইনিংথৌ ব্রাইখোং প্রজা ঐখোযনা নিংথৌ নাকা তমলকপদি ব্রাইখোং ঐখোয খুন্দবদি ঙমদ্রেদো থুমখোং লৈবনা মবম ওই যাবৌ শাবু ইল্লেনে, অহিংগী মতমদা শামু লমশা লাকতুনা খুল্লকপুদি নৈবেদো মবমসিনা ঐগোযগী খুনফমবু ঙাকপিযু চাইবেল নখোযদা চংজবনিদা হাযববদা, নিংথৌনা চাইবেল প্রজা যেংনা কোলোইগী মপাও হংলকলেদো বাইখোং প্রজাগী অব্রাববু কনঙমগদবা তম্না কনা-কনা যাওবিবগে হাযবকলবদা

পুকচাও-তাইবোং অনিনা ইনিংথৌ ব্রাইখোং প্রজাগী অৱাববু কনসি হায়ববদি, ইশেন-ইবাই থাবীযু অবাকপা যাবৌ শা-মখৈ, ফগেদো হায়না হায়বকলবদা ফবে অদুদি নশেন নবাই ব্রাইখোং প্রজাগা লোইননা চৎলোদো হায়না তাকপিবেদো ব্রাইখোং প্রজা হবাওজবেদো ব্রাইখোং প্রজা লোইননা পুকচাও তাইবোংদো তিমেন্ তাবাক্ পাইবেদো মবিং থাংবু পাইবেদো শামু লমশা হাৎনবা অসুম্না ব্রাইখোং মখৈগা লোইননা পুকচাও তাইবোং অনীদো পোইবৈ ব্রাইখোং লমদম পাংলকলেদো ব্রাইখোং লমদম যৌববদা ব্রাইখোং প্রজানা চাইবেল অথৌবা অনী যাবৌ শাবু ইল্লিবা থুমখোং মঙোন্দনি বাইখোং প্রজা কনাসু থুমহিবুদি শোকঙমদ্রেদো যাবৌ শাবু কনবনা অসি হায়ববদা পুকচাও তাইবোং অনীনা ফবে অদুদি বাইখোং তম্বা খবা যাওবোদো থুমখোং মফম্ তান্না চৎলসি হায়না পুক্চাও- তাইবোং অনীদো বাইখোং তম্বা খবাগা লোইননা লাকলেদো থুমখোঙ্বুদি যৌববদা ওকলেন খাবাওবা শল্লুপনি, বাইখোং মখৈ লোইবী চীংথক্তা তলা পামেল কানা যেংইদো পুকচাও-তাইবোং অনিদো, ইসেন-ইবাই ওক্লেন অমত্তবু শোইহনবা যাদেদো, ইসেন্না-ঙম্বা ইবাইনা ঙম্বা ঐনা ঐনা লেপ্পুবা নাকন্দা শোইনবা হকাইনসিদো অসুম্না হায়না মশেন-মবাই অনিদো তেকপা ওক্লেন শল্লুপরো এম্ চংশিল্লক্লেদো, মালেম লৈদা খোংফম্ থীল্লেদো মীবু উবা যাদবা ওকলেনশিং যৌনা কাংদ্রম মওংনা, পুক্চাও-তাইবোং অনিবুদি তম্লকলেদো, মশেন-মবাই অনিদো হায়নবর্বুদি লৈনদে চেনশিল্লক্পা মাংবু থাবদো লুশম নম্দনা ফাইদো মথং চেল্লকপা অমদা লংশিল্লী, অমা অমুক্ ফাংদো অমদা অমুক্ লংশিল্লি অসুম্না ফাবগা লংবগা নমবগা হুনবগা তৌবকপা লমওক অঙাওবদো অকনবা অনীগা নাক্তা চংগদবা কীবকলে কৈখা নোনবা হুইশুমলে ওক্না তেববা অদুদি পুক্চাও তাইবোং অনীদো অমা পাইব মালেমদবু হায়হৎপা অসুম্না অফং অফংবা হাইহৎতুনা হাংলক্পা পোইনুগী ফৌবোম্ তাগুমই, লম্ওক অমা হেনখিদেদো, অক ন্বা অনীগী মতৌদো নুংঙাইবকতুনা বাইখোং তম্বা খবদো অকনবা অনীবু থাগৎনবক্ই, ওকপু হাৎপা লোইববদা ব্রাইখোং মখৈনা ওকপু লোইনা হোল্লেদো অকনবা অনিবু মবুক থন্না পীজবেদো চাক চাবা লোইবগা পুকচাও-তাইবোং অনীদো নুমিদাংগী মতম ওইবকলবদা থুমখোং লমদমদা তিমেন্ তাবাক্ পায়না মবিং থাংবু লোইননা

থুমখোং লমদম্ পাংলক্‌লেদো থুমখোং লমদমদনা কমদৌরী পাম্বা শল্লুপ্ লৈরমই, তোমচংনবা পাম্বা ঙাক্তনি থুমখোঙগী অকোইবদা লৈরম্‌ইদো, মমিৎ মৈবুন থান লৈরম্মীদো, পুকচাও তাইবোং অনীদো হাইনৈদো ইশেন ইবাই পাম্বা পুন্না চঙনা ফাসিনে, পুচাওনা ইশেন্ কৈবু হীংনা ফাবা য়াগদ্রানে, করি ৱানোদা ইবাই হীংনা ফাবা য়াগনি ইশেন ইবাইনা পাম্বা শল্লুপসে অফং-অফংবা থুম্ খোংনুংদা হুনথারসি চোকথরবদা য়াদবা করি লৈগনি, ঙাংনরে তিমেন্ তাবাক্ থম্মেদো মরিং থাংবু থাদোক্‌লে, মশেন মবাই অনিদো অকিববুদি লৈত চংশিল্লি, শাহিং চাবা পাম্বশিং মমিৎ-মনা কোরো কোরো ওৎলিদো মমৈবু মালেমদা দুপ-দুপ ফুরকই অকনবা অনী চংশিলি পাম্বা অনীনা অকনবা অনিতম্ চোংশিনলকইদো অকনবা অনীদো থাংবুদি চংদবনি, য়াওশুরাক্‌পা নিংথৌনা মন্ত্র থিং কান্না থারকপনি, মরমসিনা পাম্বানা চোংশিল্লকপা মখুৎনবু ওক্‌খিদো পাম্বাগী থৌরবা খুজিন্না অকনবা অনিদা নপ্লদা নপ্লাবুদি য়াদেদো পাম্বা মাবু ওক্ থুমখোংদবু লংথৈদো,পাম্বা অতোপ্পা অমমম্ তম চেনশিল্লি, পাম্বা হৌদনা চোংশিল্লী পাইবগবু হুনথৈদো অসুম্না হুনথরকপদা অচেনবা পাম্বাদি য়াওরকলে, অচেনবা পাম্বা তান্নৈদো নমদনা ফাইদো হান্না থুমখোংদা লংথখিবা পাম্বাদো লৈবাই য়ৌনবা ইরোইজবা মথং পাম্বা হুলকপা লেমনবু মাংহনদে লৈরাই নক্ককপা পাম্বদো হুন্‌জিল্লি অসুম্না পাম্বা লোইনা লংথরকপা লোইরবদা পাম্বা শায়ামদো লৈরাইবুদি নক্‌ঙমদ্রে খরবুদি নকশিল্লুবা ফাদুনা অমুক হুনথরকপা পাম্বা শায়ামদো ঈরোইবদা চোকথরে থৱাই হিংননবা লৈরাই তম্না ঈরোইবসু অকনবা অনীনা লংবগা হুনবগা তৌবদা পাম্বা শয়ামদো পাঙ্গলবুদি লৈত্রেদো শায়ামদো পাঙ্গল লৈত্রে খংলবদা অকনবা অনীদো ইশেন-ইবাই, পাম্বাশিংশে ৱারেনে, ঐখোয়না তৌনিংবা য়ারনি লৈরাইদবু কাহল্লসি হায়না লৈরাইদবু কাহল্লে, চেনগে তৌবা পাম্বদো নমদুনা ফারগা অমুক্ হেক্তা লংথবা পাম্বা শায়ামদো হুইমুক্ তেরেদো মশেন-মবাই অনীদো পাম্বা শল্লুপ্ হোইরসি হায়নরে তিমেন্ তাবাক্ পায়না মরিং থাংবু লোইননা পাম্বা শল্লুপ্ হোইরক্লে পাম্বা অমা চেনগে হায়দ্রেদো অকন্‌বা অনিনা তৌরিবমখৈ য়ারেদো অসুম্না হোইরক্‌পনা ৱাইখোং মখৈনা য়ারেক্‌ইবা মফমদা পুন্না হোইজিল্লক্‌লেদো। য়ারেক্‌ইবা ৱাইখোং তম্বাশিং ঙক্‌পদা থেংলেদো শাহিং চাবা পাম্ববু শাঞ্জেননহানা কাওরেল্ শল্লুপ্

হোইবগুম্ পাম্বনা তেবা উবদা, পুক্চাউনা ৱাইখোং প্রজা য়েংনা কোলোই মেনলক্লে, পাম্বাশিংশে চাগেবা হংবদা ওক্পু যাম্না লৈবনা চাবদা লোইবোই খন্ পাম্বদি চানিংদে হাওবোইযে হায়ববদা অদুদি পাম্বাশিংশে লোইনা থাদোকখ্রগে হাযদুনা পুক্চাও-তাইবোং অনীনা শাহি উশা পাইনা পাম্বা শল্লুপ্ হোইদোবক্লেদো অহাংবা মাইকৈ তম্না পাম্বা শাযাম্ য়েংনা পুকচাও-তাইবোং অনীনা হায়বক্লে, লমহেনবা পাম্বাশা ৱাইখোং থুমখোংদা অমুক্ হন্না লাক্নু কবিগুম্বদা লাক্লবদি ঐখোয়্না নখোয্বু হাৎর্ক্নি, খঙহৌদবা পাম্বাদা পাওদম্মু পুক্চাও-তাইবোং অনীনা থুমখোং ঙাক্ইর্বনি হাযনা অসুম্না পাম্বা শাযামদো শহি উশানা ফু তানলক্লে, পাম্বা শাযামসু থৱাই হিংনবা চেনখ্রেদো ৱাইখোং মযাম্না অক্নবা অনীবু লাইগী লাংওননে থাগৎনৈদো, অক্নবা অনীনা পাম্বা হোইদোক্লুবা হনজিল্লকপা শমুগী লম্শা অঙাওবা ৱাইখোং খুল্লক্তা নৈববে, ৱাইখোং তম্বা মখৈনা শামু লমশা খুল্লক্তা লৈবে হাযববদা পুক্চাও-তাইবোং অনিদো বাইখোং প্রজা য়েংনা কোলোইগী মপাও মেল্লেনে, অচৌবা শাবু ওইবনা নখোইসু নামিৎ ননা শিংনা লৈয্দো এখোয অনীসু ঙম্বা মখৈ তোংনগে হায়না মশেন্ মবাই অনীদো মবিং থাংবু পাযবেদো ৱাইখোং খুল্লক তম লাকলেদো শামু লমশা অঙাওবা শল্লুপ্দি লৈ মই, তোমচৎনবা অনীনানাক্-নাকতবু লৈবমই, পুকচাও তাইবো অনাদো শামু লমশা উবকপা খোংফম লৈদা থীল্লমই. মাব থাংবু খুৎফম্ চেংনা পাইবেদো শামু লমশা অঙাওবা তোমচৎনাবা অনিদো পুক্চাও তাইবোং অনা তম চেনাশল্লব নেদো পুক্চাও তাইবোং নাক্তা য়ৌব কাল মনাতোন্না যেং খুমাংদন হাংগং কে হাযনা মনাতোনবু লাল্লকই, অথৌবা অনীদো অকিববুদ লৈতেদো মবিং থাংবু পাইনা লফু নম্ব্রা মাবু ককগুমই. শামু মনাতোন্ কক্থৎপা লাওনা খোংনা মমাই লৈদনা চেল্লিদো খুদুংদবু যাল্লিদো শামু লমশা অঙাওবা অনাদো খোংনা লাওনা তুবেদো, শামু শল্লুপতো অথোইবা অনিনা তুববদা কায়দুনা চেনখ্রেদো, শামু লমশা অনী হাৎলবদা ৱাইখোং তম্বাশংনা যাইবেকইবা মযমদা অমুক্ হন্না লাক্ইদো, পাউবুদি তমইদো কীগন প্রজাশা-শামু শল্লুপতা কাযনা চেনখ্রেদো অচৌবা অনাবুদি হাৎহৌই। অসুম্না নোংলেন্ অহিংদুবু ৱাইখোং প্রজাগা লোইননা পোথানাখদো, অসুম্না অঙাওবা শাবু হাৎপসে কোবৌগী নুমিৎ হুর্মনি চুপ্পা হাৎলবদা শাবু তাক-তক্কা হাৎলেদো,


শামু লমশা অঙাওবা শল্লুপ শল্লুপ লাকপদো তৎতনবুদি লাক্ইদো হাৎপা য়াবসু মহাৎলী লোইববুদি নাইদেদো অসুম্না শামু লমশা হাৎপগী লোইবা নাইদ্রবদা, পুক্চাও-তাইবোং অনিদো ৱাবুদি খন্নরে, শামুগী লমশা অঙাওবা লাক্ইবদি মফমসে থীরসি হায়না থীরকলবদা ৱাইখোং খুন্দগী মখা পাংনা লাক্লগা লোইবী চীংগী চীংথক্তা শুগনু ব্রম্মা রোডতা লোইরোইনানা ঙম্বা মফমসিদা শামু লমশা শল্লুপ লাকপা থেংনরবদা পুকচাও-তাইবোং অনীনা তিমেন্ তাবু খৌশানা তান্নরকই হায়বগী তুহৈদবী হায়না ঙসি ফাওবদা খঙনরী চাইরেল্ পুক্চাও-তাইবোং অনিনা খৌশাখিবা অসি থেঙ্গৌরোল্ মাপলনী মখোই অনীনা খৌশাবা অসি চীংঙু-খোইয়ুম অনীগী মিংখৈ শোন শামু শল্লুপ্ হল্লক্তনবা খৌশাখিবনি, চাইরেল্ অথৌবা অনীনা খৌশাখিবা নুমিৎতুদগী শামু শল্লুপনা মফমদুবু চংবা ঙমখিদেদো অসুম্না শামু শল্লুপ্ তান্না য়ারৌ শাবু হাৎপসে কোরৌগী মঙানি শুবদা শাশু কয়া লাকত্রবা অদুদা ৱাইখোং প্রজাদা নখোইগী থুমহি শোক্লোদো ঐখোয় অনীনা ঙাকনি হায়না থুমহিবুদি শোক্হল্লেদো অকন্বা অনীনা তিমেন্ তাবাক্ পাইনা ঙাকইদো অদু নোংদগী পুক্চাও-তাইবোং অনীগী খুভম য়া ৱাইখোং মখৈনা ইরাৎলক্লিদো, ৱাহৈখোংগী প্রজানা পেল্লদুনা চাইরেল লমদমদা ঐখোয়না চহিগী চাননবা থুম্বুদি খুদোল্ তমসিদো হায়না ৱাইখোং মখৈনা অদু নোংদগী হৌনা চাইরেলদা পোৎ য়োনববুদি হৌখিয়ে, পোৎ য়োনবা অসি চাইরেল্ মৈনো, নিংথৌনা খোংজোম নিংথৌগী হাক্থক্ ফাওবনিদো অদুদগীদি তোক্খ্রেদো, অসুম্না ৱাইখোং প্রজাবু নুমিৎ ১৫ নী চুপ্পা ঙাক্লমলগা ময়ুম চাইরেল্ লমদম্ পাংলক্খিদো চাইরেল নিংথৌ অমদি প্রজা হরাওজৈদো, পুক্চাও-তাইবোং অনীগী তৌবা ঙম্বা অদুবু চাইরেলদা অসুম্না লৈরকপনা নোংমগী কোরৌ নুমিৎতা মৈতৈ নিংথৌ গরিবনিৱাজ মহারাজনা শামুবুদি ফানিংলে শামুবুদি লৈবা লমদম্ থীরকপদা অকল্ অথৌ লোইনৈদো হাওরৈ মখা পাংনা লাকইদো তৌবুং লমজাও তমলকইদো কোরৌগী শিংবুম্ কয়ানি শামুবুদি থীরকপা অসুম্না থীরকপদা সগাং মনিংগী লাংসৈ হায়রিবা লোক্ অসিদা য়ৌরকইদো লোক্ অসিদা শামু শল্লুপ্ থেংনৈদো শামু শল্লুপতগী অথোইবা তোমচৎনবা মাবু খনক্ইদো নিংথৌ মানা নিংথৌগী অকল্ অথৌশিং শামু মাবু ফানবা হোৎনবা শামু মানা লেপ্পা মফমদা শোংবু চল্লিদো খোংফম্ অনীরক নাম্থোকইদো নিংথৌগী

লোইনবকপা শামু অমোম্না লৈপাক প্রজা কল্লিদো, অসুম্না খোংফম্ অনীবক্ নাম্থোবকপা নুমিদাংবাইগী তাঞ্জাদা অমুক হন অহুমলক্ শুবা লাংগোয় চল্লিদো হন্দক্তি শামু লম্শা শাওবেদো নিংথৌ মনাই অকনবা অমবুদি হাৎলেনে শামু অমোম্না কনববুদি ঙম্দ্রেদো নিংথৌনা লৈবাক্ প্রজা য়েংনা নংগী নংগী নথবাই হীংনবা চেন্নৌদো হায়না চেন্নবকপা সগাং খুল্লক্ যৌবকই মৈতৈ নিংথৌ লোইননা সগাং খুল্লকতা অহিংদুবু লেকলক্ই সগাং প্রজা য়েংনা নিংথৌনা কোলোই পাওদমলক্ইদো হৌখিবা শামুনা অকনবা অমবু হাৎখিবা থৌদোক অদুদা ময়াই কাববা শামুদো শোইদনা মীবু হাৎকনি সগাং খুল্লক্ য়ৌবক্কনি, মবমসিনা শামুসিবু হাৎতবা যাদে হাববদা শামু হাৎকে হায়না তম্বা কনা চোংথোক্ত্রেদো মৈতৈ নিংথৌ অৱাবা ওইবেদো মৈতৈ নিংথৌগী অৱাবা উবদা সগাং খুল্লকপনা ইনিংথৌ ইবুংঙো শামু লমশা হাৎঙমগদবদি চাইবেলদা লৈবিবা অকনবা অনীবু থাজিল্লবদি শোইদনা শামু মাবু হাৎকনি হায়না হঙ্গৎলবদা মৈতৈ নিংথৌনা মনাইবুদি থাবেদো চাইবেল অকনবা অনিবুদি কৌকনবা, নিংথৌগী মনাই অনিনা চাইবেল কোনুংদা যাওশুবাকপদা কোলোইগী মপাও হঙ্গৎলবদা পুক্চাও-তাইবোং নখোয অনীনা ঙবাং মীবু শোকই হাযবা শামু লম্শাদো হাৎলুদো নত্রবদি মীবু হাৎপগী ময়াই কাববা শামু অদুনা সগাং খুল্লক্ চাইথাইবনি হায়না তাকপিববদা, পুকচাও তাইবোং ফবে ইনিংথৌ শামুবুদি হাৎপীগে অদুদা মৈতৈ নিংথৌ অকল্ অথৌ যাংনমান অদুদা মীবু হাৎহল্লী হাযবা কযাদা পাংদবনো তাবদা নুংঙাইতে, অসুম্না যানদনা নিংথৌ মনাই অনিগা পুকচাও-থাইবোং অনিগা লাকপনা মৈতৈ নিংথৌ গবিবনিৱাজ নাক্তা থুংলবেদো, মৈতৈ নিংথৌনা চাইবেল অথৌবা অনি শামু লমশা হাৎপীযু ঙবাং নোংদা নিংথৌ ঐগী অথৌবা অমবু হাৎথ্রেদো ময়াই কাববা শামুদো অথৌবা নখোই অনিনা হাৎপীযু হাযববদা পুকচাও-তাইবোংনা মৈতৈ নিংথৌ পাংদবা শামু লম্শা অমতা নাংঙদো থেংনা মথৈ হাৎপীগে শামুনা মীবু হাৎপদো ঐখোয অনিগা থেংনগে নিংথৌ নংসু য়েংজৌদো হাযববদা গবিবনিৱাজ নিংথৌদো শামুনা লৈবা লমদমদা পুকচাও-তাইবোং পুনা লাকলেদো লাংশৈ লোক্তবু চংলকলেদো, শামু লমশা অঙাওবা ঙবাং নোংদাবু মীবু হাৎলুবগী ময়াই কা মীবু মনিল্ তাবকপা মনাতোম্না সুন্দা থাংগৎ খোংনা- লাওনা চেনথোবকলেদো নিংথৌ প্রজা লাপতক্রবু

লৈহৌই, পুক্চাও-তাইবোং অনিদো অকিববুদি লৈতেদো মবিং থাংবু পাইনা শামু মাংদা লেপলেদো, শামুগী লমশা মানা পুকচাও-তাইবোং অনিবু উবা কাল মীবু হাৎপগী মযাই কাবিবা লমশাদো পুকচাও-তাইবোং অনীবু মনাতোন্না ফাবগা খুমাং যৈহৎ হাৎলগে মওংনি মনাতোন্না লামর্লকলেদো পুক্চাও-তাইবোং অনিদো অকিববুদি লৈতেদো মবিং থাংবু খুৎপাই চেৎনা পাইবেদো খাংফম্ শেম্না লেপ্লেদো থাংগী খুৎযান অমুকতাদা শামু মনাতোন্ লফু মতুক্ কক্কুমই, মালেম লৈদা থাদেদো শামু লমশা খোং লাওনা কুমাং অনিনা মাংদা লৈবা নেৎখাইগে হোৎনবকপা আকবা লৈতবা পুকচাও-তাইবোং অনিনা খুমাংদা মমানা যাল্লিদো অমনা খুদুংদা থাল্লিদো, শামু লমশা অঙাওবা লৈমাই থক্তা খোংনা লাওনা তুরেদো, গবির্বানবাজ নিংথৌদো অকল-অথৌ লোইননা পুক্চাও তাইবোং নাক্তা খুংলৈদো নিংথৌ যেংবদা পোল্লিদো অকনবা অনিবু [illegible] শামু লমশাগা অচৌবা মযা অনিদো নিংথৌনবু পামলেদো, মদুদা [illegible] তাইবোং অনিনা হায়নবাদ লৈতেদো থম্মৌ হেবা ফক্কুমই শামু মযা [illegible] নিংথৌনবু [illegible] নিংথৌ [illegible] পেনবদা [illegible] লৈতেদো [illegible] [illegible] পুকচাও তাইবো [illegible] [illegible] অকনবা [illegible] [illegible] [illegible] অনিদো নিংথৌনা [illegible] [illegible] চাই [illegible] [illegible] অকনবা [illegible] [illegible] অশুম্না [illegible] কোনৌনা অফবা [illegible] [illegible] থোবক [illegible] চাইবেল [illegible] এখোন অমুব হল্লখাংদো [illegible] অকনবা অনিদো [illegible] চাইবেল লমদম পানলকইদো, চাইবেল [illegible] [illegible] মপাও মেল্লেদো তাবীযুনে হীনাংথৌ পোইবে মৈতৈ নিংথৌনা [illegible]-ইবাই অনিবু হুইযেন্ লানবু ঙাক্ মৈতৈ কোনুংদবু লৈবাযু হাযজবদা [illegible]মেদো খসি ব্রাবম লৈবনা ইশেন-ইবাই অনিদি মৈতৈ কোনুংদা মংনু থর্দি লৈক্নগেদো হাযববদ যাওশুবাকপনা অকনবা অনি [illegible] তমজৈদো নযুম লমদম চাইবেলবুদি কাওগনুদা হাযনা যানবদুনা কোবৌগী অফবা অমদা

অকনবা অনীদো লাংগোই শগোল্ তোংনা মৈতৈ কোনুং পাংখিয়ে পোইরৈ মৈতৈ কোনুংদা অকনবা অনিনা লৈবা কান মতমসিদা মৈতৈ নিংথৌ গরিবনিৱাজনা অৱা লান্দখিয়ে, অৱাগী নিংথি তুরেল্ খোংবান ফাওবা অৱামখৈবু তকশিনখিযে অৱা কোনুং পেগোদা লাইশঙদা মৈতৈ নিংথৌনা থাংনা থাংফম্ হক্কম্ইদো অসুম্না অৱা মখৈবু নিংথি খোংবান্ ফাওবা তকশিন্লমলগা মৈতৈ কোনুং পাংলকখিযে, চাইরেল্ অকনবা অনীসু অৱা লান্দবা লোইববদা মযুম লম্দম চাইবেলদা পোইবৈ মৈতৈ কোনুংদা চৎনিংবা চৎ লৈনিংবদা লৈ অকনবা অনী মনিং তম্ইদো অসুম্না পাল্লকপনা পোইবৈ চাইবেল লমদমদনা নিংথৌগী মমোম্ অনী মপাবী অমা মথং-মথং ফংখিয়ে মমোম অনীগী কোলোইদি হৈবেম যাইপল্ চনু কোন্দেনু অমদি হৈরেম্ লৈফোন্ চনু খুঞ্জাল্ অদুগা মপাবীগী কোলোই মিংলেনদি লৈবাক চাকহোং-ঙাহোংএ খুনজাও লৈজাওএ হাযদুনা অঙাংগী কোলোই খুনজাও হাযনা থোল্লিদো অশুম্না অহুম্ অসি চাওনবা যোকখিসনু ।

খুমন সলাইনি কুম্না মচুনী




মোইরাম্বা নত্রগা অজিৎশাইগা লোইননা পুকচাও-তাইবোংনা গরীবনিৱাজ হাৎপা

পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্না কম্দৌরী মৈতৈ নিংথৌ গরিবনিৱাজ মচাগী খুত্তা থৱাই মাংঙু হায়বা মপাবুংগী শাপ্পু লৈবনা পোইরৈ মৈতৈ কোনুংদা মপারী অজিৎশাইনা নিংথৌ হেক ওইবগা মপাবুংবু কোইতান তান্নৈদো গরিবনিৱাজনা মচা ইবুংঙো শ্যামজাই খুরাই লাক্পগা লোইননা থাংগদা লোৎখি থাংগনা চংজফম্ পীবগীদমক খুনজাও লৈজাওরো হায়না বর পীরম্লগা কক্চিংদা অমুক মতম থরা লোৎখি মদুদসু লৈবা য়াদদুনা কক্চিং নাখোই খুনজাও লৈজাওরো হায়না বর পীরম্লগা পোইরৈ অৱা কোনুংদা চেনখিদো অজিৎশাইনা মপাবুংগা-ময়াম্লুংগা অৱাদা চেনখ্রে খঙবদগী অৱা নিংখৌদা মখোয়গী চংজফম্ পীদনবা চিঠি থাখি, অবা নিংথৌনা নাখোয় অনি মৈতৈ নিংথৌ নত্তে হায়না চিঠি থানকই মৱম অদুনা চংজফম্ পীরোই হায়নবদা শ্যামজাই খুরাইলাক্পানা ঐখোয় মৈতৈ নিংথৌ ওই ওইদে খঙনবা অবা মখোয়গা মরি তান্নসি করিগুম্না ঐখোয়না ওৎপাদ মৈতৈ নিংথৌনি খঙতু ঐখোয়গী চংজফম পীযু হায়না য়ানরবদা ইনুংদুবু লেপ্লগা মপাগী নুমিৎতা অৱা মখোয়গা মরি তান্নরে মহৈ তান্নবদা শ্যামজাইনা খোইদুনা মপা-মচাগী চংজফম্ লৌখিদো, মসুন্না অৱা লৈবাক্তা নিংথৌ মপা মচাদো মতম থরা লৈখিদো পোইরৈ অৱা লৈবাক্তা মপা লৈরে হায়বা খঙলবদা চাইরেল ফংলবা মনীদা অজিৎশাইনা হায়জ চৎচ বাহৈনা নোনজ মওংনা অকনবা মনিবু মৈতৈ নিংথৌ হাৎপদা তেংবাংবীযু হায়জববদা মৈতৈগী ঈবু শেংদবা গরিবনিৱাজ মাবু হাৎপদা তেংবাংগে য়াখিদো, পুকচাও-তাইবোং অনিনা নিংথৌগী মচা অজিৎশাইবু লোইনবে লাংগোই শগোল তোংনা তিমেন তাবাক্ পাইনা অৱা লৈবাক পাংলক্লেদো অৱাগী নিংথি তুরেল্ খোংবান্নী শ্যামজাই খুরাই লাকপা মপাবুংবু থৌগল তৌনা লৈরম্মীদো তমবা নুপা অহুম লাংগোই তোংনা লাক্পদো অবাপ্পাদবু উরকপা মপাবুংবু য়েংনা কোলোইগী মপাওবু মেনজৈদো পাবুং হন্দক্ লাগোই থৌনা লাক্ইবা তম্বা অহুমসে অতৈবুদি নৎতেদো পুকচাও তাইবোং লোইননা শানৌ অজিৎসাইনিদো পাবুংবু য়াইবী

লৌগে তেমশিংনবনিদো পাবুংগী যাথংবুদি ফংলবা লাংগোই মানা তানববুদি ফংলোইযে নিংথি তুবেল্ ৱাংমা লান্ পাবুংবু পুনা চৎকেদো হায়ববদা গবিবনিৱাজ নিংথৌনা কবিগী অদুক ফিংগৎপনোদা চাইবেল্ পুক্চাওতাইবোংদি নিংথৌ ঐবুদি হাৎলোইযে, হাৎপ তাববসু চিংগোই পাওমেন্নগনিদা হাযববদা শ্যামজাইনা পাবুং ইবুংঙো নুংশিবা পুক্চাও-তাইবোং অনীসে যাৱা পা ওমেন্নবা যাবোইযে, শানৌ অজিৎশাইনা হান্না মথৌবুদি শংলবনিদা। নিংথৌনা চেনশি যাদ্রবদা শ্যামজাই উপাইবুদি লৈতেদো তৌফম্ খঙ্দা লৈবিঁঙে, পুকচাও-তাইবোং লোইননা অজিৎশাইদো যৌশিল্লক্ইদা যৱা পাউমেন্নবা নংদেদো তিমেন মানা থৌগল্লীদো খুদক্তা পুক্চাও তাইবোং অনিনা তিমেন্ তাবাংখিয়ে গবীবনিৱাজ নিংথৌদো পাইমা পুক্লিং নুংশিখিদো চাইবেল্ অকন্বা অনীনা তেংবাংদ্রবদি অজিৎশাইনবু থৌবম্সি পাংঙম্ লোইযে অসুম্না খন্ নিংথৌনা পুক্চাও-তাইবোং মক্মদা শাপ্পুদি তৌবক্ই অসুম্না চাইবেল্ নখোযসে অকলগী অথৌদি পোক্উদো অদুগা অমুক্ অমুক শীবদা মংগে লৈকিন্ থবগুম্ শীযুদো হাযনা শাপ্পু তৌইদো নিংথৌবুদি হাৎলবা তুং শ্যামজাই মাবু তমলক্ইদো শ্যামজাই মাদি খুৎলৈ থুনা মপাবুংনা তুখ্রবদা যেনবা লাবা ওন্ নিংথি তুবেল্ লান্না পাইখিদো, অসুম্না অজিৎশাইদো মপাবুং হাৎলম্লগা পুক্চাও-তাইবোং অনি লোইননা পোইবৈ মেতে লৈপাক্ পাংলক্খিদো, মৈতৈ কোনুংদা অজিৎসাইনা নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদা চাইবেল পুকচাও-তাইবোং অনিদি মযুম লমদম্ চাইবেলদবু লাক্খিদো।

মোইরাং সলাইনি অরাংবা মচুনী।



অহুম শুবা শরুক

চাইরেল্ নিংথৌ য়াওশুরাক্পগী মচা নুপী হৈরেম্ য়াইপল্ চনু কোন্দেনুনা মথোক্ কারক্লবদা ইনজিং-লোংখোন্ তৌনবা পাং মচা অমা থমই। পাং অদু মচাগী মমিং লৌদুনা কোন্দে পাং হায়না কৌই।

অমরোমদনা মোইরাং নিংথৌগী মচা ইবুংঙো খেলেন্ নুংনাং লৌথিবা শক্নে চুনে লাইগী লাইপোক্ অমা ওইবগী চিংথবা অমতা লৈতে নিংথৌ মচা অমা ওইবগী শেংতোক্ চাথোরক্পদা পক্‌ইদো লাঙ্গোই শাগোল্ তোংদুনা খুৎজু খুৎলাই পায়রগা চীংয়া তম্য়া কোইনা য়ারৌ শা তানবা চৎলক্পদা নোংচুপ মাইকৈদা তোর্বুং য়ৌরে। নোংম-নোংমগী মাইকৈশিনবনা খুগা তুরেল লান্দুনা মখা পাংনা দামপী চীংশা হাওতক্ চীংগোন্নচিংবা শা-থিরম্মী নোংমা-নোংমগী মফম হোংলকপনা শগাং লুখুম্বী চীংয়া তম্য়া চৎলকপনা চাইরেলগী লম্ য়ৌরক্লে।

চাইরেলগী নিংথৌগী মজা ইবেম্মা কোন্দেনুশু শারেপ্ ফারক্পাগী হৌনবী শক্তা চুদা শাওং শাথেক্তা মীওইনা পোক্পগী অৱাৎপা অমতা লৈতবমখে ফজবদা শিংথানবে। চাইরেল্ পাখংদি লাইরদুনা মতারোই মমাননবীশিংনা নুরা মাগী নাক্তগী হেন্দোক্নিংখিদ্রে। কোরৌ নুমিৎ খুদিংগী মশুং মমান্নবী কযাগা নুরা অউনপোং কোন্দে পাংতা ইনচিংবা লোংখোন্দুনা ঙা ফারকই। কোন্দে পাংকী ঈশিং চিথফম্ তুরেল্ অচৌবগী তোর্বান্দা পন্থৌ মপানা খাংপোক্ অমা থনবী। খাংপোক্ অদু নোংচুপ্ মাইকৈ খাজিল্লি মাইকৈ অহুম হাংহল্লী নুংথিল নুংশা শারবা মতমদা খাংপোক্ অদুদা নুংশা খাংই ময়ুম-ময়ুমদগী পুরকপা তবা চায়োম চার্মিন্নে। অসুম্ তৌনা কোরৌ নুমিৎ খুদিংগী কোন্দে পাংতা লোং খোনবা কোন্দে খোংজিন্দা ইন চিংবা লেপ্লক্তে। খোইয়ুম খোংদম্না নুরা পাখং অনি শক্থং মাইখংনৌ তম্লম্বা মাল্লি। কোরৌ নুমিৎ অমদি মোইরাং নিংথৌ মচা খেলেন্ নুংনাং লৌথিবদো তরা চাক্ঙন্ চাদুনা মখা পাংনা চীংয়া তম্য়াদা য়ারৌ শা তাল্লক্পদ, নুরানা লৈবা মাইকৈ শন্দংপন্ য়ৌরক্লে। শন্দংপন্ কোন্দে পাংকা তাইনবা চীং মচা দামপী চীংশাংনী খেলেন্ নুংনাং লৌথিবনা

চীংযা উকম্ অদুদা ঙাইহাক পোৎথাদুনা লৈ। মহাক্না যেংখিবদা তুবেল অচৌবগী ঈশিং অচেম্বা উবকই। লাইজ ইখৌ লাংলক্লুনা ঈশিং থক্কে নিংলক্ই। পাংকী ইফম্ থক্পবুদি অচেনবা তুবেল লাইজ থকপনা ফৈ খন্দুনা তুবেল তম্না কুমলক্ই। নাবক্ মোশোং ওইবনা কোন্দে খোংজিনদা মী লৈ হাযবদি খংদে তুবেলদা কুমদুনা ঈশিং থক্লুনা অবাম্ খৌবাং কোক্লবদা পাখং মানা নোংচুপ পাংনা যেংখিবদা নুবা ওইবী খবা ইন্ চিংবদ্ উকবে। মযাম্ অদুগী মবক্তা চেংলৌ হেনবী অমা যাওবদু যেংখিবদা নুবা মাশু যেংলকপদা অনী অদু মিৎচানকবে। অনি অদু মিৎযম্ হোংদোক্লবা ঙম্নদদুনা চাইহাক্ অনিদু মিৎ চানদুনা লৈনখ্রে। খেলেন্ নুংনাং লৌথিবনা খাল্লি ফজখ্রেদা অচম্বা মচাদি ওইবমলোই। ঐগী হৌখিবা পুন্সি খবা অসিদা অসুক্ নিংথিবী অমতসু উখিদ্রি। মবি মখোংদি খংখিবনা চুমই খন্দুনা খোংথাং খবা থাংজিন্দুনা "ইবেন্মগী অশেংবা শক্ তাক্পীবা যাগদ্রা ?" নুবা মাগী নাখলসু নিংথৌ মচাদগী থোইনা তাদে।" নুবানা যাগনি অশেংবা হাযজগে "ঐহাক চাইবেল নিংথৌ যাওশুবাকপগী মমোমনি ইমিংনা কোন্দেন্ কৌজে"। নচলগীসু তাকচববনিনা পাখংগী অমুক্তা তাক্পীবম্মু। "ইবেন্মা ঐহাক মোইবাং নিংথৌগী মপাবীনি ইমিংনা খেলেন নুংনাং লৌথিবা কৌই। নিংথৌ মচা ঐখোযগী হৌনবা চীংযা তমযাদা যাবৌ শাতান্বা লাক্পদগী মফম্ অসি যৌবকর্পনি। "নচল ওইবী ঐখোযসু পম্লৌ ইপানা পীবাবা পাৎ অসিদা ইনজিং লোংখোন্ তৌজবনি কোবৌ নুমিৎ খুদিংগী তবা চাক্ঙন চাবগা পাৎ অসিদা লৈজে। খেলেন নুংনাং লৌথিবনা হায়বকই নুবাগী নাক্তা মতম শাংনা লৈনিংই অদুবু ইযুম্ লমদম তাম্বানা ঙসিদি তাংলৌ লৈথখ্রে মোংবা শংলেন্ যৌবগে হযেং চাযোম্ পুদুনা লাকচগে চামিন্নসি"। ব্রাহৈ খবা হাযনবগা নিংথৌ মচা লাঙ্গোই তোংদুনা মযুম মোইবাং পাংখ্রে। লাঙ্গোই তোংনা লাক্পনা খেলেন্ নুংনাং লৌথিবদো ব্রাখল লৈতফম্ খংদ্রে। নুংথিলগী থৌদোক্ অদু মঙ ওইবমদ্রবদি ফগনি খল্লি। চৎনা-চৎনা মাংদা উদুনতা লৈখ্রে। কোন্দে পাংকী লমদমদসু নুবা কোন্দেনু থম্মোই হামচৎ হাম্বোইনবে থেংলদুনা মতাবোই মখৈগা চাইবেল কোনুং পাংলক্লে 'মাংদা থোক্খিবা থৌদোক্পু উদুনতা লৈখ্রে। অসুম্না অহিং অদু হৌখিবা খংহৌদে। নোংঙাল্লগা নুবা চেংহি শম্বাল্ লাংদুনা তবা মথেল লাংলে। মোইবাং নিংথৌ


মচানা চয়োম পুদুনা লাক্কে চামিন্নশি হায়বা অদু কাওদে। হৌখিবা নুমিৎ কয়াদগী নুমিৎতুনা খরা ঙন্না হোৎনজৈ। তরা চয়োম্ নিংথিনা য়োমদুনা মতারোই মমান্নবী হৌনদুনা কোন্দে পাৎতা লাকচখি। কোন্দে পাৎতু মহৌশাদগী হেন্না ফজবগুম্ উজখি। কোন্দে পাৎ অচৌবা পাৎ নত্তে অদুবু মশাগী ফজবা অমদি ওই। নোংচুপ থংবদা দমপী চীংশাগী লোক্নুংঅমদগী ইপান থাদা ঈশিং তত্তনা চেন্থরকই। মখা থংবা চীংগা তাইনবা, শরুক্তা থম্না থম্বালনা ফজনা লৈতেংলবা লৌ পরিমুক্ চাওবা মফম অমা লৈ। ঈশিং ঈমাই মথক্তা থম্না খেঞ্জোং থম্বালনা ঙাংনা ঙৌনা শাৎপদো পুক্লিং হুনাবগী মশক্কি। পাৎকী ঈশিংনা তুরেল্ অচৌবদা চেন্থরিবা অদুবু কোন্দে খোংজিন্ হায়না খংনৈ। অদুগুম্বা মফম্ অদুদা নুবানা মমাননবীশিংগা ঈন্ পরেং থাবা হৌখ্রে। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নিংথৌগী মজা ইবুংঙো খেলেন্ নুংনাং লৌথিবা হায়নখিবা মতুংইন্না তরা চাকঙন চাদুনা চয়োম য়োমখ্রে। থৌরাং পুমবা লোইরদুনা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা খা পাংনা থৌরক্লে। নুমিৎনা কোক্তোন হায়থরক্লবা মতমদা মোইরাং নিংথৌ মচাদু থুংলবে। পম্বৌ য়াওশুরাকপনা শাবীবা খাংপোক্ অদুদা চংদুনা মোইরাং পাখংগা কোন্দেনু মমান্নবী কয়াগা তরা চয়োম্ চামিন্ন ৱারী ৱাতাই কয়া শান্নজৈ লৈমিন্নরিবশিং অদুগী মনুংদা নুরা কোন্দেনুগীদি খোংলোই য়াওই পাখংগীদি য়াওদে। অদুম ওইনমক্ লৌশিং শিংবী কোন্দেনুগী মমান্নবীশিংনা ঐদি ইবুংগী মিচং ওইগনি হায়দুনা মযাম্ নোক্মিন্নৈ। অসুম তৌনা কোবৌ শিংবুম্ কয়া নুমিৎ খুদিং লাক্তুনা কোন্দে পাৎতা নুংশি ৱারী শান্নজৈ। নোংম-নোংমগী অনৗগী নুংশি লিপুন হেল্লক্খি। লৌনসি লৈনসি ৱাশক্লে শিবদা হৈনা তুং ইন্নসি ৱারেপনৈ। অসুম্না পাখং নুরাশিং নুংথিল তরা চাযোম চামিন্নবা অসি কোবৌ মশিং কয়া হৌখ্রে কৌরৌ নুমিৎ অমদি পাখং নুরাশিংনা চাযোম্ চাবা লোয়রকপা মতম নুংশি ৱারি শান্নরিঙৈদা য়াম্না নক্না শজি অমা ঈশিং থকপা উরে। শজিগী ফজবা মওংমতৌদু উবদা নুরাগী পুক্লিং খোযদাকুরমাল্লে মশাবী য়েংদুনা হায়জরকই। ইশাবী ইবুংঙো থংলেন্ পাম্মুবা নংবু মীনা হায়নৈ মোইরাং নিংথৌগী মজা ইবুংঙোদি শাবম্ খংবা শাফা ৱাঙম্ তানবনি। অদুনা মাংদা ঊবনা শজি অসি নচলনা খোইদনা নুংশিজৈ শজি অসি ফারগা নিংঙোলনা মকোন শাদুনা থমজনিংই। পম্বৌ মশে হায়নদুনা নিংঙোলনা থংলেন নাক্তা

লাকচবদা শজি অসি পুজরক্নে। শাফা হৈবা ইবুংনা শজি অসি ফাবিয়ু। থাগৎপদা হরাওদবা মী তাইবংদা পোক্লি হায়বা য়াই। কোন্দেনু মথৌনা মরৌশিং লৈবা চাইরেল নিংথৌ য়াওশুরাকপগী মমোমনি, য়াওশুরাক্পগী মমোম্ মপুনা শেম্বাদা অমখক্ য়াওরবদি ওক্নে হায়বা শক্লোন্ অদু মফম্ খুদিং শুনা অমত্তা ৱাত্তনা য়াওরবী নুরা কোন্দেনুনি। মশানৌগী মপাওখোল্ তবদা খেলেন্ নুংনাং লৌথিবা শজি ফাগে হোৎনজে। মশানৌ নাক্তগী হৌগৎলগা নাকোইননা চৎতুনা শজি ফগে থৌরাংলক্নে। মীনা শিনবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা শাফা হৈবা মোইরাং নিংথৌ মচাদো শজি ফাগে তৌবদা কংফানলোমদা কারবদি ঐবু শোয়দনা ফাখরনি খন্দুনা শজিদু লাইজ ঈপাক্তা চোংথদুনা ঈৱাংমা লাম্বোকখ্রে। খেলেন নুংনাং লৌথিবা নিংথৌগী মচাশু ইকাই নুংশি য়ান্ননা ঙমগে ফাগে মতাগুম্ তিমেন্ খুৎতা পায়দুনা ঈশিং ইরানখ্রে। শজি নমদুনা ফাগে হায়না তান্নরকপনা চীংয়া তময়া অশোংবা মফম কয়াদা লৈশিন্নে শারম্ খংবা পাখংনা শারোৎফম কয়া নৈখাইরকপদা য়ারৌ খাংবা ঙমদদুনা মখা পাংনা চেম্থ্রে। কোরৌ নুংথিল্ চুপ্পা তান্নবদা নিংথৌ মচা ৱারে। মশানৌ মাংদা চংনা ফাগে য়াখিবনি অদুবু কোরৌদি লৈথরক্লবনিনা ফাদবদি য়াদ্রে শিনা ওইববসু ফাগে খল্লক্নে। শজিনা ঈরেন অমগী খোংবান্দা চংখ্রে খেলেন্ নুংনাং লৌথিবা তিমেন্ খুৎশু পাইদুনা শজি তম্না লংখ্রে মহাক্কী তা অসি থাংজ তরেৎনা তিন্দুনা শাবা হুনখ্রবদা পান্দবা লৈত্রবা তিমেন্ তানি। শজি অদুসু অচম্বা ওইরমদ্রে চীংঙু লাইনা শাযোন্দুনা মাইকৈ অদুবু কোনবা শজি ওইরমদুনা তা পান্খিদ্রে। তুরেল ঈরেন্ অচৌবা ঈৱাংমা লান্না চেনখ্রে। অশাওবা নুংঙাইতবা অমা য়াওনা নিংথৌ মচা তা খুললমদ্রে। ঈৱাংমা লান্না য়ারৌ শজি তান্নখ্রে শজিনা লানখিবা ঈরেল অদুদা তাগী তাখোকতা য়াওবা লৈতেং চাক্ৱাই অদু ঈশিং ময়েং তারকপাদা লৈরম্মী হায়বগী ঙসি ফাওবা চাক্ৱাইতা ঈরেল্ হায়না কৌনৱী তাদু ঈশিংদা কুইনা লৈবদগী চাথৎতুনা চেংলম্মী হায়বগী তাজেং-তাংজেং হায়না কৌখি। অসুম্না শজি অদু অমুক হন্না চীংয়া তম্য়া চেনখিবনা ঙসাই অঙন্বদা শজিনা ঈশিং থক্ফম্ অদুগা থংননা লৈবা ঈরেল অমগী চীংজিন্ অমদা কাখৎলগা লাইজ ঈরেন্ য়েংদুনা লৈখ্রে। শজিনসু খল্লি ঙসি ঐবু তান্নরিবা মী অসি অচম্বা মীদি ওইররোই। মাগী মখুত্তা ঐগী থৱাই থাবদি লাইরমলেন্না ঐবু নমুংনগনি

অদুনদি তান্নরকলিবা মানা থুংলবগা ঐহাক্ লাইজ ঈরেন্দা চোংথদুনা লাইরম্লেন্দা চৎখ্রগে খন্দুনা লৈখি। নিংথৌ মচাসু অশাওবা মৈরি য়াওনা নিংঙোল্ মাংদা চাং তনিংদদুনা থাংলেন্ খুৎশু পাইনা শাখোঙ লিরক্ই। য়ারৌ শজিগা খেলেন্ নুংনাং লৌথিবা নিংথৌ মচাগা তুংথ-মাংথ তান্নরকপা অদু কোন্দে খোংজিন্দা ইন্ চিংলিবী কোন্দেনু উবা ফংই। নিংথৌ মচানা কোন্দে খোংজিন্ তম্না মশানৌ চেংলৌ য়েংলিঙৈ য়ারৌ শজি অদু তুরেল ঈরেন্ অচৌবদা চোংথখ্রে। শজিনা ঈরেন্দা চোংথখিবদা নিংথৌ মচাসু থাংলেন চেৎনা পাইদুনা ঈরেন্দুদা চোংথখ্রে। খোইয়ুম লাংওন ঙাক্তা ওইরম্লে, শজি অমদি নিংথৌ মচা, ইপাল্লাংদা ফাওরক্লে। মথংলেন্না ইফাওরক্রুবদা কোরৌ নুমিৎনদি থেংলবদা কোন্দেনু পাইম ব্রাখল তৌরকই। ঐগী পুন্সিদা অমতা ঙাইরে খঞ্জবা থংলেন্ মানা ইফাওরক্রুবদা ঐনা তাইবংদা হিংবগী করি কান্নগনি । পাম্মু হৈনা তুংইনগে হায়বা অরেপ্পা ব্রাখল ওইখ্রে। য়েংবা য়াবা মতম কয়া য়েংলমলগা কোরৌনা থেংজিল্লক্লাবদা কোন্দেনু মরুপ মপিজা কনা তাক্লমদনা কোন্দে খোংজিন নুরাগী ইন্ চিফমদগী তুরেল্ লাইজদা চোংথখ্রে। মরুপ্ মপিজাশিংনা খাম্বসু নংহৌদ্রে ব্রাংলেন্ পুংজা খরা য়েংলগা উপাই লৈতদুনা চাইরেল, খুন্দা চৎতুনা মপা ইবুংঙো য়াওশুরাকপদা পাওদম্জরুরে। য়াওশুরাকপা নিংথৌ মমোমগী থোকখ্রিবা পাওদু তাবদা চাইরেল্ পুংজাও থিনদুনা লৈবাক প্রজা কৌখৎলে চাইরেল প্রজা মীয়ামদু কোন্দে খোংজিন্দা লোইনা তিল্লে। ইরুপ্পা হৈবশিংনা তুরেল থুংনা ইরুপ্পুনা মমোম কোন্দেনু থিবে। উচান্ মৈরা চাওনা চমদুনা নুমিৎতুগী অহিংদু ইরুপ্পুনা থিনবদা মমোম কোন্দেনু থিবা ফংদ্রে। অসুম তৌনা অহিং অনি নুংথিল্ অনি থিবদা কোন্দেনুগী অশিবা মশা ফংখিদ্রে। হুমনি শুবা নুমিৎনি তোরৈ অমা চৎথরগা তুরেন্দা তুখিবা তেরা উবাং উশা অমদা কোন্দেনুগী অশিবা হকচাং পন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। কোন্দেনু মশা পল্লম্বা মফম্ মশা লৌখৎলগা মচুম কংনাবা থমখিবা মফমদু ঙসি ফাওবা শাগংবা হায়না খঙনরি। মতম অদুদা চৎনরম্বা খুনগী মীওই অমা লম্লক্তা শিখিবা তারবদি মখুন্দা লৈবা মংলেন্দা তিনবা য়াদে লম্লক্ত মথৌ মঙম্ তৌবা চৎনৈ। চাইরেল নিংথৌ মানা পোকচবী ওইরবসু মমোমবু মখুন্ মংলেন্দা পুশিনখিদে চাইরেল মাগী লম্ ওইবা শাগংবগী তুরেল ব্রাংমদা লাম্থোক্তুনা

মমোমগী অশিবা হকচাংদু লৈবোন্‌ চনবগী থবক্‌ থৌবম্‌ পাংথোক্‌খি। মমোম ইবেম্মা কোম্দেনু মীপুম্‌ খুদিংনা ফজে, নুংশি হাযনা শোন্নবম্বা, মচানা, অবোইবা য়াহিপ তানখিবা অদুদা থম্মোই শোক্লা তেংথাখি। হা ইমোম ইবেম্মা নংনা মনুং মতম চাদনা পোম্বীনা মখোক লোইদুনা কেনবগুম্‌ কেনখিবদি কল্লক্‌ইদা হাযনা তেংথাখি। অদু নোংদগী লমদম্‌ অদুবু পোম্বীখোক হাযনা খংনখি। নুবাগী মংওইখিবা মফমদু হযিৎ পাম্বী হৌই। চাইবেন্না হয়িৎপু থৈচং কৌই। নুবাগী মংফম অতোংবা লৈশৌপুং অদুবু পোম্বী খোক থৈচংপুং হাযনা কৌখি।

মোইরাং সলাইনি অরাংবা মচুনী ।



মরিশুবা শরুক্

অসিগী মতুংদা চাইবেল নিংথৌগী মচা মচিন্ মৌপ্‌ব্রা হৈবেম্ লৈফোন চনু খুনজাল লৈখম্ ফাবা থৌদোক্ অসি থোকখি হাযবিবা মচিন্ মৌপ্‌ব্রা অসিনা মপুং মবৈ ফাবকপা মথোক-কাবকপা মতমদা মৌপ্‌ব্রা খুনজাও অসিদি খুৎজু খুৎলাই পাইদুনা লাংগোই শগোল তোংদুনা যাবৌ শা থিবা চৎলি, মচে হৈবেম্ লৈফোন চন্‌দি মতাবোইশিংগা লোইননা পাখং মচাশিংগা কোন্দে খোংজিন্‌গী মাযোক্লনা লৈবা তুবেল্ ব্রাংমা হৌজিক্লা নুংঙুনা খুন্দাবিবসিগী মখা থংবা শকক্তা লৈবম্না হৈকোল্ লৈকোল্‌দা চৎতুনা কোইজবম্মা। নোংমদি হৈবেম্ লৈফোন্ চনু খুন্‌জালনা উযুং পাম্বা অমগী মথক্তা শাৎপা লৈবাং লৈখম্ উবদা পুক্লিংদা খোইদকবে লৈ অসি হেক্লগা পিবা ঙম্না নপা অদুদা মহাক্ লৈগে হাযদুনা বাশকখ্রে, অঙকপনি চীংঙু খোইযুমগী নোংদম্ নিংথৌগী মচা খুনজাও মৌপ্‌বাদু যাবৌ শাতানবা চৎলুবগী লংগোই তোংদুনা হল্লক্‌পদা উযুং মথক্তা শাৎলিবা লৈখমদু তেন্না কক্‌লগা মচেদা পিববে তৌবিবা মতৌ অদুদা হৈবেম্ লৈফোন্ চনু লৈমাহদা লুক্‌থদুনা লৈঙ্গে এঁসি লে অসিবু হেক্লগা ঐঙোন্দা পীবা নুপা অদুদা লৈগনি হাযনা বাশকখ্রে, হাযনবদা মৌপবানা ফবে অদুদি ইচেগী নিংবা থংনবা মফম মাস থাদোকচুনা অতোপ্পা মযাম অমদা চৎলসি হাযদুনা লাংগোই শগোলদা নচেবু পুদুনা অবাং পাংনা চৎখ্রগা অবোংগী হৈবোং ফৈদোংবৌদা পেপ্পাদনা লৈবমলগা ইবান্দুনা অবাং পানা মচেনা মমাং থাদুনা অথেনবা ঈশিং যংদুনা মফি তাখৎতুনা চৎপদা মৌপ্‌বা অদু অপাম্ মিহৌ ফাওবক্তুনা কোন্দুনা পোৎথাখি হাযবগী মাহনম কোননা কৌখি অদুগী মতুংদা মখোযগী অচোৎপা ফি অদু ফৌথবা মযামবু নিংথৌ হাযনা খঙনখি। অসুম্না চৎলুববা মতুংদা অমুক্ হল্লক্তুনা পুনকসি লাংবেম্বাগী লোক্‌তা লোৎতুনা পোৎথবিঙেদাচাইবেল নিংথৌনা থিনকপদা থেংনবদগী মফম্ অদুদা মচিন-মৌপব্রা কোম্ তৌদুনা ফুমজিনখি।

খঙহঞ্জবা ঃ কোন্দেনু অমাদ হৈবেম লৈফোন চনু খুনজাল লৈখম ফাবা মচিন মৌপ্‌বাগী বাবী অসি কবম্বা নিংথৌগী হাক্তক্‌তনো হাযবসি চপ-চানা খংদবা মবমনা চাইবেল নিংথৌ য়াওশুবাকপগী মচা ওইনা হাপচবে। অসুম্না

পোইরৈ চাইরেল্ লমদমদা য়াওশুবাকপনা থুপশ্নবদা পুকচাও তাইবোং অনিনা চাইরেল্ খুঙ্গং ঙাক্ পাল্লকপনা মতম খরা পাল্লমলগা পুকচাও-তাইবোং অনিসু থুপখিদো পুক্চাও তাইবোং অনিনা থুপখি মফম অদুবু ঙসি ফাওবা খুভম যাদুনা ইবাৎলিদো।

"হৌজিক্কী চাইরেল্ খুনফমলেন্দা নিংথৌ ওইখিবশিং"ঃ

চক্পা চাইবেল্ নিংথৌ যাওশুবাক্পানা থুপশ্নবদা মথং-মথং পাল্লকপা নিংথৌবোল্ খবা পীজবী মখোয়শিং অদুদি —

অহানবদা নাওবেম্ খোমবনা চাইবেলগী নিংথৌ ওইনা লাতা পাননদুনা মচা অনী দেবাবাম্ অমদি কালা বাম পোকএ। অনিশুবদা সোবোখাইবম কর্ণনা চাইবেলগী নিংথৌ ওইদুনা লাইশ্রম চনু বার্পাতি পান্নদুনা মচা নুপা যাপ্রসিং পোক্এ। অহুমশুবদা এলাংবম তানানা চাইবেল নিংথৌ ওইদুনা সোবোখাইবম্ ধাবাবন্ পান্নেযে শোইনদেযে। মবিশুবদা সোবোখাইবম্ জিবোন্না চাইবেল নিংথৌ ওইবে লাইশ্রম চনু কালা পান্নদুনা মচানিপা পুংলেনখোম্বা অমদি জিকোনসাবা পোক্এ। চাইবেল নিংথৌ জিবোননা ওইবা মতমদা মৈতৈ নিংথৌনা লাক্শিনবা ৱাবা চাসাৎ নিংথৌ থোংখুনা চাইবেল্ নিংথৌগা মতাও শান্নদুনা অচেৎপা মবি থল্লর্বদি কনানসু লাকচবা ঙমলোই খন্দুনা মতাও শান্নবে অসুম্না মতম খবা অৱাৎ অপা মেন্নদুনা পাললবা মতুংদা চাসাৎ নিংথৌনা জিবোনগী মচানুপীবু চাসাৎ নিংথৌ থোংখু মচা লাইবগী মমৌ ওইনবা হায়রুগে হাযদুনা লাকখি চাইবেল যৌবক্লবদা জিবোন্ নিংথৌগা ফমমিন্নদুনা বাবী শাম্মিন্নে চসাৎ নিংথৌনা ইতাও চাইবেল্ নিংথৌ নংগী নচানুপীসি ঐগী ইচানুপা লাইবগী মমৌ ওইনা পীনৌদো হাযববদা মতম্ অদু মণিপুবদা হিন্দু ধর্ম্ম চংলকপনা মবম ওইদুনা অমাং অশেংগী ৱাখল্না মচানুপীবু পীনিংদ্রেদো অদুবু চাসাৎ নিংথৌদদি পীগে হাযখি অসুম্না চামিন্-থর্ক্মিন্নববা মতুংদা মতম অদু ঈশিং চাওবা মবম্না মতৌ ফাওবা হিদা থিল্লু হাযনা চাসাৎ নিংথৌনা হায়বদগী চাইবেল্ নিংথৌগা লোইননা থিনখি অসুম্না থিম্বা চৎপদা হাওবৌ তেবাদা হীবাক্লুনা


চাসাং নিংথৌ অমদি মহাক্কা লোইনবকপশিং হাংখি অদুগী মতুংদা নিংথৌনা শিবক্পা নোংথ্রৈ লীক্ফাং পাবেং লৌবগা চাইবেল নিংথৌ মযুম্দা লাকখি লীক্ফাং নোংথ্রৈ পবেং অদু তোনসেনগী হনুবী অমদা যোনখি মতম খবা লৈবগা চাসাং নিংথৌ থোংখুগী মচা লাইবা চাসাংশিংগা লোইননা মপাগী খোঙ্গুল লীবক্লে চাইবেল্ নিংথৌদা ইপানা শিখিবা লিক্ফাং অদু কাদাইদা লৈখ্রে পীযু হাযববদা চাইবেল নিংথৌ জিবোন্না তোন্শেন্দা যোনথোক্খ্রে হাযববদা চাসাংনা তোন্শেন্দা লান্দখি তোন্শেন্ কাইদুনা চেননখি অমুক হনজিল্লক্তুনা তোনশেন্না নোংথ্রৈগী লীক অদু চাইবেল নিংথৌদা অমুক্ পীবক্খি। চাইবেল্ নিংথৌনা খেন্দে নিংথৌদা অমুক খুদোল তমখি। অসুম্না চাসাং নিংথৌ মপা হাংখিবগী চাইবেল মথক্তা লমন্ খুম্গে খন্ মণিপুবদা লৈবিবা চীংমীশিংদা লানবাংনবা চীংমী নিংথৌ খুললাক্পশিংদা শাদুম পীদুনা বর্তন চৎপাদা খেন্দে নিংথৌদা চাইবেল্ মথক্তা লান্ তাবদা যাওবিযু হাযনা বর্তন পীববদা খেন্দে নিংথৌনা খদক্তা শা অমুক্ কাইদুনা শাদুম্ যেনদুনা চাইবেল মথক্তা লান তাবা যাবোই লানদগে হাযববদি খেন্দে ঐখোযগা হান্না লানথেংনখিসি হাযনা চীংমী নিংথৌ খুল্লাকপশিংদা পাউ পীখি নুংবান্ পোক্পীদা লৈদুনা মনাও চাইবেল্ থক্তা লান তাবা যাবোই হাযদুনা ঙাক্খি। অসুম্না চাসাং নিংথৌনা চাইবেলদা সান্দবা ঙমখিদে।

মঙাশুবদা সোবোক্খাইবম তুমুলাক্পানা চাইবেলগী নিংথৌ ওইদুনা লাইশ্রম চনু বিশেস্তবী পান্নদুনা মচানুপা মনি পোক্এ। (১) জিলা (২) কমল সিংহ (৩) ইবুংঙোতোন অমসুং (৪) হেবাসিংহ

তরুকশুবদা লাইশ্রম উধোপ্না চাইবেল নিংথৌ ওইদুনা সোবোখাইবম্ চনু তনু পান্নে।

তবেংশুবদা সোবোকখাইবম্ কোমোলনা চাইবেল নিংথৌ ওইদুনা এলাংবম্ নিংঙোল তোলৈ পান্নদুনা কোন্না পোকএ, নিপাশুবদা পানবা নিংথৌদি নাওবেম্ খোংজোম্নি মহাক্না লাইশ্রম্ নিংঙোল ইবেমতোন্ লৌদুনা (১) অঙৌ অমদি শ্যাম্কেসো পোক্এ।

খাবা সলাইনি অশংবা মচুনী ।



মঙাশুবা শরুক

নিংথৌরোল মথং-মথং লাক্পনা চাইরেল্ খোংজোম্ নিংথৌনা পানবা মতমদা চাইরেল্ খুঙ্গংদা তাইবোং চৌকিদারগী মচা ওইনা চাইরেল মৈনো পোক্লেদো মৈনো মানা পোকলবদা মমান্নবদগী শাহৌ হেন্ শাম্বা পাঙ্গল্ ফর্বানিদো কংলৈপাক্লা লমতুপ নাইনা খুন্দারম্বদগী নোংদা লাইরেল পাখংবগী ধাবনা লৈঙাক অমতগী মখাদা থমদুনা লৈঙাক্ অমগী মখাদা অপুনবা মৈতৈ লৈবাক্ ওইখি।

মণিপুরদা চুরাচান্দ মহারাজনা খৃষ্টাব্দ ১৮৯১-১৯৪১ ফাওবা পানবা মতমদা চুরাচান্দ মহারাজনা খোংজোম্ নিংথৌরু চাইরেলগী নিংথৌ ওইনা হাপলমইদো তাইবোং চৌকিদারগী মচা মৈনো মাগী শাহৌ ফবা শম্বাগী পাঙ্গল ফবরু উবগা নিংথৌনা লুনা চান্না তৌইদো নিংথৌনা চাইরেল্ মৈনো মারু থেম্ মৈতৈ কোনুংদা পুখিদো নিংথৌনা চাইরেল্ মৈনো মঙোন্দা চীংঙু লাইগী খুদম্বু যাওইদো মৈতৈ নিংথৌ চুরাচান্দ মহারাজনা অকনবা নংনা চানিংবা অসি কৰিনা মচানিংলে থংবদা শজোম খের চানিংই হায়রবদ নিংথৌনা তেকচাও অমা হৌইনদুনা পীজনদা "অকনবা" মতোমতনা লোইনা চানবদা মৈতৈ কোনুংদা চাইরেল মৈনোদো চেৎথি ঙুমদনু লৈযু যাদেদো বান্থবন্ধান হায়না অকনবা মানা হায়রবদা ইগী যুম শাদুনা অকনবা মাগী লৈফম পাখিদো নিংথৌনা চান্না তৌইদো, চন্দোলগী শেনবাও লৌখিনই অমাং অশেংবু কল্লমইদো চাইরেলগী অহল অমা লৈং [illegible] মরম ১২ নোংমগী খোরৌ [illegible] ইম্ফাল তুরেল্ মরিন্দা মৃরু নম্বা চৎলগা লেমলৈ ঙারু [illegible] বাংরেজ যনবু অশিবা অমা লেন পোইরে তে নশেংদবু যোনগে হায় পোবকখিদো মদুদা চাইরেল মথৈনা লেমলৈ ঙাজাও ওই রেবাও নিং ওরেং শেনজানা লৈনখিদো চাইরেলগী অহল অদুসু হায়দোক্পদি মাদু লেমলৈ ঙাজা ওনি হায়না তোনসেন্ যৌদনা কাওরেল্ ষম্বু অশেন্বা লোইনা লৌনথ্রেদো চাইরেল [illegible] খঙনদেদো লেমলৈ ঙাজা ওনি খন্ থোংদুনা চানবদা [illegible] নত্রে খঙনখিদো থৌদোক অসনা মরম ওই নিংথৌ [illegible]কোং যৌনখিদো নিংথৌনা তরেং শেম্ব লৌ শে গংনাখাদা অসুম্না শেংগৎলবা মতুংদা নোংমগী কোরৌ নুমিৎতা চাইরেল লমদমদা সোরাংপু অমদি শোননা তারেদো নিংথৌনা

মাংই হায়খিবা সোবাংপু শোনবদা ফম্বীনবা বামোল কনানা ঙমদ্রবদা চাইবেল্ মৈনো মানা নিংথৌগী দাইদি ঐনবু ওইগনি, শোল্লু হায়না শোনহনবদা অকনবা মানা য়েন্‌দুনবু চাইথোক্ শেংদোক্‌খিদো নিংথৌনবু লাক্ হংবদা চাইবেল্ কনা খুমঙমদ্রবদা চাইবেল্ মৈনোনা ইনিংথৌ ইবুংঙো শোবাংপু শোনদবা তাববদা ননাইনা ফমদুনা শোলহললে হাযনা হাঙ্গৎলবদা নিংথৌনা অদুদি অকনবা নংদি মন্ত্রদি কবি হাযনা শোন্দুনা শেংদোকই হায়না হংলবদা ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইগীদি মন্ত্রদি শেংবদগী শেংবদি ঈশিংনি, মাংবদগী মাংবদি যেনদুনি, অমাংবা যেনদু নংবু অশেংবা লাইজ ঈশিংনা শেংলবনি হাযনা শোনজৈ হাযনা হঙ্গৎলবদা নিংথৌনা মনাইনা তৌবদা পেল্লদুনা অকনবা নংনা শেংলবদি লোইনা হেক শেংলেদনা হাযন' চানবীখ্রেদো, অসুম্না নিংথৌনা লাক্‌পসে চাইবেল্‌দবু নুমিৎ হুমনি চ্প্লা লৈখিদো চাইবেল ফুশাববু যেং নিংথৌ পুক্লিং মকা লামজৈদো কোবৌগী হুমান শুবদা নিংথৌ মৈতৈ কোনুং পাংখিদো চাইবেল মৈনো অকনবা মাবু পুাখদো। চাইবেল মৈনো মানা কোনুংদা লৈবা কাল নিংথৌনা নুংশিবীদুনা অকনবা নংনা পাম্বা অমতংনিযুদনা তাকপিবদা ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইদি ইমাগী মানাক্তা লৈবা নওনা অতৈবুদি পামজদে হাযনা খুমখিদো অকনবা মানা মৈতৈ কোনুং অর্মাদি মগুম্ লম্‌দম্ চাইবেল্ চৎপদা মৈতৈ লৈবাক্কী অযাম্বা প্রজানা চাইবেল মৈনো অকনবান হাযনা যেংনৈদো পুক্‌চেল চাওবা কনানা অকনবা নংবু চাক্ চবা অমত্তা চাখোবা থাম্ পীজবদা চেং সেব অহুমবুদি শিৎ নাননা চাইদো, মৈতৈ নিংথৌ চুবচান্দ মহাযাজদো মনাই অকনবা মৈনো মাবু লৈবনা চাইবেল লমদমদা তৎতনবুদি লাকইদো, মতম অদুদা নিংথৌগী শক্তি লৈবনা পোৎথাং পুববুদি চৎনৈদো নোংমগী কোবৌ নুমিত্তা বাংঙু নাপ্লা — চিক্কী লমদমদা পাম্বানা মা অমা শোক্‌খদো পাম্বা মীবু শোকপগী পাওদো মৈতৈ নিংথৌ নাকোং যৌখিদো মৈতৈ নিংথৌনা হবাও কুম্মৈগী ওইনা পাম্বা মাবু চনবা তাবে লৈবাক্কী অথৌবা কনানা পাম্বা মাবু ফাগে হাযবা হাযনা হংলবদা থাংজাওগী কার্বাতৎনা পাম্না মাবু ফাজগে হাযজখিদো নিংথৌনা লৈপাক্কী প্রজা লোইননা কৈপলবুদি শাবেদো লৈবাক্ প্রজা তিন্না খুঙ্গং খুঙ্গংগী লুচিংববুদি হাপইদো অথৌবদি খুঙ্গং খল্লকইদো ঙসিদি থোংজাও কাবতিৎনা কৈপল্ চংবা নুমিৎনিদো তাবগী চাক্‌ঙন চা মবোইগী মনাও লোইনৈদো খামেন্ চৎপা

শেৎলিদো নমথাংগী খুবক যেৎলিদো তিমেন্ তাবু পাইনা কৈপল চঙনবা থাজিনখ্রেদো ব্রাংঙুগী অকোইবদা লৈবিবা খুঙ্গং কযানি। খুঙ্গং খুঙ্গংগী লুচিংবা লোইননা মাগী-মাগী প্রজা লোইননা কৈপল্বুদি চঙ্নৈদো, কৈপল নুংদা মাংবু থাবদি চাইবেল মখৈ থাহল্লু অসুম্না চাইবেলনা মাঙবু থাবকইদো মৈতৈ নিংথৌ চুরচান্দ মহারাজদি অকলগী অথৌ লোইনৈদো যাঙ্গোই শামু থক্তা তাইবোংনুংদা প্রজাগী কুম্মৈ যেংইদো, অসুম্না কৈপল্ চংলকইদো, থোংজাও কাবতিং অথৌবদো তিমেন তাবাক পাযনা থোংজাও প্রজাগা লোইননা চাইবেল প্রজানা তুংবু ইন্না কৈপল্ নুংদা চংলক্পা চাইবেল্ থোংজাও প্রজা মখৈনা-তিমেন্ তাবাক্ ফৈনা পায অশোংবা শিং [illegible] নম্ পাম্না মাবু থীবকপা মবৌ লৈবা পাম্বদো অশোংবদি শাংপতবেদো থোইনবুদি শোংদবা পাম্না লৈনি থাজদবা মফমদা পাম্না শাংপ্তনা লৈখ্রেদো থোংজাও কাবতিংদো লৈবাক প্রজা মমাংদা অথোই নাপল্ বা [illegible] মতাংদুম্ পাম্না মানা থেংনদবা অদুদা তিমেন্ মাবু কোম্না পাই খোংফম্নাদ শেমহৌদা, মাগী [illegible] খৌওইদবা তানজাদা পাম্নানা খঙতৈদনা নাপলবু তৌবিবা কাবতিংতা পাম্না [illegible] হৈদনা চোংশিল্লকই, পাম্বা মানা চোংশিল্লকপা মৌদনা কাবতিংপুদি নত্তেদো। তিমেন্ তাবাক থাদোক্লা পাম্না মাবু শাথেংনবকইদো পাম্না [illegible] অথৌবা কাবতিংনা পান্দল চাংযেংনবকইদো পাম্বানসু লাচংদ [illegible] শাহিংচাবা পাম্নানি মাগী থৌববা [illegible] হকচাংদা [illegible] পাকতক্লা ইমুগী পামফেন্নবকইদো [illegible] কাবতিং মাগী [illegible] অথৌবশিং তিমেন তাবাংফমবুদি খঙদা চংনবকইদো। পাম্বানা অমুক মথক্ থং অথৌবা কাবতিং মানা অমুক্ মথক্ থং অম্মানু লাক্লবক্পা যাংগোই শযাংথক্তা মম ঙম্নাইমখৈ কুম্মৈবুদি যেংলিবা মৈতৈ নিংথৌ চুরচান্দ মহারাজদো যাংগোই মাবু থৌজিল অথৌবা মনাই শোইবনা হকচাং [illegible] পাম্বানা মথকপুদি পংলকপা তাঙ্গাদা মৈতৈ নিংথৌনা নোংমৈবুদি থীংকাপ লেদো পাম্বানা মথক্ অযং খুদিংগী নোংমৈবুদি কাপইদো মৈতৈ নিংথৌনা কাপখিবা গুলিদো লেম্নবুদি মাংদেদো পাম্বা মাঙোন্দবু নৎতনা অথৌবা হকচাংদদি গুলি অমা থাদেদো, কৈপল নুংদা চংলিবা অথৌবশিং ঙক্পদা থেংইদো, পাম্বগী হকচাংদা গুলিবু মঙাবক কাপশিল্লকপা পাম্বা পাঙ্গল্ লৈবকত্রেদো মতম অদুদা অথৌবা কাবতিংতি ঈনা পুমঙাং ঙাং পাম্বা মাবু নম্

মথক্তবুদি অথৌবা মানা মথক্ থং লৈপাক প্রজা চংনা নিংথৌ মশামক্লা মনাইবু নুংশিনা পাম্বা নংনা ফারেদো অথৌবা হকচাংদি ইমুগী পাম্‌ফেননৈদো অকনবা হক্চাং চোক্থানি, ইঙাংপাকতক্লা ইমুগী পামফেন্নাবা নিংথৌ খুৎনা তৈথোকপীদো দোলাইগী লেংজাও শা অথৌবা মাবু পুহনখিদো অশিবা পাম্বা মাবু তম্বা খরনা পুহন্ নিংথৌ য়াংগোই থক্তা তোংনা লেঙখি, অসুম্না পাম্বা মাবু হাৎলগা চাইরেল মৈনো অথৌবা লোইননা মৈতৈ কোনুং পাংখিদো, থোংজাওগী কাবতিং অথৌবদো পাম্বা ফাবগী মনা মথুম পীনা মনাইগী অনা খরাই লাইকন্নেদো মৈতৈ কোনুংদা চাইরেল মৈনো অকনবা মশাবুদি থাক্লা অকনবা মাবু থমইদো ময়ুম লমদম্ চাইরেলদা চৎনিং চৎ কোনুংদবু লৈনিং লৈ অকনবা মনিং তম্না লৈদো নোংমাগী কৌরৌ নুমিৎনি মৈতৈ নিংথৌনা চাইরেল্ শাবমদা য়ারৌ শাতানগনি মৈতৈ নিংথৌ স্না খোংলেংলকখিদো নিংথৌ স্না খোংলেংলকপা পাওবুদি ফংবদা চাইরেল মৈনো অকনবা মবুংঙো খোংলেঙলকই তাবদা ইম্ফাল তুরেল্ নুংদা লেমলৈ ঙাফারিবা চাইরেল্ অহল অমনা ফাবা ঙাতোন্ অমবু লৌ নিংথৌদবু ব্রারুকাক্ অমদা হাপ্ কৎলিদো নিংথৌনা মনাইনা ঙাংবা তাগদবগী অকনবা নংগীলা অসিদি অফবা অমত্তা লৈত্রবরা হংলবদা মৈনোনা ইনিংথৌ কৎনিংবনা হেনখিবনা অফংবা অমা হেক্তা পুজরকপনি হায়না খুম্লবদা নিংথৌনা নোকলদুনা অকনবা নংনবু তৌববদি ঐনবুদি করি হায়গনি হায়না মনাইবু চানবীদো, অসুম্না মপু মনাই উনরবদা নিংথৌনা মনাই অকনবা মৈনোদা নিংথৌনা শা-তানগনি লাকপদো শাবু কয়া ফারবগে হংখিদো চাইরেল্ মৈনোনা ঐজ্ঞা শাদি অহুমলোম্ ফারে হায়না খুমখিদো নিংথৌনা যাংগোই থক্তগী নোংমৈ থীংকাপনা পাম্বা অমবু হাৎলিদো নিংথৌনা মনাই মৈনো য়েংনা পাম্বা মাবু গড়ীগা হাপকৎলু হায়রবদা অকনবা মানা পাম্বা মাবু থাংগৎকনী হায়না পাম্বোম্ অনী তিংথোকতুনা ফিভম্ তানা লৈরেদো অকনবনা হুক্ হায়না ইঙ্গিৎপু উৎলকপদা নিংথৌ মনাই দোলাই পাবনা পাম্বা মাবু গাবিদা থাংগৎলেদো পাম্বা মাবু পুরগা চাইরেল্ খুঙ্গংদা তরা চাকলেন্ চানখিদো অসুম্না নিংথৌদো কোরৌ হুমনি য়াবৌ শাফারমইদো অকনবা মনাই লৈবনা নিংথৌনা চাইরেল্ খুঙ্গংদা তোইনা খোংলেংলক্ইদো য়ারৌ শাফাবগা হুনিবু শুবা নুমিৎতা নিংথৌ কোনুং পাংখিদো, নিংথৌ কোনুংদনা কমদৌরী ককচিংগী বামোন


শুকপনা ৱাকৎনববু লাকলমইদো মথক্তা পনখিবা চাইবেল্ মৈনোনা শোনহনখিবা শোবাৎ অদুগী মবমদা বামোন শুকপ হাযবা অসিসু নিংথৌগী মনাই অচানবনিদো, মতম অদু অশেং-অমাংগী মবমদা থোইনা কনবা মতমনিদো কোনুংগী ব্রহ্মা সোভাগী মকোকনি. মানা খুঙ্গং খুঙ্গং চৎতুনা মাঙই হেক্ হায়জিন্ শেন খাইনদুনা অমুক শেংলবনি হেক্ হাইদুনা অসুম্না নিংথৌগী শক্তি শিজিন্নদুনা মানা শেন্ তাল্লমই অসুম্না শেন খাইনদুনা অমুক্ শেংলবনি হেক্ হাইদুনা নিংথৌগী শক্তি শিজিন্নদুনা মানা শেন্ তালক্পনা চাইবেল্ খুঙ্গংগীসু মতাং অমা লাক্খিদো মথক্তা ঐনা হান্না পনখিবা ষন চাকবগী মতুংদা মাংই হাযদুনা শেল পীদুনা শেংগৎলবা মতুংদা মথক্তা পনজখিবা সোবাৎ অদু কবম তৌবগে হাযবদা হুইনা চীবতুনা শাবা মীনি. মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা বামোন্ শুকপনা মাঙই হাযদুনা সোনাৎ অদ শোনবদা কীনবেদো লৈকোক্ লৈকাইগী অহনশিং ফাওবদা বার্তন ফংলবসু অহল কনাসু লাক্পীদ্রেদো নিংথৌগী শক্তি কীবনা মদুদা চাইবেল মৈনে অকনবনা শোল্লু হাযনা শোলহংখিবা অদুগী মবমদা নিংথৌনা কোনুংদা যৌবনদা বাবৎলমইদো, বামোন সুকপনা শিন্দুনা কোনুংগী দোলাইপাবা থাবম্ই মৈনো মাবু পাবনবা মতম অদগা দোলাই পাবা হাযবসি কোযেৎ অঙাংবা হেৎপনি. নিংথৌ যাথং [illegible] নামোন্ সুকপ মানা শীন থাবকপনিদো চাইবেল খুঙ্গং যৌবনদা মেনো মাবু [illegible]বদো নিংথৌ যাথংনা হাযদুনা সোবাৎ থোকলিবা ইমংদ [illegible] বুদ্ধি [illegible]বেদো অসুম্না নিংথৌ মনাই লোইননা চাইবেল মৈনোদো নিংথৌ কোন যৌখিদো যোন্নুং [illegible] কর্মচিং বামোন সুকপকা লেপনবেদো বামোন শুকপনা নিংথৌগী মমাংদ পোক্তবে মৈতে লেখাকতা নিংথৌবু আন পাক্লেদো শোনবা [illegible] সোবাৎপু মৈনো মানা ফমদুনা শোলহনলে হাযবা মথাক শা [illegible] নিংথৌনা অ[illegible] কবম তৌকবিবা হংবদা চাইবেল মৈনোনা তথাযুনে ইনিংথৌ সোবাং অদ শোন্দবা তাবেদো অদুদা ননাইনা কবম্ তৌবগে হাযবন্দা ননাইগী পুক্নদি চাউইদে ননাইব পোক্পা পালেম্নদি লাইববীনিদো ননাইনা পুক্পু থল্লক্তবা কুথবেদো ইনিংথৌগী নাক্তবু নৎতনদি ননাই পুক্পু থনজদেদো মবমাসনা সোবাৎ অদুসু ইনিংথৌবু কীবনা শোনদবা মতাবেদো লৈকাইগী ভাবোক্ ফনা গাওদ্রেদো বামোন কনানা শোনবীযু যাদ্রেদো মদুদা মনাইনা ফোলা অদু চনিংলদুনা শোল্লু হাযনা বামোন্ অদুদা হায়বেদো ননাইনা

ফমদুনা অহানবদা যেনদু অমদি লাইজনা শেংদুনা শোলহল্লী হায়না ইনিংথৌদা হঙ্গৎচখিবা অদুনি, অশেংবা মক্তি ননাইনা সোবাৎকী সনদেশ অদু মবাং কাইনা চাগনি খন্দুনা শোলহনজবনি হায়না মৈনোনা খুল্লবদা মনাইগী গর্ভনদি চাওবনিনা মবুক্‌পু থন্‌নবা হোৎনবনি খল্লুবগা নিংথৌ পেনবীদুনা, বামোন সুকপতা ওনশিন্না নংনা ঐনা চাল্লি হাযদুনা মৈতৈ লৈপাকসে মাংইগা শেংইগা শেলবু লৌনা লৈবদো কবিগীদমক্ ঐগী অকনবনা তৌবদা নংনা পংয়েং য়েংশিনবনোদা অতৈদা তৌবদি ননিং তৌহল্লী ঐগী অকনবা শোকর্পাননা নং ঙসিদগী থা অহুমবুদি ফাদোক্তা লৈবা তাবেদো হায়না বামোন্ সকপতো নুমিৎ অদুদগী হৌনা থা অহুম্ ফাদোক্তা লৈখিদো মানা ফাদোকতগী থোকলবা কান্দা মৈতৈ লৈবাক্কী অমাং-অশেংশু খবা ফখবেদো, অসুম্না মৈনোনা চাইবেলগী ব্রাথোক্লা মবম্ ওইদুনা মৈতৈ লৈবাক্কী অশেং অমাংগী মবম অদু বামোন্ সুকপ্না শান্ননিংবা মওংদা শান্নবম্বা অদু যাখিদেদো পোইঁবৈ চাইবেল্ লমদমদনা কম্‌দৌবী কালেন্ থাগী থাজিন্দা অযাং লৈমা পাম্বোইবী হবাও মথোই থোং খেল্লাগী পুংদোই হৌবেদো কালেন্ হবাওবা লোইবগা মুক্লাবুদি শীংনৈদো চাইবেল তাংজেং অনিদো তাংজেং খুঙ্গংদা শাহৌ ফবা গন্ধর্ব্বসিং কৌবা অথোইবা নিপা অর্মাদি লৈদো খুনজশিংনা মৈনো গন্ধর্ব্বসিং অনীগী কুম্মৈবুদি যেংসি হাযনা লেপ্লবে অকম্বা অনিব মুক্লাগী যাত্রা হাপনৈদো, ঙসিদি মুক্লা শান্নবা নুমিৎনি তাংজেং খুঙ্গংদব চাইবেল মখৈ চৎকর্নি মুক্লা বোই মখৈনা মাগী মাগী ফিবু যোম্ পুনৈদো। যাত্রা মৈনো মাগা লোইননা তাংজেং খুঙ্গং পাংলকপা চাইবেলগী থোঙ্গাল খুদিংদা মঙ্গল ওইনবা হাযদুনা চাইবেলগী ইমা ইবেলশিং থোঙ্গাল্ খুদংদা সনাবুলদা ঈশিং থল্লা হাপ্ ধুক থাওমৈ থাদুনা মঙ্গলবুদি পীবেদো অসুম্না মুক্লাবোই মখৈগা লোইননা চাইবেল নিংথৌ ফমনাইবগা লোইননা তাংজেং খুঙ্গংগী লোকনিংথৌ লাইমাংদা মুক্লাবুদি শান্নবেদো মবক্কী মুক্লাবোই মখৈদি চাইবেলনা খবা থা তাংজেংনা খবা থা অসুম্না থানৈদো চাইবেল মৈনো অমদি গন্ধর্ব্বসিং যাত্রা অনিগী কুম্মৈ যেংগদবগী ভাবোক অমত্তা কাইনদেদো অসুম্না ঙাইনবকপা মতম ওইবদুনা নাকল অনীগী যাত্রা পুথোক্লবেদো, যাত্রা অনি ফিবুদি শীন্নবেদো চাইবেল মৈনো অকনবা খবদি পংইদো ষনজাওনা ঙমওন থুংদে হাযবা পাওবৌদো চুমই হাযনা খল্লিদো মীযামদগী থোই হেন্না ব্রাং চাওববা নিপা অনী

অসি কোন্নবকপা অনী অসিনা মুক্তা শান্নবা নাকল অনীগী প্রজাশিংসে যাত্র অনিনা চেপপদা তেপইদো অসুম্না শান্নবকপদা ফাগিবুদি হৈবা অকনবা মৈনোদো পেহৌ পেহৌবুদি তৌবকলেদো মুক্তা শীনবা চাইবেলগী কাংবুনা চংদুনা হংবদা অকনবা মানা খুমইদো মানা খুজিন্না শিকলে হায়না যাত্রা অনী অমুকপুদি ফাদোকনৈদো মথংবুদি শান্নহল্লিদো মথং অনি অদুদি থোইনবুদি কুইনদেদো চাইবেল তাংজেং অনীসে মিৎপুদি কুপ্পদা যেংনৈদো খবানা তাংজেংনা খবানা চাইবেলনা থানৈদো মযাম্না ঙাইনবীদো অকনবা অনীগী কুম্মৈদো অকনবা অনী অমুক কোন্নবেদো অকনবা অনীসি লৌবুদি অমত্তা হৌনদ ফিবু পায়না লেপ্পবেদো মযাম্না অকনবা অনীবু য়েং অমনা অমবু থাগৎনৈদো অসুম্না থাগৎনবা মনজাওনা ঙমওন্ থুংদে হাযবদো অনি অসিদি মুক্তাবুদি থোইনা হৈনদেদো শাম্বা পাঙ্গল ফবা মযামদগী থোই হেন্না চাওবা অদুদা যেংবগী পেনবা নাইদেদো অসুম্না শান্নবকপা অকনবা অনী অসে চাইবেল মৈনো হাযবা অসি মতম্ অদুদা মাগুম্বা বাংচাওবদি পংলৈবুদি লৈদো অদুদা চাইবেল মৈনো অকনবা মঙোনদা চীংঙু মাগী অকবা খুদম্বুদি পীবিদো মাগী মমিৎ পিশুম অনিদা চক্রবুদি লৈদো মসি চীংঙু মাগীলাংওন্নী তাকইদো মবমসিননি মৈতৈ নিংথৌ চুবচান্দ মহাবাজনা অকনবা মাবু লূনা তৌবিবা অশুম্না শান্নবকপা নাকল অনীগী প্রজানা কনানা থাবগদবা হাযনা ঙাইনবকপা চাইবেল মৈনো অকনবা চীংঙু মাগী লাংওন ওইবনা মানবু থাখিদো নিংথৌ ফমনাইবা মখৈনা তবেৎ শেনজাবুদি থাবেদো যাত্রগী মনা ফিবুদি থাবেদো অসুম্না চাইবেল তাংজেং অনিদো মুক্তা শান্নবা লোইদুনা মাগী-মাগী মযুমদা হন্নখিদো, মতম্বু খব লৈবগা মৈনো অকনবা অদু কোনুংদব্ কাবেদো নিংথৌদবু হৌখিবা বাবু তমজৈদো মনাইনা ঙমই তাবদা নিংথৌ থবাই নুংঙাইজৈদো। মৈতৈ নিংথৌনা মনাইবুদি যেং তাকপিবেদো অকনবা নংদি থাংবু তাবু পাযবদা পকচদেদো নংদি শহিগী গদাবুদি পাইযুদো হাযনা নিংথৌনা তকপিবেদো মনাই অমাবু শহিগদা শাহল্লী নুমিৎ অদুদগী হৌনা চাইবেল মৈনোদো শহিগদা পাইখিদো, নিংথৌ কোনুংদা মৈনো মাগা শামান্নবা অকনবা অমসু লৈবমই, নিংথৌনা মনাই অনীগী কুম্মৈবু যেংজবগা নুংঙাইজৈ শাম্বা পাঙ্গলবা অনিসে মৈতৈ হুইযেন্ লালওং তম্বীদে মখোয়গা পাবা যাবা মৈতৈ ওজা লৈতেদো পাঙ্গলনা বিদ্য খুদিংদগী অথোইবনি হাযবদো

অকনবা অনিনা উৎখিদো মখোয়গা পারুবা কনানা মাইথিদনিংঙাই লৈতেদো নিংথৌনা মনাই অনিসি থাক্ থমইদো ময়ুম মোংবা মরানয়াইদবু চৎনিংবা চৎহল্লীদো কোনুংদবু লৈনিংলে লৈহল্লীদো চাইরেল্ মৈনোনা শাম্বা পাঙ্গল মপুং ফা তাইবং শারেপ্ লোইবকপা মতমদা তালোইবুদি থিরেদো য়ুমলেপ্ চারা তমলেদো থরো কৌবী নুজা অমা মানবু থোইনা পামজৈদো মৌবু ওইনা লৌইদো থোইনা কুইনবুদি লৈতেদো মপামদবু হন লৈখিদো অসুম্না লৈনরকপা চাইরেন্দা অথৌবা অহনশিং থোইনবুদি লৈরমই শিংউৎ চোরোৎনা জঙ্গলবুদি ওইবা মতমনি চাইরেল্ লাইবুংদা কাওবেন্ ষনয়াম য়াইরেকফমনি পাম্বা তোইনা লাক্ কাওরেন্ মবক্তা চং অফংবা পাম্বানা শাবাক্ তমইদো কাওবেন্ মাবু শারাক্ তম্ই খঙলবদা কাওবেন মপুনা মীবু কনা হৌনদ পাম্বা মাবু লুম্বদা ষন্বু মদোম চৎলিদো শীংজংখোক্পু পাইনা পাম্বাগা থেংনবদা শিংজংখোক্ল ফু অসুম্না পাম্বা কয়াবু হাৎলিদো অসুম্না পাম্বা হাৎপা অহনশিং থোইনা শীংথানদেদো মৈতৈ নিংথৌ চুরচান্দ মহাকথক্ চাইরেলগী অহল্ মরৈবুদি কৌবনি ঙানুগী খুনুবুদি শাবাক তম্ পাম্বা মানা মথি ফোংলবদা মরৈবু কৌবা অহলদো শিংজংখোক্ পাইনা পাম্বা মাবু তান্না নমদুনা ফুরগা পাম্বা মাবু হাৎখিবা নিংথৌনা চাইরেল লমদম লাকপদা পাওবু তাবদা অথৌবা মাগী থৌদৌদা নিংথৌনা মনা ফিবু পিবিখিদো অসুম্না পাম্বা হাৎখিবা চাইবেল অহলদি থোইনবুদি য়ামইদো, মৈনো মানা তালোই খাইনা লৈবকপদা পোইবৈ মোইবাংদগী লৈমা অমা মনা ওইনা লৌইদো মোইবাং নিঙোল অদুসু কুইনবুদি লৈতেদো মোইবাং নিংঙোল খাইনববদা খোইজুমান্দগী নিঙোল অমা অমুক লৌ পাননৈদো খোইজুমান্ নিংঙোল্ অদুসু থোইনা বুদি কুইনা পান্নদেদো, হান্নাগী থবো কৌবী নুজাদো অকনবা মানা কাওঙমদেদো মৈনো মাগী অকনবা চাইবেল অহলশিংনা চীংঙু মাগী লাংওন্নি হাযনৈদো অকনবা যাত্রা অনিনা অকনবা মাবু ফা মখুৎ নাম্ম-নাম্ম পাইনা খোংফম শেমনা তিংথৌ চোংবোৎ পাইনা খাম্বদা অকনবা মাগী খোংফম থুগাইববুদি ঙমদেদো চাইবেল খুনগীযাত্রনি পুংদোল হায়বিবা অহনসি মানবুদি ফাবদা যাওইদো কযাবু লুম্বা যেংনিংলে মৈনো মাগী মখ্বাংদবু কোল্লেনে স্বব থীংনা থাংগৎপদা মখোং খুনিং তমক-কাংখৎলি মৈনো অদো নংসি ফনা কল্লাগে ঐ স্বব থীংগে থাংগৎপা ঙমগদ্রা হায়বদা হেবা ইবাই ঙমদবদি হায়না স্বব

নিংথৌজা সলাইনি ঙাংয়েক্কী মচুনী।



থীংহললবদা থাংগৎপদি হায়রুনু লেঙববুদি ঙমদেদো মৈনো অকনবা থরো কৌবী নুজাদো কাওববুদি ঙমদা অমুকপুদি হনজিন্নে অদুবু কুইনা লৈয়ু য়াদেদো অসুম্না অমুক হনজিন্না অমুক চেনবসে নিংথৌনাকোং য়ৌরমইদো, মদুদা নিংথৌ পুক্লিং নুংঙাইরম্‌দেদো নোংমা কোরৌ নুমিৎতা নিংথৌদো শুগ্নু খুনগী মখাদা ইম্ফাল তুরেল মরিন্দা নুংথোং কৌবা মফম অমা লৈ, মফম অসিদা মৈতৈ নিংথৌশিংনা য়োৎকী পৌরোন অমমম শিন্দুনা লোন্‌লম্মী। শ্রীযুৎ চুড়াচান্দ মহারজাগীসু মথৌদাং য়োৎকী পৌরোন লোনবা লাকলমই অদুগা চাইরেললোমদবু হল্লকই ৱাগৈ হীদবু লেঙলকই হীদবু কাবকপা নিংথৌতাদবু নিংথৌ লানবা য়াদবনা নিংথৌতা য়ৌদ্রিবঁঙদা নিংথৌদো ৱাগৈ হীদগীবু খোংলেঙখৎলিদো অসুম্না নিংথৌনা লাকপনা চাইবেল মৈনো অকনবা মাবু লোইনৈদো চাইবেল খুনগী অবাংদবু লৈরিবা অচৌবা মানদোগ্না নিংথৌ মনাই মশলগা লোইননা লৈবম্‌ই, মদুদা নিংথৌনা মনাই অচানবশিংগা লোইননা দাসবুদি শান্নৈদো দাস শান্নবিঁঙে মতমদা মনাই অচানবা মৈনো য়েংনা কোলোইগী মপাও হাযবকইদো অকনবা ঈশৈবুদি শকউদো হায়না অকনবদো নিংথৌগী নাক্তা ঈশৈবুদি শকইদো মনাইবু অমা থারেদো ঐগী মৈনোদা লৈয়ু য়াদে হায়বা নুপী অদু কৌরু হাযনা নিংথৌ মনাই অমা চৎতুনা থবো হায়রীবী নুপী অদুবু কৌরুরে, নিংথৌ যাথং ওইবনা নুজাদো কিনা লাকচৈদো অসুম্না থবো মানা লাকলবা কান্দা নিংথৌনা অশাওবগা লোইননা অসিবা ঐগী অকনবদা লৈয়ু য়াদে হাযবদো হাযনা মিৎচিনা হাইফেৎতা য়েংলম্‌ইদো মতম অদু ঈশ্বরগী শক্তি নিংথৌদা লৈবনা নুপী অদু চহি অদুবু লান্দনা শিখিদো নুপী অদুবু শাওনা যেংলগা নং ওইবে ঐগী অকনবদা লৈজৌ হাযবা যাদে হাযবদো, চৎলো য়েংনিংদে হায়না নুপী অদুবু থাখ্রেদো মথংদনা কমদৌরী চাইরেলগী অঙাং মখৈ নিংথৌ লাকই হাযবদা চাইবেল প্রজা তিনবদা য়াওরমই মথোং খঙদবা অঙাংশিং নিংথৌনা দাসবু শান্নবিবা মনাকপুদি নর্কাশিল্লি মদু উবদা নিংথৌগী দোলাই পাবনা লাউদুনা অঙাং মযাম তান্‌থোকই, মদু উবদা চাইরেল মৈনো অকনবদো থৱাইবুদি নুংঙাইত মানা শকপা ঈশৈদা লেপককপুদি তৌখিবা নিংথৌনা মনাই শাওই খঙদুনা দোলাই পাবদা লাউদুনা নথৌ কবি লৈ হাযদুনা দাস চেখুম্না থাখিদো, লারাইগী অঙাং তানবা যাববা শোককে শোকচসনু মখোইনা

শোকলবসু ঐ কবিসু শাওদে হায়না মনাইগী শাওবা নেমহনখিদো মৈনো হান্নগুম্ ঈশৈ শকখিদো ঈশৈবুদি শকপা লোইবগা মনাই য়েংনা তাকপিদো অকনবা ঐনা লৈবিঁওদা নোংয়াই খোংলা-তোবোং লাউবীবা অমা নংগী নমিংদা পীনবীগে হায়বদা চাইবেল মৈনোনা পামজদে হায়দুনা যাখিদে, মদুদগী চাইবেল অহলশিংনা চাকযাম চাবা অপংবা হায়না অকনবা মাবু চৈনখি, অসুম্না নিংথৌদো নোংলেন অহিংদুবু লেল্‌লগা ময়ুম কোনুং পাংখিদো অসুম্না চাইবেল মৈনোদো কোনুংদা লৈনিংলে লৈ, পোইঁবে চাইবেল্‌দা লৈনিংলে লৈ, মনিং তম্না লৈবকপা পোইঁবে চাইবেল লমদমদা চহিগী কুমজা খুদিংগী কালেন মেবা হবাওইদো কালেন হবাওবামতম ওইবদুনা কালেনবুদি হবাওবে, চাইবেল ফমনাইবশিংনা কর্কচিং খুঙ্গংদা মুক্লাবুদি শীংনবে কর্কচিং মখৈনা হাযবেদো চাইবেল মৈনো মাবুদি যাওহনগনুদো হায়ববদা চাইবেলগী অহলমখৈনা হাযবেদো ককচিং নখোযনা পোইঁবে মৈতৈ লৈবাক্তগী থোই হায়না খনবদো নেকউদো মৈনো মাগা পাওম্বা অমবু নেকউদো মাগী কুম্মৈবু য়েংসিদা হাযববদা ককচিং ফম্নাইবা মখৈনা ফবে অদুদি ৬সিগা থানা কোবৌগী শিংবুম্ তবেৎনি শুবা ফাওবদা মৈনো মাগী লাম্নাবু ঐখোযনা থীগেদো ফংলবদি অকনবা মাগী কুম্মৈ য়েংসি হাযনা লেপ্পবেদো, কক্‌চিং অহল মখৈনা পোইঁবে মৈতৈ লৈবাক্কী অথোইবা নিপা কনানো থীবকলেদো অসুম্না থাবকপনা পোইঁবে বাংজিং লমদমদা কাওবা হাযনা কোলোহ মিংথোনবা থোইনা শান্বা পাঙ্গলবদি ফবা মীওই চাউদম শাংদম্বা মুক্লা কাংজৈদা থোহনাবুদ মমিং লৈন অথোইবা নিপা অদু নেককে খল্লেদো, কর্কচিং অহলাশং চৎতুনা কাওবা মাবু ডনবেদো চাইবেল মৈনো লাম্বা পাও হাযবদা বাংজিং কাওবা হাযবা অথৌবা অদস্ থোইনবুদি চীংনদে লৈপাক কুম্মৈ তৌসি হাযনা যানবেদো বাংজং কাওবা অসে চাইবেল মৈনো পানবা কোবৌগী নমিৎ মঙানি চুপ্পা চানিংবতা চা মশা থাক্রনা খম্মৈদো কোবৌগী মঙান শুবা নুমিৎতা ব্রাংজিং কাওবদো যাত্রগী ফিব্ শেং কোযেৎ ফৈযেৎননা লৈবাং পবেং নীংথিবা হুকনা মবোই-মনাও লোইননা চাইবেল লাইবুং তম্ লাকইদো বাংজিং কাওবা হাযবা অথৌবা অদুসু থোইনবুদি যডৈদো য়েংবগী পেনবদি লাইদেদো মীযাম্ লোইননা কাওবা মানা লাকপদো মীযামদুদগী মানা কোকতোনবদি লিংখৎলিদো কাওবা মাবু লাকলে তাবদা চাইবেল অঙাং মখৈ থোক্লা য়েংনৈদো কাওবা মানা

থুংলবা চাইরেল লাইবুংদা পুংজাওবুদি থীনখিদো, চাইরেল মৈনো অকনবা যাত্রগী ফিবু শেংনা মমাংদা ঘোং পুজা তৌনা শ্বরবুদি য়েংনা ঙাইবনি স্বরগী অফবদা মৈনো অকনবদো খোংবুদি শাল্লক্লেদো ফজৈ নিংথিজৈ মৈনো যাত্রাদো য়েংবগী পেনবা নাইদেদো নাক য়েং ওইদা তন্বা অনিনা শেন্না মতুংদবু মুক্লারোইশিংবু ইল্লিদো মৈনো মাগী ফজবা ঐনা করম্নবু থাগনি ঐনা থাবনা মব্রাংলনি অকনবা মানা ফজবনা মহেল্লি, অকনবা মাগী ফজববু থাবদা ঐনা অসুম্না হায়নিংই, মৈনো অকনবা মাবু পোকপাদগী হৌনা উরক্লবা চাইরেল ফমনাইবশিংদো অকনবা মানা যাত্রাগী ফিবু শেং অঙৌবা লৈরাং পরেং ঙক্তাশি, অঙৌবা কোইয়েং ফৈয়েংন অকনবা মানা লাকপদো চাইরেল অহলশিংদো পোকইঙদগী উদ্রিবগুম্ য়েংনৈদো, অমরোমদনা কমদৌরি চাইরেল লাইবুংদনা ব্রাজিং কাওবদো থাগৎনৈদো অউবনা মপোক ফৈদা কাওবসে অসিননি অকনবা মৈনো মাবু পাগে হায়রিবসে পাবা য়াই তোপ তোপ্পা মগুন লৈ হায়না থাগৎনৈদো চাইরেল্ লাইবুংদো মৈনো মানা চংলকপা হান্না থুংলবশিং অদুনা পুমলাং লাংইদো কাওবা মাবু থাগৎনা লাংলম্বদো মৈনো মাবু উরকপা লাংলম্বা অদু নেমথখিদো ব্রাবু অমত্তা ঙাংনদেদো কনানা ফজৈ হায়ঙমদেদো অসুম্না অকনবা মৈনো মানা অসুম অসুম নকশিল্লকলগা মীয়ামদো তুমিন তুমিন লৈনৈদো মৈনো মানা লাইমাং যৌবদুনা চীংঙু খোইয়ুম মাবু খুরুমজৈ। মখা থংবা নাকন্দা চাইরেল্ মৈনো মুক্লারোইগা লোইননা ফমইদো, চাইরেল্ লাইবুংদা তিল্লিবা মীয়ামদো অকনবা অনিসি থাগৎনবগী লোইবদি নাইদেদো য়েংবগীসু পেনবা নাইদেদো অসুম্না ঙাইহাক লাংলবা মতুংদা মুক্লাবোইশিং থাজিন্নদুনা মুক্লা শান্নবা হৌহললেদো মুক্লাবোই ১০ মুক শান্নরকপা ফাওবদা মীয়াম নীনবদো ফাথববুদি ঙমদ্রেদো চাইরেল ককচিং খুঙ্গং অনীগী অহলশিংনা হায়নবকলেদো যাত্রা অনী হান্নবু শান্নহল্লসি নত্রবদি মুক্লা য়েংফম খঙলরোই হায়নদুনা নাকল অনিমক য়ানবদুনা যাত্রা অনী কোন্নবো হায়না থাজিন্নরেদো, অকনবা অনিসি চীংঙু খোইয়ুম অনিবু খুরুমনৈদো, লাইবু খুকম্নবা লোইরগা স্বরগী পুংফম য়েংনা চংশিন্নরকপা কযাগী মতিক ফজবা য়েংবগী পেনবদি নাইদেদো, তাইবং মপোক্তা থোইনাদ পাঙ্গলবা অনিসে অমনবু বাংতেদো অমনবু তেনদেদো হায়নৈদো অনি অসিনা অসুম অসুম চংশিংন্নবকপা নবাশিন্নবকপা অদুককী মতিক চাইরেল

মৈনো মানা ফজবা হেল্লকইদো চীংঙু মাগী মখুৎথা হৈরাং ওইবনা ফিবুদি পীনরে অকনবা অনীদো ব্রাংজিং কাওবা হায়বা অসিসু চহি কুমজা কয়ামুক্তা কাংজৈদা মাতনা থোই লাম্বাবুদি নৈতবনিদো ময়াই কাবা শামু লমশা পাংখকনি, অকনবা অনিসে, মীজাও শাজৎ তোপ-তোপ্পনি থোইনবু পাঙ্গল ফবা মহৌশা মাগী পুক্লিংদো চমইদো চাইরেল অহলশিংনা চাকয়াম চাবা অপংবা হায়না চৈবীদো মাগী চমজবা অদু মক্তনা কাওবা মানা মৈনোমাবু থাগে হায়না হোৎনজবা কয়াগী মতিক্ চেক্‌শিনজবা চাইবেল মৈনো মাদি মুক্লাসু হৈদেদো মাগী পাঙ্গল অদুমক্তনা মাগী অথোইবা বিদ্যানিদো কাওবা মানা চপখৎলক শাম্বা পঙ্গল যেংগে খন্না চপ্লুবেদো মৈনো অকনবাদো মীনা হৌরকলবা অদুদদি মবুকনিংদা শাওব মাল্লে অমক্তংবু স্বব থীং শামান্ন-মাবু পান্বোমনা চপ চিংশিনবদা ব্রাংজিং কাওবদো খাংববুদি ঙমদেদো মযাং কোন্না চংশিনখিদো অসুম্না চিংশিনখিবনা মৈনো মানা নমকোৎনানা সুপথেক্লনা থাবেদো ফনা চাওবা কাওবদো মৈনো মানা মথক থং ননবদা কাওবা মাগী মকোক্লা অকনবা মাগী থবাক্তা সদল ওইনা শাফু ফংলবদা অকনবা মৈনোদো পংথবেদো মৈনো মানা পংথবা থোইনা পাঙ্গলবা কাওবনা অমৃকপুদি মথক্ থং ওনখৎলিদো মৈনো মাবু করাংদা থম কযাবুদি লুম্বা হায়না থাংগৎনা যেংলমইদো লৈমাইদগী খুবাক অমাবোম থাংগৎলকইদো মুক্লা শীনবা মখৈনা লাইজ খিকলেন চাইনা অকনবা মাবু লাইকননৈদো অকনবা মানা জ্ঞান তাবকলাবা কান্দা চাইবেল নিংথৌ অমদি কর্কচিং ফমনাইবা মখৈনা মনাবুদি থাইদো মৈনো পোকপা তাইবোং চৌকিদাবদো মচানা মুক্লা থাববদা মনাবুদি থাবা থোবকইদো মৈনো মঙোন্দগী হেন্না চাওবোই নিংইদো পাকর্পাদি মানবু হেল্লি হার্যনৈদো কাওবা অমদি মৈনো অনীসে মৈনো মানা খুদোল অহুম্বুদি ব্রাংবা হোল্লদো শাবানবুদি ফজবা মৈনো মানা হেল্লিদো নোংশা শাবান্নীদো অসুম্না মনা থাবগা মুক্লাবোই অতৈদু শান্নহনদ্রেদো, ভাবোক্‌পুদি লৈববোই হাযনা যানদুনা নুমিৎ অদুগী মুক্লা অদু লোইশিনখি, ককচিং মখৈসু মযুম মাইকৈ পাংনখিদো । চাইবেল মৈনো অকনবা ময়ুমগী লমদম্ থাদোক্লা মৈতৈ কোনুং পাংখিদো মৈতৈ কোনুং য়ৌবা কাল থোকখিবা থৌদোকপু মৈতৈ নিংথৌদা হঙ্গৎচৈ মৈতৈ নিংথৌনা মনাইনা মাইবু পাকপগী হবাওদুনা অকনবা কর্বিবুদি পামবগে নংগী মনাবুদি পীগেদো হায়না হংলবদা

ইনিংথৌ ননাইনা করিবুদি পামগনি ননাইনা পাম্বা ইনিংথৌনা খঙবীরিবা অদু মঙাই হায়না হঙ্গৎলবদা অকনবা নংগী অসি শঙ্গোম খেরা চাগে অসিরানে হায়রবদা ঐজ্ঞ ননাইনা পামবদি অদুবু নত্তনা অতৈ করিবু পামগনি হারবদা নিংথৌনা নোকলদুনা ফরে অকনবা অদু ঐনা পীজগনি হায়দুনা মনাইগীদমক্ শঙ্গোম খেরবুদি হৌহল্লি, খের তেকচাও অমবু অকনবা মথন চাবনি মদুবু উরগা নিংথৌ পুক্লিং পেনজৈদো, মৈতৈ নিংথৌ মাগী শান্নপোৎ ওই অকনবা মাবু কোনুংদা লৈবা কাল নিংথৌ পুক্লিং নুংঙাইজৈ নিংথৌনা কোনুংদা অসুম্না থম্বসে অকনবা মাগী লাম্বা অমদি লৈবনি পাবোৎ ষনগী মতৌনি অকনবা অনিসি য়েংজরগা নিংথৌ পুক্লিং নুংঙাইজবনিদো অসুম্না চাইরেল্ মৈনো অকনবা মতম্বু খর কোনুংদা লৈরম্লগা ময়ুম চাইরেল্ লমদমদা চৎখিদো ময়ুম চাইরেল্ লমদম্ য়ৌবা কাল্ অকনবা মানা পামজবা থরো কৌবী নুজাদো হনজিননসি য়াদ্রবদা কোমলা কৌবী নুজা অমা অকোনবদা লৌরেদো নুজা অসিনা অকনবা মাগা পান্নবদা খ্বাইদগী কুইনা পান্নবা নুপীনি, খোইয়ুমগী নোংদম থীবনা অকনবা মাগী ধার চাইবেলদবু থনম্দেদো।

অসুম্না চাইরেলদা অকনবা মানা লৈরক্পা চহিগী কুমজা ওল্লকলেদো, কুম্বী কালেন শীন্ননা মৈতৈ নিংথৌ চুরচান্দ মহারাজনা অকনবা মনাইগী কুম্মৈ য়েংগে খন্ পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্নী খুঙ্গং খুঙ্গংদা পাওবু পীরেদো চাইরেল মৈনো ঐগী অকনববু লাম্বা পাবা ঙমগদবা লৈরবদি ঐঙোন্দা পাওবু পীয়ুদো মুক্না যাত্রা ওইনা শানসি লৈবাক্ কুম্মৈ তৌসি হায়রবদা মৈতৈ লৈবাক্নী নিংথৌনা চেনথোকপা পাও অসিনা মৈতৈ লৈবাক্নী খুঙ্গং কয়াদা তানখরেদো অসুম্না পাও অসি তানরবদা, অৱাৎপা লৈতবা মৈতৈ লৈবাক্লিদো পোইরৈ নিংথৌখোং লমদমদা পোকপা কোলোইনা তুলোপমচা হায়না খঙনবা নিপা অসিনা চাইরেল মৈনো মাবু পাগে হায়না নিংথৌদা পাওবু পীরবদা নিংথৌ থৱাই নুঙাইজৈ ঐগী মৈতৈ লৈবাকসে অৱাৎপদি লৈতেদো হায়না চাওথোকচৈদো নিংথৌনা দোলাই পাবা থাদুনা চাইরেল মৈনো মঙোন্দা পাওবু পীরেদো নিংথৌখোং তুলোপমচা মাগা যাত্রা শান্নবা তারেদো মোইরাং থাংজিং লাইমাংদা শান্নগদবনি ঙসিগা থানা মঙানি শুবদা চাইরেল নখোইনা মোইরাং থাংজিং লাইবুংদা থুংলগদবনি,

হাযনা পাওবু পীবেদো নিংথৌখোং কাংবুদসু অসুম্না পাওবু পীখ্রেদো কোবৌগী মঙানি শুবা নুমিৎতা চাইবেল নিংথৌখোং অনিসে ঙসিদি মুক্লা যাত্রা শান্নগদবা নুমিৎনি হাযদুনা তবা চাকঙন চানদুনা মোইবাং থাংজিং লাইমাং তম্নবকলি, পোইবৈ মোইবাং খুঞ্জাশিংনা খুঙ্গং অনিগী মীবু তিল্লনি মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ যাওবনা মোইবাং ফম্নাইবা মখৈনা ফজনবা শেম শাখবেদো মৈতৈ নিংথৌসু তবা চাকঙন্ চাদ্না মনাই-মশল্ লোইননা পোইবৈ মোইবাং লমদমদা থুংখবেদো চাইবেল্ নিংথৌখোং খুঙ্গং অনিস্ যাত্র মুক্লাবোইগা লোইননা লাক্লবীদো, নিংথৌখোং তুলোপমচা হাযবা অসিস্ থোইনবুদি ফজেগো যেংবদা অৱাৎপবু লৈতে খল্লিদো অঙৌবা কোযেৎ ফৈযেৎ যেৎ অঙৌবা লৈবাং পবেং শীনা মবোই-মনাও লোইননা লাকপদো তোর্মথিন্ থোকপা থাজনি থাগৎনৈদো যাত্রা তুলোপমচা থাংজিং লাইমাংদা থুংলদুনা লৈবা কান্দা অউবা কযানা অথৌবা মাবু থাগৎনৈদো অসুম্না অউবা ভাবোক কযানা অথৌবা মাবু থাগৎনা চাইবেল মেনো অকনবা মাবু ঙাইনবকপা মৈতৈ নিংথৌ চুবচান্দ মহাবাজদো মনাই-অকনবা মানা লাক্কদব মাইকৈদা নিংথৌ মিৎয়েং থমলকইদো নিংথৌনা লাংতক্লা মনাইবু ঙাইবকপা চাইবেল মখৈসু থুংলবেদো চাইবেল মৈনো মানা মবোই মনাও লোইননা মাযাম মবক্তা অকনবা মানা লাকপাদো অবাঙ্গদগী যেংবদা অবনবা মাগা কোকতোন মান্নবা মতৌ কনাবু যাওদেদো অপোকপা মহাক নাংনা অসুম্না চাইবেল মৈনো অকনবা মানা থাংজিং লাইমাংদা থুংলবা কান্দা তান্না পেংলিন্না তুলোপমচাদো থোকনবুদি যে নিংদ্রেদো মানা ওইবিঙে ফজবোং নিংশিংবদি মাবু খেননা অথোইবা অমা লাকলবা কান্দা অতেনবা অদুবু যেংনিংবা হাযনা মসি মতৌ শিংনি পঙ্গা মগান্না অকনবা অনীবু যেংনা মাগী মাগী থোকপা থাগৎনবকপা নিংথৌ মানা মাগা মনাই অকনবা চাইবেল মৈনো মানা ইচাও চাওনা নিংথৌ মাংদা থুংলনবা কান্দা মাগী পান্থোম্নী খল্লগা মনাইবু যেংলগা মোমোন মোমোনবুদি নোকচৈ। মক্লা শীননা মখৈনা নিংথৌ যেংনা মপাওবুদি মৈঙ্গেদো অখন্নবা মুক্লা ওইবনা হনিংথৌ মুক্লাবোই খবা অসি হান্নবুদি শান্নহনসি হাযনা চঙনবদা নিংথৌনা যাবদুনা মুকবোই অখন্নবা মখৈদো শান্নহল্লিদো: মুক্লাবোই অখন্নবা মখৈদা খবানা চাইবেলনা খবানা নিংথৌখোংনা অমন্না থানখি মরুপ গাবা তুংগা মনীমক মনখৈদি থাংনদো অসুম্না অযেংবা ভাবোকতো

নুংঙাইবগী ইপাক্ত তাউনরিদো লৈবাক্ কুম্মৈ অসুক্ নুংঙাইরিঙৈ খঙ্‌হৌদনা নোংবু তারক্‌পা কুম্মৈবু মপুং ফাখিদেদো নোংবু তারকলবা অদুদা নিংথৌনা অখননবা অনিগী কুম্মৈবু য়েংসি হায়না অকনবা অনি থাজিননরেদো অকনবা অনিনা থাংজিং লাইবু খরুম্না মাগী মাগী স্বর য়েংনা চংশিন্দুনা ফিবুদি পীনৈদো নিংথৌখোং তুলোপমচাসে চাইরেল মৈনো মাগা য়েংনবদা মানা খরা পীকইদো মুক্লাদি মহৈজবনি, অদুবু বিদ্যা পুম্বাদগী পাঙ্গলনা অহেনবনি হায়বা অদু অকনবসিনা উৎলিদো চাইরেল মৈনো অকনবদো মীনা হৌদ্রি মখৈ মী শাওবা হৈতবা শাম্বা পাঙ্গল ফবা মহৌশানি মাগী অচম্বা ব্রাখল্ অদুমক্তনা মরম ওইদুনা তুলোপমচানা অকনবা মাগী অচেংবা য়েংদুনা চেপচিংবুদি চিংবদা নোং তাখিবগী খরাগা নানবনে অকনবা মানাগা থৌওইহৌদবনে, মখোঙ, খুকউ হাইফেৎপুদি লৈপাক শোকখিদো মদুদা অকনবা অদু শাওরকলবা মাল্লি মাগী লৌদি অতৈবুদি লৈতেদো শুপথেক্লনা চিংশিল্লি অকনবা মানা চীংশিনবদা তুলোপমচাদো খাংবদি য়াদ মৈনো মাংদা চীংশিন্ নমদুনা কোৎ মৈনো মানা মথক্ থং থারেদো মৈনো মানা মথক্ থং থারবসু মুক্লা শীনবা মখৈনা তুলোপমচানা থাবা শকই হায়রবদা মৈতৈ নিংথৌনা খুক্‌উ কুনবদি মুক্লা থাবা হায়বা য়াদে মদুদি লৈপাক নানবগীনি, নমদুনা মথক্ থংবা ঙম্বাবু মুক্লা থাবা কৌই হায়দুনা মীয়াম তানা ঐগী অকনবনা থারে হায়দুনা নিংথৌনা নোংমৈ অহুমলক্ কাপখরেদো নিংথৌনা হায়রবা অদুদদি অতৈ কনাসু য়েৎপা ঙম্নদ্রেদো, তশেংনা হায়রবদা মুক্লা থাবা হায়বা অসি নিংথৌনা হায়রিবা অসিনা অচুম্বনি হায়না ঐগী মোৎসু লৌজৈ শীংবা তান্নদুনা পাঙ্গল চাংয়েংনদুনা মখুৎ হেক নমহনবা অমদি খুকউ হেক কুলহনবা অসিনদি মুক্লা থাবা হায়নিংদে অদুবু মুক্লাগী নিয়োমদদি অসুম্না চৎনদে খুকউবু কুল্লবা, মখুৎপু শৌরবা অতুবা শক্কনি লোংখ্রৌ য়েৎলগা মখাবু থংনা তুরবসু মাগী লৌনি হায়দুনা লোংখ্রৌনা থাবা শকহনবা মুক্লাগী নিয়োম্নি, মসিদি পাঙ্গলবুদি লৌশিংনা হেল্লে হায়বা ব্রানি তশেংবদি মুক্লা হায়বা অসিদি পাঙ্গল চাংযেংবনি মসিগী ওন্না-তৈনবদা লৌশিং লৌমাননা থাবা অসিদি অচুম্বা ওইদে, অসুম্না নিংথৌনা মনাই মৈনোনা থারে হায়না নোংমৈ কাপখ্রগা মনা পীরেদো তরেৎ শেনজা থারেদো অসুম্না নুমিৎ অদুগী কুম্মৈ অদু লোইশিনখি। পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌসু ময়ুমগী মাইকৈ পাংখিদো চাইরেল মখৈসু অকনবা মাগা

লোযননা চাইবেল্ লমদম পাংলকখিদো মতম খবা লৈবগা চাইবেল মৈনো অকনবদো ম্না কোনুং কাখিদো অকনবা মানা মৈতৈ কংলা কাবদো মখোংনবু কাবনি শহি গদা পাই খাগিবং খোংগ্রাও অককপা শেং খাগি ফুবিৎপু লিৎনা কাবনি মৈতৈ কোনুং য়ৌববদা মৈতৈ নিংথৌনা অকনবা নংনা মুক্লা যাত্র থাবগী ঙসিদি খেব তেকচাও পীজগেদো হাযনা নিংথৌনা মনাইবু খেব তেকচাও অমা অকন্বা মাবু পীজৈদো অকন্বা মাগী মহৌশাগী খুৎশেম্ ফজবা অকনবা মাগী ফিভম্ উবদা নিংথৌ থোইনা পেনজৈদো অকনবা মানা কোনুংদা লৈবা কাল নিংথৌগী শান্নপোৎ পাংখর্কনি অকনবা মানা ঙাংথোবকপা তাবদা নিংথৌ পুক্লিং পেনজৈদো অসুম্না চাইবেল্ মৈনো অকনবদো কোনুংদা লৈনিংলে মনিংতম্ মযুম চাইবেল লমদমদা লৈবে নিংথৌমানা মবাকই নিংথৌনা অকনবা মনাই মাবু চৈং৬ মাগী লা' ওন অর্মনি খঙনা লুনবুদি তৌজৈদো পোইবৈ মৈতৈ লৈপাক্লদি চাওবনা বাথোকপুদি চাওইদো মতম্ অদুদা অশোংবা জঙ্গল যাম্না লৈবনা শিংউৎ যাংগেল, চোবোট ইবুদি যাম্ন হৌবা লমজাও যাম্না লৈবনা যাবৌ শাব্ কল্লিদো খুঙ্গং অমগা অমগগী মবক্তা ফাওনবিবা লম্বীদো খোং লম্বী অমমম তমক লৈবমই নাইতোম্ চৎপদা নুপা অঙাংদি চৎনবমদেদো মবম অসিনা ব্রাংঙু নাপ্পা চিকতা পাম্ব। কৈবু চনখিবা আসগী মতুংদা পাম্বা অনীবক অমসু চর্নখিদো লৈবাক মাযাম চ৬না কুম্মৈ পাংখক ওইনা পাম্বা চনবদো অনীবকশুনদা নিংথৌদা পাওন্ লাকক্লনা পাম্বা চননবা কৈপল শাদুনা খুনজা মখৈ থাজিনবদা কৈপল নুংদন চংলবা চাইবেল খুঙ্গাতনা মাঙবু থাতনখিদো অশোংবা নাবক্ ওইবনা মা৬ব্ থাবা কানৈদে মানবু কৗনবা মাইকেদো চাইবেল্ খুঙ্গং মাগী শকককপুদি ওইদো, খুঙ্গং খুঙ্গং পানাবা মানুদি গপইদো নিংথৌ মানা অসুম্না চাইবেলনা মাঙবু থাদুনা পাম্বা মাবু থাবকপা কোবৌ মৈশা কনবনা মবম ওইদুনা চাইবেল অহল অমনা লাইজ ইথৌ লাংলদুনা তুবেল মযা নকলকলবদা লাইজ ঈশিং থকপা কুমথখিবদা চাইবেল মাযামদো অহলদুবু ঙাইবা ওইনা হাইফেৎতংবু লেপকক্ তৌবদা চাইবেল খুঙ্গা পানবিবা নিংথৌ মনাই অথৌবদো নৎত ব্রাঙাং মনিং তম্ চাইবেল প্রজা যেংনা নথিবোং পানদেদা কবিগীনো চাইবেলগী পলনা কোপ্থাবিবসে হাযনা হংলবদা চাইবেল্ অহল মখৈনা মী অমা ঈশিংবুদি থকলি মবমসিনা কোপ্থবনি হাযনা খুম্বদি তাদনা অথৌবা মানা নিংথৌনা চানবা

মনাইনি হায়না হায়নিংবা মনিংতম্না থকশি খশি নাইদনা ঙাংলবদা লাইজ ঈশিং থক্লিবা অহলদো তুবেলদগী কাবকপা তাঞ্জাদা ঙংনবিবা অদু তাবেদো, তাবা নুংঙাইবকত্রদুনা ঙাইখো চাইবেল অহলশিং হৌজিক্ চাইবেল্ ঐখোযবু পাংদে হায়না ঙাংইবদো থৌনা ফবা কনানো লৈবাক্ মচাশা কৈবু চনবা তোক্লসি মীবু ওইনা হান্না চনসিদো কনানো হায়না লাউদুনা থীবকলবা কান্দা চাইবেল খুঙ্গংগী মবিংজেল নীংথিনা খঙলবা নিংথৌ মনাইদো খুম্ববুদি তৌদেদো অদুবু কৈপল্ নুংদা লৈবিবা প্রজা যেংনা হৌজিক্তা ঙাংখিবদো কনানো হায়না তোইনা হংলবদা নিংথৌ মনাইদো খাঙবা যাদ চেল্লেদো নিংথৌ মাগী নাক্তা নিংথৌ মাগী নাক্ য়ৌবাফাও অহলদুসু তান্নবা তোকপা লৈতেদো নিংথৌদবু হঙ্গৎনৈদো নিংথৌ ম্না নাক্তা চাইবেল্ মৈনো অকনবদো নিংথৌ থৌগল তৌনা লৈবমইদো চাইবেল অহল অদুনা উশিং থৌওইদেদো ঈনিংথৌ চাইবেল ঐখোযবু অসুম্না ঙাংবা অসিদি পাম্বা কোন্না চনসি হান্না মীবু চনখিগে হায়না চাইবেল্ অহল অদ্ শাওববদা নিংথৌনা অহল অদ্ শাওবে খঙলদুনা মনাই অদুবু যেংনা থীনবুদি চৈখিদো অহল্ অদ্ যেংনা মৈনো মানা কীদুনা চেল্লবা মী হাৎকে হাযবা অসিদি অশিবা ষনদা ফুবগুম্বনি চেনদনা মাইযোক যাববদি হাৎকে হাৎনৌ কুম্মৈদুদি ঐখোযসু যেংনিংবনি অদুদা অমনা চেল্লবনিনা অচেনবা মীবু হাৎপাদি যাদেদো চৎলো পাম্বা কৈবু চাইবেলনা ফাবগা নিংথৌদবু কৎসি হাযনা থেমজিল্লদুনা চাইবেল অহলদো মাগী পল্লকতা চৎপ্রেদো অসুম্না পাম্বা অদুসু চাইবেল লৈবা মাইকৈদা হেক্তা মথেংনৈ অমাবোমদা হেক্তা মচেল্লি অসুম্না পাম্বা অদুসু নিংথৌনা লৈবাক প্রজা বানবকলবদা নোংমৈনা কাপ্তুনা পাম্বা অদুবু ফাখিদো, পাম্বা অদুবু নিংথৌনা কাপলবদা চাইবেল্ মৈনোদা ওনশিন্দুনা অকনবা কৈ কনানা ফাপ্রে হাযনা হংলবদা ঐজ্ঞা ননাইনা ফাজবনি ঈনিংথৌনা হাৎপানি হাযনা খুমখিদো, নিংথৌনা ঐগী অকনবনা শা ফাবে, হাযনা লাউথোকখি, পাম্বা অদুবু পুদুনা লৈবাক্ প্রজা বীদাই তৌবম্লগা চাইবেল্ মৈনো অকনবা মাগা লোইননা মযুম কোনুং যৌখিদো, অসুম্না নিংথৌদো লৈবাক প্রজা লোইননা নুংঙাইনা পাল্লক্পা মতমবু খবা লৈবগা চীংঙু খোইযুম নোংদম্ কন্নখিবনা বিলাতকী ববলাড সহেব্না মৈতৈ নিংথৌদা চিঠিগী চাজুম্ অমা থাবকলেদো চিঠিগী মবোলদি মৈতৈ লৈবাক্কী অকনবগা বৃটিশ ঐখোযগী অকন্বগা মন্ন যুধ থেংনহনসি তবেৎকী শেনজা

থানসি নখোই মৈতে লৈবাকতি অকনবা অথৌবা পোকপা লমদমনি বৃটিশ ঐখোয়গী অথোইবা নিপা অসিগী লান্না পীয়ু মনবু থেংনগদবা মফমদি বিলাট ঐখোয়গী লৈবাক্ত থেংনশি হায়না চিঠিগী চাজুম থারকলেদো বড়লাড়্কী চিঠি ফংবদা নিংথৌ থৱাই নুংঙাইত্রেদো ওম্বোক্লা উশিত্তবা মিৎয়েংনা মৈতে ঐখোয়বু য়েংইদা খল্লুবা নিংথৌ পুক্লিং নুংঙাইতে অদুবু নিংথৌনা পাত্র মন্ত্রি য়েংদুনা ৱাতানরেদো পোইরে মৈতে লৈপাক্কী অকনবা কনানা বিলাটকী অকনবদি পাগে হায়না হংলবদা মৈতে লৈবাক্কী অকনবা কনানা পাগে খুমদ্রেদো মতম অদুদা চাইরেল মৈনো অকনবা, নিংথৌনা থৱাই নুংঙাইবক্তবা অদু উরবদা ইনিংথৌ মৈতে লৈবাক্কী অকনবা কনানা বিলাটকী অকনববু পাগে হায়গদগেনে ইনিংথৌনা মৈতে লৈবাক্কী খ্বাইদগী অশোনবা অমদা নং লান্না অসি পাদবা য়াদে হায়রবা ইনিংথৌনবু স্না য়াথং তাকপিববা বিলাটকী অকনবা অমা অদু নত্তেদা অকনবা চাম্ম-চাম্মা পাগনি হায়না হঙ্গৎলবদা নিংথৌনা পুক্লিং পেল্লদুনা অকনবা নংতনিদা, নিংথৌ ঐনা অকনবা নংবু অমুক্তা কোনগেদো হায়না নিংথৌনা মনাইবু কোনবীখি, অকনবা নংনবু নৎতনা লান্না অসে পানবা লৈতেদো অদুনা অকনবা ঙসিদগী মঙানি শুবা নুমিৎতা বিলাট লমদম্ চৎপা তাই, অকনবা ননিং তম্না চানিংবতা চা লৈয়ুদো হায়না মনাইবু থাক্লুনা থমখ্রেদো; মৈতে লৈবাক্কী অথোইবা পণ্ডিৎনা অফবা যাত্রগী পুংফম খোৎতুনা পীরেদো লৈবাক প্রজা যেংনা নিংথৌনা কোলোইগী মপাও লাওবেদো হন্দক্ বিলাট লমদমদা চৎপাসে মৈতৈগী অখন্নবা মীওই চাম্মানা টিমবু শারগা চৎসিদো হায়না নিংথৌগী অখন্নবা মীওই চাম্ম খন্দুনা বিলাট চৎননবা শেম শারেদো বিলাট চৎকদবা নুমিৎতো শ্রীগোবিন্দ লাইশংদা উসব্পু চাউনা কৎলেদো গোবিন্দগী নির্মল ফংজবেদো মৈতৈ অখন্নবা মীওই চাম্মাসে হুইয়েন-লানবু চৎপা পাংখকনি মৈতে লাম্মী অথোইবা তম্বানিপা চাম্মানা চবৈ ফিঙৌ শেৎনা মাগী মাগী খুৎশু-খুৎলাইগা লোইননা শাজোন্ তৌরকপা কয়াগী মতিক ফজবা ঐনা থাবনা মৱাৎলনি, মৈতে নিংথৌসু হুইয়েন্ লান্দা শীজিন্নবা য়াবা খুৎশু-খুৎলাইবুদি পুইদো করিগুম্বদা য়ানদবা মতাং ওইরবদি খুৎপু থোক্লুবা য়াই খন্দুনা শেম্ শাদুনা চৎলিদো অসুম্না লাকপনা বিলাটকী লৈবাক্ যৌখিদো বিলাটকী বড়লাট সাসেবনা মৈতে নিংথৌ অমদি প্রজা থুংলবদা লৈননবা জগা পিখ্রেদো

মৈতৈ প্রজা পুম্নমক নোংলেন্‌ অহিংদুবু মবুংঙোগী নাম্‌বু শোন্দুনা লেনখিদো নোংলেন অহিংদুবু লেনলগা বড়লাড সাহেবনা অকনবা অনিনা মন্‌ থেংনগদৌরিবা মফমদো শেমবু শবা লোইখ্রেদো মৈতৈ তেঙ্গোল্‌ পুল্লপ্রবু লৈদো বৃটিশকী মীয়াম্না লমজাও অদু পুমথন্‌ থনখ্রেদো ব্রিটিশকী অথোইবা নিপাদো থোইনবুদি ফজৈদো শবান্‌ মুর্ত্তি নিংথিজৈদো কনগদবা মাল্লিদো বড়লাড শাহেবনা মৈতৈ নিংথৌ য়েংদুনা নিংথৌ নংগী অকনবগা ঐগী অকনবগা মন্ন-যুধ থেংনবদা তরেংকী শেনজা থানসি অঙম্বনা হাৎনহনসি হায়না হায়বকলবদা মৈতৈ নিংথৌদো পাইমা পুক্লিং নুঙাইতে ওম্বোক্লা হম্বুনা খনগ্রেদা খল্লুবদা মীনা লাকচবা য়াদবা মৈতৈগী ঈনিনা ফরে বড়লাড সাহেব তরেৎ শেনজা থানসি অঙম্বানা য়াইবী থব্রাই লৌনহনশি হায়না য়ানরবদা নিংথৌনা অকনবা মাবু ফিবুদি শেমহন লেদো নিংথৌনা অঙাংবা য়ুবু লিক্লি অমা পিথক্লেদো য়ুবু থক্লবা কানদা নিংথৌনা অকনবা ঙসিদি পোইবে মৈতৈ লৈবাক্লা পোম্ভনি য়াইবী থব্রাই পাম্মুফদেদো নংবু মীনা ঙমখিবা থোক্লবা নিংথৌ ঐনা কনবা ঙমলোইদো শামান্নবা লানথেংনবদা মীচং কনা য়াওনদনা থেংনগদৌরীবনিদো নংগী-নংগী হৈনবা তৌবদা কনানা অথিংবদি লৈরোইদো হায়না মনাইদা তাকপিবেদো নিংথৌ মনাই অকনবদো মপু য়াথং ফংবদা অযাং লৈমা পাম্বোইবীবু অসুম্না খুকমজবক্লেদো অয়াং লৈমা পাম্বোইবী ইমাও নংদি মালংগী নুংশিংওই য়ৌনিংবদা য়ৌঙম্নী হুইয়েন্‌ লাম্বা পাবদা থোই হায়বগী পাম্বোইবী কোলোইনি ইমা নংনা মালং নুংশিং ওই ননাইগী, হুইয়েন লানবাংবিয়ু শাম্বা পাঙ্গল থোইববু পীনবীয়ু হাযনা মমাবু খুরুমজরেদো মনব্বু থেংনগদৌরীবা মখোয় অনি চংশিন্‌নরেদো নিংথৌ মনাই অকনবদো মপোকঙৈগী য়ুবু থকত্রিদো অঙাংবা য়ুবু থকপদো অকনবা মানা ঈবুদি পীথকই হায়না খল্লিদো অসুম্না অকনবা অনীদো ময়াইকাবা শামু কাংখকনি চাগদবগুম যেংনবা অমনা অমাগী অশোইবা য়েংনবা বৃটিশগী মন্‌বু ব্রাল্লাদো থোইনবুদি হৈবনি কুষ্টিবুদি পামজবনি মানা অকনবা মাগী মখোঙ য়েংকী খোঙনমদা খোংবীনা চোংশিন্দুনা নমদুনা লৈবদা অথোংপা লফুদা হুইবু থাগুমই অকনবা খোংনমদো ঈনা পুমঙাং ঙাংইদো চাইরেল্‌ মৈনো অকন্‌বদো থোইনবুদি শাওখিদো, অদুবু অকনবা মানা শাওজবতনি অথৌবা মানা তৌনিংবতা তৌ অঙাং মচা পাগুমইদো লালওংহৈবা বৃষ্টিশকী অথোইবদো


অথোই নাপল কানা মীয়াম্ মমাংদা অথোইবা মানা তৌনিংবতা তৌগুমই চাইবেল মৈনো অকনবা মতৌদা বৃটিশ মখৈনা থাকনা থাকনাবুদি নোকইদো তবেৎ শেনজা থানবা মথক্তা যাইবী থৱাই মাংলনি খন বৃটিশ মখৈদো হবাও মথোই কাইদো মৈতৈ লাম্মী মযামদো মাইথোংলৈদা লুকলকইদো মৈতৈ নিংথৌদো মনাইবু মীনা লাকচবা কুম্মৈবুদি যেংনিংদে মচিন থোকনা হাযবকলেদো অকনবা নংগী হৈনবা তৌবোনা হাযনা হাযবকলবদা চৈনা ফংনা শাওববা মৈনো অকনবদো মমিৎ কোবি ঙাং কনাবুদি উদেদো যুনা মযাই কাবকপা শাথিনা চৈনা ফংলকলবা অকনবা মানা। মাগী লাম্বা মাব নমদুনা ফাবগে যাইবী থবাই লৌবগে খন ঙমদ্রগা এস মখৎতা যাইবী মাংলগে খন্না শামু লমশা মওংনা নোমহৌ নোমহৌনা চোংলকপা খচহৌদন। শাফু কন্না চোংশল্লকপা বৃটিশ্ অথোইবদো চোংথোকপবুদি ঙমখিদে মৈনো মানা নমদুনা ফাখিদো অকনবা মানা অথৌবদু ফাববা খা [illegible] মৈতৈ থৈযেন লালওং মক্লাদো মাগী হৈনবী তৌবকলে মুক্লা হাযবদো বৃটিশ্ মখোইদি খঙদেদো মৈনো মানা থাংগৎলকপা বৃটিশকা অথোইবদো মখুৎ মথো[illegible] হিংথোক্লা মালেমদবু তানকপা লৈথোক্লান খন লৈবকপা মিৎনা কুপ্লদ। অকনবা মানা মালেমদা থাদবকপা অথৌব। মাদি লৈথোকপাদি ঙমদে মৈনো মানা মথক খ[illegible] নমদুনা থমলবদা অথৌবা মানা ঙনখৎকে হাযনা হোৎনবকপা [illegible] মৈনো মানা অকনবা মা[illegible] ঢপহনলেদো নমগাল খত্তা খুকৎনা নম্ মখু[illegible] খান খনলবলেদা যাইবী থবাই পোম্বা ওহবনা বৃটিশকা বঙলাডভো খবাইবুদি লাবকলেদো অকনবা মানা যাইবী থবাই তেমাশংনা বৃটিশকা [illegible] হাদ[illegible] [illegible]কাকপুদি পাওনা মচক্ হংলগে [illegible]লেদো বৃটিশ [illegible] সাহেব [illegible] নিংথৌ [illegible] অকনবা [illegible]মেদো মথবা[illegible]দি তাংহল্ল[illegible] হা [illegible]বর্বদি তাং[illegible]নর্দনি অদুবু শিং[illegible] মাঙবং মাতৌখনান হাবনা তফাশল্লকলবদা মৈনো অকনবা মাদি শাওবনা মবং [illegible] মরোক পাউনা [illegible] [illegible]বকপা নিংথৌ হা[illegible]খবনা হানবা [illegible] খমকমদগী হৌগৎনা অকনবা লাক[illegible] চং অকনবা মথাবাইদি [illegible] খনা 'নিংথৌন' অহমলক হাযবদা অকনবা যানিদ মকোক পাওন লৈবাদ তৌবকলেদো নিং[illegible]থৌনা অকনবা নংনা ঙমলে খণ্ডলবা হুং হনলকলেহৈদবা মীদা অকনবা পাঞ্জল উৎপাদ পাংদবতনা। তৌগদবনি হাযনা

মনাইগী মশা শগল পাইনা থামমেদো অকনবা মাবু নমদুনা মনংগন্দা ফমলিডেঁদগী নমদুনা চিংখৎলেদো অকন্বা যানিংদনা হৌগৎখিদো। নিংথৌনা মনাইবু মৈতৈ লাম্মী মবক্তা পুশিন মনাইবু থমখিদো বৃটিশকী অথৌবা অদুসু বৃটিশ মখৈনা পুশিনখি, তবেৎ শেনজা নিংথৌনা লৌ বডলাড্গা বিদাই তৌনদুনা পোইবৈ মৈতৈ লৈবাক পাংনা খোংশানলক্খিদো। মৈতৈ অকনবা শিংনা চাইবেল মৈনো মাবু থাগৎখিদো, নিংথৌনা মৈতৈ কোনুং যৌববদা অকম্বা নংনা মৈতৈগী লৈবাক্ কল্লেদো নংনবু পাম্বা হায়য়ুদো কবিনা মনা ওইনা পীগনি অকনবা নংঙোন্দা ঐনা পীবনা মৱাৎননি হায়না মনাইবু থাগৎপিববদা চাইবেল মৈনো মাদি মীজা ওনা পংই হাযবগুম্ তবেৎ শেনজা পামদেদো স্নাবুদি পামদে ইনিংথৌ ননাইনা পামজর্বাদি ইনিংথৌ ননাইগী ইমানা থোংবা তবা চাকলুকতো ননাহ চানংলে হায়না অকনবা মানা হাযববদা নিংথৌনা অদুদি অকনবা ঐ থীলহনগে হায়দুনা নিংথৌনা জিপ্তা তোংহন্দুনা থীলহনলেদো মযুম চাইবেল লমদমদা অকনবা অদু লৈহৌবে, চাইবেল্ মৈনো অকনবনা তৌবম্বা থবকশিংদি শেল [illegible]নখিবা মীওইশিংদগী, শেনবুনা অকনবা মাবু নেক্তুনা লৌথোকহল্লি, শা- [illegible] মীওইশিংগী মখুত্তগী শা [illegible] খুদক্তা নমদুনা লৌবগা [illegible] [illegible]। বিলাত মহাবানীগী অকনবা [illegible]দগী খুদুপ অমা হেনবা মাবুসু [illegible] মৈনো অকনবা মানা দিলিদা [illegible]। চাংনবদা ৬মবদগী, মহাবানানা [illegible] অদু চাইবেল মৈনো অকনবদা [illegible] ওইনা পিনকখি। চুবাচান্দ মহারাজনা [illegible] পাকপগী তবেৎ শেঙ্গা ফংলকখি [illegible] মানা চুরাচান্দ মহারাজনা [illegible] ১৮৯১ দগী ১৯৪১ ফাওব [illegible]

চাওতোন্না মফম অদুদা লৈবা যাববোই খংদুনা মতাও পুনানদো কৌদুনা লৌ পবী অহুমগা ইবোই লাবা অমগা মপীমচা অহুমগা পীবম্বী। মফম্ অসিদা পাঙন চাওতোননা মাগী নুপী অঙাংগা লোযননা লৈবিঙৈদা চাইবেলগী তবেৎ খুৎনা অহিংদা চৎতুনা থীবদা মাগী ইম্খোলগী ৱাদা কাদুনা লোৎলম্বদগী তবেৎ খুৎনা তানা থিনদ্না হাৎখি। অসুম্না পাঙন চাওতোনগী নুপী অঙাংশিং অদু তানখি অদুগী নুমিৎ অদুদগী মফম অসিবু পাঙন তানখি হাযদুনা পাঙস্তাবী কৌখি। মফম অসিদা চাইবেলগী পুনানদোনা নুপী অঙাংগা লোযননা লৈদুনা খুন্দাবা হৌখি পুনানদোগী মচা নুপা মবিনি মখোয অদুদি (১) সোবোখাইবম্ লুকতাসিং (২) গৌববীধু (৩) থম্বাল (৪) তোমচৌ অসিনি অদুগা মচা নুপি অহুমদি (১) তাখেললৈমা (২) তোমবেম্মা (৩) তোম্বী অসিনি। চাইবেলগী তবেৎ খুৎকী মমিংদা (১) সোবোকখাইবক তোমপাপু (২) নাওবেম্ হেবাসিং (৩) লাইশ্রম নোবো (৪) লাইশ্রম হাজুবসিংহ (৫) লাইশ্রম খেমাতোসিংহ (৬) সোবোখাইবম্ মোহোবী (৭) মোইবাংথেম অচৌ-সিংহ অসিনি। পঙস্তাবীদা চাইবেল পুনানদোনা হৌদুনা খুন্দাবা হৌখিবসি খৃষ্টাব্দ ১৯৩০ অদুৱাইদগীনি।

চাইবেলগী থুইদ্রাওবীগী মমিং চাইবেল্না তৌজেং পনদোল ৱাংপোকপী হাইখম্মী। অহিংদা খোংনা লাওনা লাকই হাযদুনা নোংযাইখোং কৌই। অহিংদা মুনা মমনা লাকই হাযবগী মুহিং খোং কৌই। ঙাইহাক্তং পল্লমই হাযবগী পংনা লৈবম্মা হাযবগী অপং খোং কৌই। উক্রোং লাইবমদা কাবগা মিশি পলদা কাখি। ইইখোঙলোক্কী মকদা থুমখোং লৈ মদুদগী থুম শুংলগা চাবম্মী। চাইবেলগী কোম্খৌজম্ ধোনসিংশু থুম শুংবা যাওহৌই।

পাখংবা



মপালশুবদা পানবা নিংথৌ ঃ

সোবোখাইবম্ হেবাসিংনা খৃষ্টাব্দ ১৯৫৪ অদুব্রাইদগী খৃষ্টাব্দ ১৯৭৯ অদুব্রাই ফাওবা চাইরেলগী নিংথৌ ওইদুনা পানখি। লাইশ্রম তোমানগা মহাক্কা নিংথৌগী ফম্ মুন্নবম্মী। লাইশ্রম তোমাননা লৈখিদ্রবদা হেবাশিংহনা লাইশ্রম্ নিংঙোল লাশমতোন পাননদুনা গোপাল্ পোকই অসুম্না চহি ২৫ মুক নিংথৌ ওইদুনা হেবানা পাল্লমলগা নোঙ্গাখি।

তরাশুবদা পানবা নিংথৌ ঃ

নাওবেম্ ফাইবোক অর্মাদি মোহবাংথেম্ ইবোতোনগা চাইবেলগী নিংথৌ ফম মুন্নাখি। অসুম্না মুন্নবকপনা ইবোতোননা লৈখিদ্রবদা ফাইবোক্পা খৃষ্টাব্দ ১৯৮০ অদুবাইদগী কৃষ্টাব্দ ১৯৯২ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখি।

তরামাথোইশুবদা পানবা নিংথৌ ঃ

লাইশ্রম মনিচৌবানা খৃষ্টাব্দ ১৯৯৩ দগী খৃ:........... ফাওবা নিংথৌ ওইনা পানখি। মহাকনা পানবা মতমদা চাইবেল অহল্লুপ্ চাইবেল নহাকপ অনী অসি তোঙান তোঙান লাই হাবওবা হৌখি। ইমা পান্থোইবীগী খুভম্ অর্মাদি লাইগী সমপতি মুন্নবদা চাইবেল্ অহল্লুপনা শাবা শংলেনশিং চাইবেল্ নহাকপনা মৈ থাখি। মমৈদা অহল্লুপ নহাকপ যাশিন্নদুনা অনী থোক্পা খাযদোকনদুনা লাইগী সমপতি যেন্নখি।

— পোইরবা -